ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯋꯥꯔꯤ ꯁꯤꯡꯕꯨꯜ

পুয়াগী ৱারি শীঙবুল



অইবা

মোইরাংলালহবা এলাজ রাধামুহোন থোকচোম

লুৱাংশঙবম, ইন্ফাল্ ইষ্ট, মণিপুর।

ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯋꯥꯔꯤ ꯁꯤꯡꯕꯨꯜ

পুয়াগী ৱারি শীঙবুল

অইবা
মোইরাংলালহবা এলাজ রাধামুহোন থোকচোম
লুৱাংশঙবম, ইম্ফাল ইষ্ট, মণিপুর।

পুয়াগী ৱারী শীঙবুল

অইবা	-	মোইরাংলালহৱা এলাজ রাধামুহোন থোকচোম
লৈফম	-	লুৱাংশঙবম মমাং লৈকাই, ইম্ফাল ইষ্ট, মণিপুর।
ফোংজবা	-	মোইরাং সলাই পব্লিকেসন ১. তাইবংঙানবা থোকচোম অমসুং ২. মঙাংঙম্বা থোকচোম লৱাংশঙবম, ইম্ফাল ইষ্ট।
অহানবা খুৎনম	-	২০১৫, অগষ্ট ৩১
লাইরিক মশিং	-	১০০০
ফংফম থোকপা	-	অইবা
মমল	-	লুপা ১২০ /- (মখুম অপাবা)
	-	লুপা ১৭০/- (মখুম অথাবা)
লাইরিক ফংফম	-	কৈথেলগী লাইরিক য়োনবা দুকানশিং, উত্রা শঙলেন, সনা কোনুং অমদি অইবগী য়ুম।

Printed at : *D-Itao Offset Printing Press*
Chingmeirong East, Khongnang Ani Karak, D.M. Rd. Imphal-10.

OFFICE OF THE HIS HIGHNESS THE MAHARAJA

PALACE-IMPHAL

MANIPUR

5th Aug. 2014.

Sana-Konung.

'পুয়াগী ৱারী শিঙবুল' হায়না মীংথোনবা লাইরিক অমা মোইরাংলালহাবা এলাজ রাধামুহোন থোকচোম, অমাই শংলেন পুবা উত্রা শঙলেন, সনা কোনুংনা পুথোক্কনি তাবদা য়াম্না নুংঙাই। অইবা অসি হান্নসু ইনাৎ লাইনিংগা মরি লৈনবা লাইরিক খরসু পুথোকখরে।

হন্দক পুথোক্কদৌরিবা লাইরিক অসি মতিক ময়াই লৈহন্নিংই লোইননা লৈবাক মীয়ামদা কান্নবা ওইহন্নিংই।

মতুংদসু অসিগুম্বা লাইরিক কয়া পুথোরক্কনি হায়বগী থাজবা থম্বগা লোইননা মতম শাংনা পুন্সি নুংশাংনা অইববু ইরৈবাক্কী অমদি সনা কোনুংগী থৌগল তৌবা ঙম্বা ইবুধৌ পাখংবনা পীনবীবা ওইসনু।

Leishemba
Sanajaoba.

His Highness the Maharaja (King) of Manipur.

→ Luwangshangbam,
Imphal East

ৱারোল খরদং

কংলৈপাক্কী কংলৈচাগীদমক্তা য়েংদুনা মাইচৌ কয়ানা লাতন্নীরমদুনা হৌজিক ফাওবা ইপা ইপুশিংনা থন্নীরম্বা পুয়াগী ওইবা ৱারী শিংবুলশিংনি হায়রিবা পুয়া অসিবু মাংখিদনবা হায়দুনা উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী অমাই হঞ্জবা (ময়াই লোইখঙ পুবা) থোকচোম মোইরাংলালহবা এলাজ রাধামুহোন্না খুয়েক তন্নীরিবা 'পুয়াগী ৱারী শীঙবুল' হায়বা পুয়া অসিবু পারুবদা অসুক্কী মতিক মগুণ য়াম্না লৈ হায়জনিংই। নুংলোন্দা য়াওরিবা ৱারোলশিং অসি অসুক্কী মতিক মরু ওই হায়জবসিসু হায়নিংই। কংলৈচাশিং খুদিংমক্না পুয়াগী ওইবা লাইলিক অসিবু ময়েক শেংনা নৈনহঞ্জনিংই। মতুং তারকপদসু পুয়াগা মরি লৈনবা খুৎইগী ওইবা লাইলিকশিং কয়া ফোংদোকপিরক্লবা হায়দুনা তাইবং শেন্বা মপুদসু পুনেমজরি।

তাং ৩১-০৭-২০১৪ (অঙোম অমুবী অঙোমচা)

অঙোম নিংথৌ

উত্রা শঙলেন, সনা কোনুং, কংলৈপাক।

অচন্বা ৱাহৈ খরদং

মালেম লৈকোইপুঙ অসিদা মীওইবা ফুরুপ মখল কয়ানা লৈশেমঙৈ-মৈহৌরোল মতমদগী হৌনা মীওইবনা মীওইবগীদমক শাগোন্নদুনা ঙসি ফাওবদা মুৎপা নাইদনা তেংপানবা শেন্বা মপুরেলনা তাইবঙ মীওইবগী শিন্থা কয়া খুদোল তম্বীরকই। তেংপানবা শেন্বী মপুরেলনা থৱাই পানবা মখল লাক্ষ মরিফুতরা মরি হেন্না শেন্বীরকপদা নমু তাইবঙসু শেন্বীরি। তাইবঙগী হৌনা লোনচৎকী পথাপ পরিং তুংইন্না তাইবঙ ফুরুপ মখলশিংনা অচেৎপা পুক্লিংনা থোংলোন নাতৈ কাংদুনা, তাইবঙগী চাদ-নাওদা অমদি চাকহোং ঙাহোংনবা পুন্সি নুংশাংনা য়ডুম্বাল লম্বীবু খোংলৌ পল্লৌদনা, পরিং তৎতনবা মপুগী মীঙ্খেরোল শক-শোন্দুনা অমদি মহৌশা লাইরেন্বীগী খোংচৎপু তেক্তা কায়নদবা অচেৎপা থাজবগা লোইননা তিন্থৌ-লাইথৌ লাইশোল থৌরম পাংনরি। হন্দক অসিদা য়াম্না অপেনবা ইথিল অমগা লোইননা নুংঙাইরিবদি অতৈ করিবু নত্তে মদুদি মোইরাংলালহাবা (রাধামুহোন) থোকচোম, খোৰ্জ্জে খুৎশুবা অমাই শিন্থা থৌরম থৌগাই পুরিবা মহাক্লা মৈতৈ ফরুপকী ওইবা মমল নাইদ্রবা "পুয়াগী ৱারী শিঙবুম" হায়না কোলোই মীংথোনবা লাইরিক অমা ইদুনা পুথোকপসি ঐহাক্লা কুপ্না পারে। লাইরিক অসিদা শুগাইনা মচা খাইনা ইরি মদুদি তাইবঙ পুকচাক ওইরিবা লৌবুক্কী ফৌকৌরোল, কোৎ লাই খুরুম্বা, লুৱাং পুতাংবনা শঙাই ওনখিবা, সোরারেনগী মচা ইবুংঙো খোরিফাবা, পাখংবা শায়োন চামানিপাল, অঙাং চাক উন্বগী ৱারোল, অঙাং লংহিং থাংবগী থৌরমলোন অসিনচিংবা য়াম্না মরু ওইরবা ৱারোল কয়াবু ময়েক শেংনা শৈথারি। হায়রিবা ৱারী শীংবুল ৱারোল অসি মীওইবনা পোকপা, শারোপ ফারকপা, লুহোংদুনা য়ুম্বানবা, পুন্সিগী পরিংদা তৌগদবা থৌরমশিং অমদি চীংউবা খোয়মোম লাইরেম্বা লাইরেম্বীশিংইরাৎ থৌনিজরগা তাইবঙগী পুক্কৈ-লনকৈ ৱাৎতনবা নিজবা অমসুং তাইবঙ হকচাং পোলাংনা লোম্বদা, থৱাইনা মথংগী লাংওন মপোক অমদা য়াইফবা মীথোইবা মপোকওইরক্লবা মোইরাংলালহাবা

(রাধামুহো) থোকচোম-না ইবা "পুয়াগী ৱারী শিঙবুম" কৌবা লাইরিক অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লিবা অসি থেংনরে। অসিগুম্না মৈতৈ ফুরুপকী মমল য়াম্লবা পুকৈবু কুপ্না থিজিল্লিবা মহাকপু লৈপাক মীয়াম্না মহাকপু নৌহৌনা শক খংবিফম থোকই। হায়রিবা লাইরিক অৎিসঞ্চন্ঠ মৈতৈগী নাৎ, ইচৎ, লাইনিং-লাইশোলগী পরৈলিপু অমক্কসু চেৎনা তুংলমচৎকী মীরোলদা য়াইফবা পিগনি হায়বসি লেংদ্রবা ৱাফম্নি। ইরৈচা খুদিংমক্না লাইরিক অসিবু পাবিয়ু অমদি কান্নবা মচাক ফংনবা লৈনবিয়ু হায়বগা লোইননা মোইরাংলালহাবা (রাধামহোন) থোকচোম, অইবা মহাক্কী লাইরিক কয়া ইদুনা ইরমদমগী থৌগল ফংজবদা তেংপানবা মপুনা থৌজালবিবা ওইসনু হায়জরি।

ৱাফম ফোংদোকচরিবা

তাং ১২।১১।২০১৪ ইং,

যুম্নাম রাজেন্দে
নেশনেল সঙ্গীত নাটক একাদেমী এৱার্দি
ডাইরেক্তর পাঙ্গোইবী নাট্য মণ্ডির, ইম্ফাল

থাগৎ ৱাহৈ খরদং

মোইরাংলালহাবা এলাজ রাধামুহোন্না থোকচোম্না ইবা 'পুয়াগী ৱারী শীঙবুল' হায়বা লাইরিক অসি পাজরে। হান্ননশু ওঝা ইবুংঙোগী লাইরিক অনি 'লাইগী থৌরম্লোন' অমদি হরাউবা নুংগী লিক্লম' অনিমক পাজখ্রে লাইরিকশিং অসি ইখিবগী অপাম্বা অদুমক ফংলে হায়বদা লাল্লরোই। লাইরিক অমা পুথোকপদা অচম্বা নত্তে। লাইরিক অসি পাম্বগী পুক্নিং ইহুল অদুনা পীবা শাফু অদুননি মীয়াম্না অহুমসুবা লাইরিক অসি পাবা ঙমজগদৌরিবা নংলমদ্রবদি লাইরিক অসি উবা ফংজরম্লোই। উরমদ্রবা উরকপনি মসে ওঝাগী হোৎনজবগী মহৈনি। লমদমসিদা অসিগুম্বা মখলগী লাইরিকশিং ইবা অচম্বা থবক অমা নত্তে। মতম চংগনি, ৱাখল লৈগনি অমদি লিক্লম থিগনি লোইননা অমনা হেক্তা ইবা ওইথোক্তে, ইবসু ঙমলোই। লাইরিক অসি পাহৌদবা লাইবক থিরগনি। থমজনিংবা ৱাফম অমনা মালেমসিদগী মুৎনাইদনা লৈরক্লবা, লৈরক্লিবা অমদি লৈহৌরগদবা কংলৈপাকসিগী লেংদ্রবা মাচৎতু শাফোংলকপনি অমারোমনা মচৎসি শেমদোকপা, য়োকখৎপা, ঙাকশেনবা ঙাক্লৌ থোইদোক্কী মথৌ তাদ্রবা মরমসিনা মপু মাগী শিন্থা পাঙলিবনি অদুগুম্বা লাইরিক্তা ৱাহৈ খরদং ফোংদোকচনবগী তাঞ্জা ফংবা মপু মাগী য়াথংনি খঞ্জগে।

অসিগুম্বা কান্নরগদবা লাইরিক ময়াম অমৎসু মতুং তারকপদা পুথোকপিরকখিগনি হায়না খঞ্জরদুনা উত্রা শঙলেনগী অমাই হঞ্জবা (শঙলেন পুবা) সনাকোনুংগী ওঝাগীদমক তাইবঙ শেম্বা মপুদা থৌনিজবগা লোইননা লাইরিক অসিবু মীপুমতিংনা পারগনি হায়বগী থাজবা অদু থমজরি। লাইরিক অসিনা করি হায়রি ? করি পাল্লি ? করি খল্লি ? ময়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু অমদি অনিংবদু ফোংদোকপিয়ু।

"God is as internal being of immune power, knowledge and goodness, who is the creates and sustaine of the universe and is worth of human worship."

Dated 25/7/2014

সুশিল নিংথৌজা
Convenor
Imphal East Umanglei Committee

অইবগী ৱারোল খরদং

মালেম অসিগী অমদি কংলৈচাশিং ওইবা শিংনা তৎনা থানবা য়াদ্রবনি হায়বদি মৈনা ৱাই, তাংনা শমদুনা অদুম্মক মুৎপা নাইদনা চৎনদুনা তা অসুম লৈহৌরগদবা 'পুয়াগী ৱারী শীংবুল' কৌবা পুয়া অসিনা য়ামদ্রবসু অমদি খরদংবু ওইরবসু চুমথোক্লবগীদমক্তা ইজখিবনি। ননাই ঐহাক্না পুয়া অসিবু য়াম্না থোইনা হৈজ শিংজদুনা ইজখিবদি নৎচদে।

লাইলিক অসিব খ্বাইগী মফমদা খুদোল তম্বা ঙম্নবগীদমক্তা হোৎনবদা কাঙমোংদা লৈবা মাইস্নাম অপাবী, সনা কোনুংগী মাইচৌ ওইরিবা ঐহাক্কী কুরু ইবুংঙোকী মমল য়াম্লবা পাউতাক কয়া পীবীদুনা লাইলিক অসি পুথোকপদা চাওরবা লমণ অমা তোনশিঞ্জরে।

অরোইবা ওইনা লাই লিক অসিবু পুথোক্লবা হোৎনজবদা অচৌবা থৌদাং কয়াবু লৌবীখিবা তাইবঙচা খুদিংমকপু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোংদোকচরি অমদি ঙমখৈ লৈতনা ইকাইখুম্নবা উৎচরি। ইকাই খুম্নরবা অমদি ইকাই খুম্নরবী খ্বাই খিবিক্লা লাই লিক অসিবূ ফাগৎলকনবগীদমক্তে পীবীরকপা পাউতাকশিংবু ফীগাও শানা রিম্না লৌজগনি অমসুং ইকাই খুম্নবা উৎচগনি।

অইবা

মোইরাংলালহবা এলাজ রাধামুহোন থোকচোম
লুৱাংশংবম মমাং লৈকাই, ইম্ফাল ইস্ট।
অমাই হঞ্জবা (শঙলেন পুবা)
উত্রা শঙলেন, সনা কোনুং, কংলৈপাক।

	হিরম	লামায়
১।	লৌবুক্কী ফৌ কৌরোল	১
২।	কোৎ লাই খুরুম্বগী লাইরোল	১৭
৩।	লুৱাং পুতাংবনা সঙাই ওনখিবা	১৯
৪।	সোরারেনগী মচা খোরিফবা	৩২
৫।	পাঙংবগী শায়োন ১০৮ (পাউবীরাই)	৪৩
৬।	অঙাং চাউম্বগী ৱারোল	৫২
৭।	অঙাং লংহিং থাংবগী থৌরল্লোন	৫৬

১. লৌবুক্কী ফৌ কৌরোল

ওঁ অৱাং কৌব্রুদা লাইনিংথৌ সোরারেন্না মমোম লাংলেনশিং, ইরৈবা, ঙারৈবা, য়ুমলৈমা অমসুং ফৌওইবরী মখোয় মরিমকপু থৌদা শিনলমশিং অদু শিনতোকপীরগে হায়দুনা কৌথোকলমই। মমোম লাংলেন মখোয় মরিমক অদু লাইনিংথৌ সোরারেনগী য়াৱা অদু তাবদা লাইনিংথৌগী মমাংদা খুরু লৈশাদুনা লৈরম্মী। ননাই ঐখোয় মরিমকপু য়াৱা পাওহংলকপদি করি তাকপিগদবা ওইরবনো হায়দুনা হংগৎচরকই। লাইনিংথৌ সোরেরেন্না তারবদা ইচাশা নখোয় মরিবু ইপানা কৌবদি অতৈ করিগীসু নৎতে তাইবঙ পানবশিং অসি শেন্বা লোইখ্রে। হয়েং তাইবঙনা চানবা চিঞ্জাম পুথোকউ হায়রবদি তাইবঙনা মশিং হেল্লি, চিঞ্জাক্লা মশিং ৱাৎলিদো। ইমোম ফৌওইবী নংহাক্লা লোইমোম ফৌরম ১০৮ সুনা পুথোক্তুনা অমাং-অতা লৈতনবা ফৌকৌরোল সুনা শেন্মুগদবনি। নথন্তা শেমগদবা নত্তেয়ে ফৌওইবী, কেগে মোইরাং লৈবাক্তা ইসু ইবুংঙো অকোংচাম্বা হায়দুনা থৌরম অসি পাঙনবা ঙাইদুনা লৈরমগনি। মহাক্না নখোয় অনি পুন্না থৌরম অসি পাঙগদবনিকো ফৌওইবী। হায়রিবা তম্বা নিপা অদুগা নখোয় অনি পুন্সি খৈয়োম লৈপুন্নিকো কাওগনুকো ফৌওইবী। মসি হায় হায়দুনা পুন্সিগী মতোন লোম্বদি য়ারোইএ। নোংমতং ওইরবসু লৈমিন্নবা তাইয়ে ফৌওইবী। নখোয় অনিনা পুন্না উন্নগদবা লমলেন্দি তোবর্বুং হায়বা লমলেন অদু উন্নগদবনি। চুংশাং নোংলেন হনবগী থোইদিংজান্বীনা নাওপুদুনা থৌরম অসিগীদমক তাইবঙদা পোকখ্রবনি। নংবু ঙাইদুনা লৈরমগনি অদুনা মাইকৈ অদোমদা খোংশাল্লুকো ইমোম ইবেন্মা ফৌওইবী। নমোম লাংলেন ফৌওইবীনা নুংঙাইরেদা ইপা সোরারেনগী থৌশিন মতুং ইন্দুনা চৎচগে হায়দুনা খুরুমজৈ। চৎলো চৎলো ফৌওইবী নহাক্ক থৌশিল তৌজরুরো। মতাং অসিদা সোরারেন্না মমোম লাংলেন ইরৈমদা য়েংদনা অমুক থৌশিনবীরকলম্মী, ইমোম ইবেন্মা

ইরৈমা নংনা চৎকন্দবদি তুরৈ-তুশাং পুন্নমক ফানবা শেম্মুকো। নথৌদাংনি শোইবা য়াদেকো। তাইবঙবু ৱাহলগনুকো। ইরৈমা মমোম্না খুম্মী ইপা সোরারেনগী য়াৱা অসিবু সোইফদবা লাইপাউনে থৌরম থৌদা পুন্নমক অসি পাংজগে ননাই ঐ চৎচরগে লাইনিংথৌ। চৎলো চৎলো ইমোম ইবেম্মা ইরৈমা নথৌ পুন্নমক কাওবা লৈতনা পাংজরুরো। য়াৱা অসি তাবদা ইরৈমনা লাইনিংথৌবু পুনেমজৈ অমসুং থৌরম পাংবা চৎচখি। লাইনিংথৌ সোরারেন্না মমোম লাংলেন ঙারৈমা য়েংদুনা অমুক পাওহনবীরকখি, - ঙারৈমা নংনা ঙারম ১০৮ অসি সুনবা শেমগদবনি। তাইবঙ ইচাশিং অসি ৱাহনবা য়াদেকো। লাইনিংথৌ সোরারেন ঐহাক্কী থৌশিন্নিদো। হয়েং তাইবঙনা নঙোন্দা ৱারৌলক্কনি। ইপা ইবুংঙো নংগী থৌশিন অসিবু অসুম্না শিনবীবরা হায়খিনি। চৎলু চৎলু ঙারৈমা নংগী নথৌ পাংথোকচরুরো। ঙারৈমনা ইপা ইবুংঙো থৌজান য়াথং পুন্নমক পুদুনা খোইয়ুমগী থৌশিন পুন্নমক পাংজরগেকো লাইনিংথৌ। অরোইবা ওইনা মমোম লাংলেন ওইনা মমোম লাংলেন থুমলৈমবু য়েংদুনা ইপা সোরারেন্না পাওহংলকখি, - থুমলৈমা নংনা থুমখোং লাইরেম্বী ওইদুনা তাইবঙগী থুমখোং লৈফু ফাৎ লম্বা থুম্বং কাদে, তাইবঙ চীঙ্গাক কোন্নদে অদুনা কোন্ননবা শেম্বা চৎলু। থুমখোং লাইরেম্বীনা ইপা ইবুংঙো লাইনিংথৌ সোরারেনগী থৌজাল নয়াথং পুন্নমক পুদুনা থোকচরগে। থৌরম মতোন লোমজগে খুয়া খাদা পুনেমজরি। য়াৱা পুন্নমকশিং অসি পুক্নেন পাওমেন্নবা লোইরবদা মমোম লাংলেন ফৌওইবীনা ননাই ঐখোয় মরিমক তাইবঙগী থৌশিন চৎচরগে লাইনিংথৌ। লাইনিংথৌ সোরারেন্না চৎলো চৎলো ইমোম পুন্নমক নখোয় নখোয়গী থৌরম পুন্নমক লোইনা পাংজরুরো। মসিদা মখোয় মরিমক পুন্না লাইনংথৌ সোরারেনবু পুনেমজদুনা চৎখিরম্মী। মখোয় মরিমক লাইনিংথৌদগী খর চৎথোক্লগা ফৌওইবীনা মচিন মনাও অহুম্মক্তা হায়রকই, - ইশানৌ ইচিন-ইনাও অহুম্মক ঐখোয় ঐখোয়গী থৌরম থৌদা অসি অমত্তা পুনদে অদুবু পুননা সুমিন্নশিরা নত্রগা নংগী ঐগী ইথৌ ওইনা থৌসুবা চৎমিন্নশিরা করি পাম্বগে হায়যুদনা ইচিন ইনাও অহুম্মক ? মতাংসিদা লাইরেম্বী মতা অহুম্মক্না খুল্লকই, - মলেম অসি কোইনা চৎতুনা থেংনা থেংনবদা থৌশিল্লমসি পুন্না চৎপনা পাম্মি। মখোয় অহুমগী মপাও তাবদা ফৌওইবীনা খুন্নক্লমই, - অদু ওইরবদি ইনাওশা হরম নোংপোক কেগে মোইরাং লৈবাক্কী লম্লেন তোবর্বুংদা ওইনা হান্না

থৌশিন হৌরসি নখোয় অহুম্মক য়ারবরা ? ফৌওইবী য়াব্রা অসি তাবদা মচিন মনাও অহুম্মক্লা য়ারে য়ারে হায়দনা খুল্লক্লম্মী। ইরৈমনা মমায় নোংপোক ওল্লগা হি করিনো য়াম্না লাউবা খোংবগী মখোনজেন অমা তায় হায়দুনা খুল্লক্লমই। মতাং অসিদা ফৌওইবীনা খুল্লক্লম্মী, - কৈসু নৎতে ইরৈমা মাঙ অসিদা লোক অমা লৈরমানে, - ইথিন-ইরাওখোন্নিগী মখোলনি ইনাওশা। মতাং অসিদা লাইরেন্বী অহুম্না ঐখোয় মরি লানবা ঙম্মরোই ইচেম্মা ইথিল কনমল্লে, নোংচুপ মাইকৈদা ওইনা হল্লগে। মতাংসিদা ফৌওইবীনা করি ব্রানো ইনাওশা, লোক মচাশিবু কিবরা ? মনাও ইরৈমা য়েংদুনা ফৌওইবীনা হায়রকই, - ইনাও ইরৈমা নংদি ঈশিংগী মমানি অদুনা নংনা মমাং থাদুনা লানসিকো। ইরৈমনা মচেম ফৌওইবীদা য়েংদুনা হঙ্গৎচরকই, - ননাই ঐদি ঙমজরোই ব্রায়েল লাইপাউতা লাউবনি ঈশিংদি ঐহাক য়াম্না কিজে। মতাং অসিদা ফৌওইবীনা মনাও ঙারৈমা য়েংদুনা হায়রকই, - ঙারৈমা নংসু ঈশিংগী মমানি, নং ওইনা মাং থাদুনা লাল্লসি, মচেম ফৌওইবী য়েংদুনা ঙারৈমনা খুল্লকই, - ঐহাকসু লানবা ঙমজরোই থৌদা ব্রায়েন্দবু লাউথোকপনি, ঈশিংদি ঐহাকসু য়াম্না কিজে ইচেম্মা। ফৌওইবীনা নাও থুমলৈমা য়েংদুনা অমুক হায়রকই, - থুমলৈমা নংনা মাং থাদুনা ঈশিং অসি লাল্লসিরা থুমলৈমনা মচেম ফৌওইবী য়েংদুনা হঙ্গৎচরকই, - ঐহাকসু লানবা ঙমজরোই ইচেম্মা। ইচেন্দা হৈজদে মালেমলৈফুদা পেরে হুনবনি, ঐহাক্তি লানবা সুকঙম ঙমজরোই। মচেম ফৌওইবীনা ঙাইহাক ব্রাখল তৌরগা মনাওশিংদা য়েংদুনা হায়রকই, - অদু ওইরবদি ইনাওশা লাইপাউদি কায়বা য়াদে অদুনা ঐহাক্তি হারম নোংপোক্তা থোকলগে নখোয় নচিন ননাও অহুমদি করি খল্লি? ইরৈমনা খুল্লকই, - ঐখোয় অহুমদি নোংচুপ্তা ওইনা হল্লগে অদুবু শমজি খাইনরসি। মতাংসিদা ফৌওইবীনা মনাও অহুমদা য়েংদুনা খুল্লকই, - চৎলো চৎলো ইশানৌ ইবেম্মা নখোয় অহুম, ঐদি লৈহৌজরগে। ফগনি ইচেম্মা থৌরম শিন্থা পুম্নমক পাংজরুরো, ঐখোয় অহুমদি নোংচুপ লোমদা ওইনা হনখ্রগে। ফৌওইবীনা মমাংগী চীংগী লোক অদুবু য়েংলদুনা লোক নংগী ইথিনইনাও অহুমগা ঐহাক্কা খাইনরেদো। ঐগী ইপা সোরারেন্না তাকপীবা লাইপাউনি অদুনা নংগী ইথিন ইরৈ কিবা য়াদেদো অমসুংলান্দমদি য়াদে, ঐহাক লানবা তারে। পুম্নমকশিং অসি ইপা ইবুংঙো সোরারেন নহাক্কা থৌজাল পীনবীয়ু হায়দুনা ফৌওইবীনা ইচেল অদু লাম্থোক্লে। লোক নংদি কৈসু তৌদে অদুনা

নংগী ইথিন ঈরৈদনা কনবা ওইরে। নংগী ইথিন তাবদা ইনাও অহুম্মক কিদুনা লৈহৌরে। লোক নংগী নমিংদি ঙসিদগী ঈরৈলোক হায়না থোল্লম্লগেকো ফৌওইবী ঐহাক্লা। ফৌওইবী ঐহাক্লা লোইবী চীংশাং অসিবু অসুম অসুম লান্দুনা লাকপনা চীংশাংশিং অদু চীংখমখরে তমপাক লমদম য়ৌরক্লেদো। মালেমদি তাগদৌরে অদুবু ফৌওইবী ঐনা ঙসিদি কদায়দা চংদুনা ফাইসিগে হায়দুনা খল্লক্লে। চীংশাং অসিগী চীংখোংদা খুল অমা লৈবদি উরম্মি। ম্নসিগী উরিবা খুল অসিদা ওইনা চংদুনা ফাইরগে খল্লম্মি। মতম অদুদা খুল অদুদগী চকপা খুল ওইরম্বনা চকপা নিপা অহুম (৩) মখোয়গী মখুন্দগী থোরকপা উরম্মি। ফৌওইবীনা চকপা নিপা অহুম অদুদা ইচাশা ইমা ৱা অমত্তা হায়জগে। চকপা নিপা অদুনা অহল ওইরবী অদুগী ৱা অদু তাবদা খুল্লকই, - ইমা করি ৱা তাকপীগদবা, - ঙসি অহিং অসিমদি নখোয়গী খুল অসিদা খরা ফাইদুনা লৈগে হায়ববু য়াগদ্রা য়ারোইদ্রা ইচাশা ? অমুক্তা খুন্মু কৈদৌবগে ইচাশা। মমা ওইবী অহল অদুগী ৱা অদু তাবদা চকপা নিপা অহুম অদুনা খুল্লকই, - করি য়াদনি ইমা, ইনাওনিপা অনিসিগী য়ুমদা ওইনা ফাইগেরে নত্রগা ঐহাক্কী য়ুমদা ওইনা ফাইগেরা, ইমানা চংনিংবদা খল্লু। অহল ওইরবী ফৌওইবীনা খুল্লকই, - ইমাদি নখোয়গী নয়ুমদা চংলরোই নখোয়গী খুল অসিদা উমং লৈহৌ- লৈতরা ? উমং লৈহৌ অদুদা ওইনা ফাইগে। মতম অদুদা চকপা খুলদগী হনুবা নিপা অমা থোক্লকই। চকপা খুল অদুগী হনুবা নিপা অদুনা হংলকই, - ইচাশা, ইশুশা, নখোয় অহুম্না ঙাংনরিবা ৱা অদুবু করি করি হায়নরিবনো? চকপা নিপা অহুম অদুনা খুল্লকই, - ইপু, ইমা অসি চীংদগীনি হায়য়ে, ঐখোয় খুল অসিদা অহিং অমত্তা ফাইগে হায়য়ে, হায়না খুন্মী। ইনাওশিংসিদা ওইনা ফাইগেরা নত্রগা ঐহাক্কী য়ুমদা ওইনা ফাইগেরা হায়ববু নখোয় নখোয়গী য়ুমদদি চংনিংদে উমং লৈহৌ লৈবরা হায়দুনা অসুম ঙাংনবনি। চকপা নিপাশিংগী ৱা অদু তাবদা হনুবা অদুনা ইচানুপী নচাশিংগী ময়ুমদা চংনিংদ্রবসু ইপাগী য়ুমদা ওইনা ফাইরুরসি ইচাবু করি চানিংবগে ? ফৌওইবীনা খুল্লকই, - ইপা ঐদি মীগী ময়ূমদা ফাইরুবা য়াদে। চকপা হনুবনা হংঙি, - করিগীনো ইচানুপী তাইবঙগী য়ুমদা চংবা য়াদে হায়বসিবু খোইয়ুল্লা ? নতিক নয়াইসু লৈ ইবেম্মা ? ফৌওইবীনা খুল্লকই, - ইপা ঐ খোইয়ুম নৎতে, মপুগী যৌশিল অমা ননাই ঐহাক্লা পুরিয়ে মরম অদুনা ননাই ঐহাক তাইবঙগী ওইবা য়ুমদা চংবা য়াদে অদুনা উমং লৈহৌ লৈরবদি

৫

লৈহৌ লৈবা অদুদা ওইনা ফাইগে। মতম অদুদা চকপা খুলগী হনুবা অদুনা খুন্নক্লম্মী, - ইপানা লৈরিবা অদুগী মমাং থংবদা ঈবুধৌ লোইনাই অসুপ্পগী ওইবা খুভম অমা লৈ, মফম অদুদা ওইনা নঙ ফাইয়ু, ইপাগা পুন্না চংমিন্নরসি, ইচাগী চানবা লৈত্রবসু ইপানা লোইনা পীগনি। ফৌওইবীনা মপা মানবদা য়েংদুনা খুন্নকই, - ইপা ঐগী হায়দুনা করিসু ব্রাংতে, লোইনা সুনবা য়াওরকই, ঐনা ফাইনবা মফম অদুদা তাকপীরম্মু। য়াব্রা অসি তাবদা চকপা অহল অদুনা হায়রক্লম্মী, - অদুদি ইমোম মানবী চৎলসি। নঙনা ফাইদুনা লৈগদবা ইকোল অদুদি মমাংদা উরিবা অসিনি, নঙ মফম অসিদা চংলগা ফাইহৌরো, ইপা চৎলগে হায়না তাকপীরম্মী। ফৌওইবী অদু মফম অদুগী ইকোল অদুদা অহিং অমা লেল্লে। নোংসু ঙানগদবা মতমসু য়াল্লক্ত্রে। ফৌওইবীনা নোংঙাল্লমদাইদা চকপা খুলগী অহল অদুবু হৌদোক্লক্লে, - তুমিন্না চৎখ্রবদি নুংঙাইহৌররোই হায়দুনা। ফৌওইবীনা চিনগোই পাওমেন্নরমখিগে খল্লদুনা, - ইপা হৌগৎলো, ঐনা চৎত্রিঙৈদা য়াব্রা পাও অমত্তং তমজরমগে। মতম অদুদা চকপা খুলগী অহল অদুনা হৌগৎলক্লগা - করি ইচানুপী! ইনুংসোরা ঙানদ্রি নহাক নুপী মচানি শাথেং-লাম্থেংনগনি, তিনমু-লাইমু ময়াম অমা থেংনগনি ? ইনুং সোরা ঙাল্লগা ওইনা চৎলু ! মতাং অসিদা মচানুপী ফৌওইবীনা খুন্নক্লম্মি, - ইপা ! ঐদি চৎকদবা লমদম অসি য়াম্না তাম্মী, কেগে মোইরাং য়ৌগদবনি অদুনা কীবা য়াদে, মপু মহাক্লা ঐবু ঙাইদুনা লৈরম্লগনি, অদুবু ইপা ঐহাক ব্রা অমা হঙ্গে, নখোয়গী খুলসে চকপা কৌবসিবু মমিং চুম্বরা ? চকপা খুলগী তোঞ্জাও হনুবনা খুন্নকই, - চুম্মী, ইচানুপী ঐখোয়গী খুল অসি চকপা হায়না কৌই, ফৌওইবীনা অমুক মখা তারক্লম্মি, - ইপা ঐহাক্লা মফম অসিদা অহিং অমা ফাইদুনা লৈরম্মী হায়বগী লম্লেন অসিগী মীঙ্খৈ অমা থোল্লমগে, ঐনা ফাইদুনা লৈ হায়বা খংননবা মফম অসিবু ঙসি কৌবা নুংদগী 'চকপা ফয়েং' অসুম হায়না থোল্লম্লগেকো ইপা। ফৌওইবী ঐনা মপু মহাক্কী থৌশিল অমা পুই হায়বগীদমক্তা খংননবা লোইমোম ফৌ মরু মরি থল্লমগে। নচানুপী ঐহাক্লা থল্লন্নিবা ফৌ অসিনা নখুঙ্গং অসি অমাং-অতা লৈতনা পানবা ওইহৌরে। ঐহাক চৎলগে ইপা। চকপা খুলগী অহল অদুনা খুন্নকই, - ইচানুপী ইপাবু ব্রারৌগনুকো চৎলো চৎলো ইপাদি অসুম লৈহৌরগে ? ফৌওইবীনা খুন্নকই, - চৎলে চৎলে ইপা। অসুম্না ফৌওইবী অদু কেগে মোইরাং পাংনা লাক্লমই, মতমদুদা চকপা খুলগী অহল অদুনা

খল্লম্মী 'ঐনা ঙসি তৌরিবা মতৌ অসিবু তাইবঙলা নত্রগা খোমলেন মঙলাল ওইবরা ঙকখরেদা। চকপা খুলগী অহল অদুনা মচানুপী মানবী ফৌওইবীনা চৎখিবা মাইকৈদুদা চিংনা চান্না য়েংদুনা লৈহৌই। মহাক্না চৎখিবদু থাংমৈ থানবগী মওং ওইনা চৎখিবদু শঙশঙনা য়েংদুনা লৈহৌই। ঙাইহাক চকপা খুলগী অহল অদু তরং চৎলুবগী তুংদা মখোল থোক্না মপী তাদুনা কপ্পি অমসুং ইবেম্মা নংদি মনু তাইবঙ ওইরমদ্রে, খোইয়ুম লাইনিকো। অশেংবা অমত্তা পাওদম্লমদেদা অহল ওইরবা ঐনা থৌনিহৌগদববু। চকপা খুলগী অহল অদু মথাই য়াম্না নুংঙাইতনা মহাক্কী ময়ুমদা হঞ্জিনখিরম্মী। অশোমদনা ফৌওইবী অদু তোবর্বুং লমজাও য়ৌখিরম্মী। ফৌওইবীনা পাইমা পীবুক্লুংদা খল্লক্লম্মি, - ইপা সোরারেন্না য়াৰা তাকপিরকপা তোবর্বুং লমজাও হায়বদো মফম অসি ওইবা তারে। মফম অসিদা ইথংলেন মাঞ্জা খৈয়োম মোইরাং অকোংজাম্বদো থেংননি হায়না তাকপিরকই। ঙসিদি মফম অসিদা ওইনা ঙাইরগে ফনা নুংশাংলকয়ে। লোইবী চীংদা লাকপসে অৰা হুইশোক লাংলে, লাইজ-ইপাল লাংগে, ৰাংলেন খরদং ঙাইখিগে। অসোমদনা কমদৌরি মপারি অকোংজাম্বনা পালেম ইমাদা ঙসিদি কেগে তোবর্বুংদা য়ারৌ শা তানবা চৎলুখিগে হায়দুনা হঙ্গৎলি। অপোকপা লাইদা পুন্সি থৌনিগে, পালেম অসুম লৈবীরম্মু। য়াৰা অসি তাবদা মমা থোইদিংজাম্বীনা মপারি য়েংদুনা হায়রকই, - পীর ইবুংঙো নংনা খনবা থৌরম থৌদাশিং অদু অমত্তা কাইদনা পাংজরুরো। পালেম মমাগী য়াৰা অসি তাবদা মপারি অকোংজাম্বনা লাংগোই শাগোল তোংলদুনা তোবর্বুং লমজাওদা য়ারৌ শা তাল্লুগে হায়দুনা শিংগল, লাংগল মরক্তা য়ারৌ শা তাল্লক্লে। অশোমদনা মমোম ফৌওইবীনা চীংহি শমবাল লাংলুবগী লোইবী চীংমায় অৰাংবদা কাখৎলগা নুংশা ফৌরগা ইশম অসি কংহনগে তাইবঙ কনাসু উদে, নহা ওইবীগী চেংলৌ শকফম অসি পুথোক্কুনা ইশম হাৎতুনা লৈরি। অশোমদনা অকোংজাম্বা অদু লোইবী শিংগল্লক্তা মমাই নোংচুপ ওল্লক্লম্মী। করি মতৌনো ঙসি তৌরিবসিবু লোইবী অৰাংবদা অনি অহুমসুবসু উদে, চনু নিংঙোল অমা মথন্তা য়াম্না কেনা মৌনা লৈরিবসে। মসিদি তাইবঙ মীদি ওইরোই, খোইয়ুম লাইরা ? ঐহাকপু চংসিরা নত্রগা কীশিরা ? লাংগোই শাগোল মথক্তা তাংজ লুরেল লুকখিরম্মী অকোংজাম্বদো। অসোমদনা ফৌওইবীদু মশাম অদু হাৎপা লোইরে অমসুং ইপা সোরারেন্না পীবা

लाइपाও अসিবু শোয়বা তারবরা ? ঐগী ইবুংঙো অকোংজাম্বা হায়বদু লাকত্রেন্ত ঐবু মালেমগী থৌশিল চৎপনা চুম্মবরা ? ফৌওইবী অদু মমাই লৈথোক্লকই, - হি তাইবঙ অমা উরেনা, ঐহাক্কী ইওং ইতৌসি মহাক্না উরম্বা তারে। মানা লুরেন লুকথরিঙৈদা, ঐহাক্কী ইশক অসি হাওনুপী ওইনা ওনথোক্লগে। ফৌওইবী অদু হাওনুবী অমা ওইনা ওনখিরম্মী। অকোংজাম্বনা তাংজ লুরেল অদু হায়গৎতুনা য়েংলকপদদি ঙসাইদি লৈশাবী ওইদুনা লৈহৌই অদুবু ঐনা ইরাই থাংগৎলকপদদি হনুমালে কারম্মে। মসি সোইদনা খোয়য়ুম লাই ওইবা তারে ঐ কিররোই চংলগে চিনগোই মপাউ হংঙুরগে। হা -ইমা নংবু কনানো, মফম অসিদা করি তৌরিবনো, হায়দুনা অকোংজাম্বনা চিংগোইরক্লম্মি। য়াৱা অসি তাবদা ফৌওইবীনা খুন্নক্লম্মি, - ইচানুপা ইমাদি লৌ য়ানগে লাকপনে, কোরৌ মৈশা কন্নন্দুনা লাইজা ইপাল লাংঙম্বনি। অকোংজাম্বনা ৱাহংলক্লম্মি, - হা ইমা নংবু তাইবঙ ওইরবা নত্রগা খোইয়ুম লাইবু ওইবরা সেংনা য়াৱা চিংগোইরম্মু। ফৌওইবীনা করি য়াৱানো ইচানুপা, মীবু লাইরা হায়বসিবু। ঐদি তাইবঙ মীনি। অকোংজাম্বনা ইমা ঐদি থাজদেবো। অহানবদদি ঐনা উবদা নৱা চনু নিংঙোল অমা ওইনা উই। ঐনা তাংজ লুরেল লুক্লিঙৈদা অদুগা তাংজ লুরেল অদু হায়গৎতুনা য়েংবদদি হনুবী ওইরম্মে। অদুনা ইমা নংসে খোইয়ুম লাই ওইবা তাই। ফৌওইবীনা খুন্নকই, - করি য়াৱানো ইচানুপা, মীবু লাইরা হায়বসি ঐহাক্তি য়াম্না নোকচনিংঙিদা। অদুদি ইমা ৱা হঙ্গে নঙ মুন্না তাওকো। তাকপিয়ু ইমা নঙবু কদাইদগী লাকপনো ? নমিংনা করি কৌই ? ঐঙোন্দা শেংনা খুম্মু। অকোংজাম্বনা মখা তারকই, - ঐহাক্তি মোইরাংদগীনে, চুংশাং লোংশেল হনবগী মপারি থোইদিংজাম্বীনা নাউপুরগা পোকপা মোইরাং অকোংজাম্বা হায়বদো ননাই ঐহাক্লি। ফৌওইবীনা অদু ওইরবদি ইবুংঙো নং ঐঙোন্দা ইমা হায়গনু ঐহাক ৱা হায়গে নঙ কীগনু ঐবু নংনা লাইরা হায়বদো চুম্মী ঐহাক লাইনি। মোইরাং লৈকাইসিদা অকোংজাম্বা হায়বসি কয়া শুই হায়বীয়ু ঐহাক তাজগে। অকোংজাম্বনা ইবেম্মা মোইরাং লৈকাইদা অকোংজাম্বা কৌবসি ঐহাক ইতোমতনি। য়াৱা অসি তাবদা ফৌওইবীনা হায়রকই, - ইবুংঙো লাইনিংথৌ সোরারেন্না ফৌওইবী ঐহাক্না মোইরাং অকোংজাম্বা নঙগা কোরৌ নোংমতা ওইরবসু লৈমিন্নৌ তাপীরকই। ঐখোয় অনিগী ওইবা নুংশি নুংঙোলগী ৱারীনা ফৌকৌরোল ওইয়ু, হুরানবনা, চিঙ্থিবনা, চিদেম্বীনা, চিশাংবীনা, ৱাহিনা, মুনুনা চিক্তনা

মাংখ্রবদা ইবান্নিগী মীঙ্খেনা শোঞ্জরগা তাইবঙ মীওইবগী অমাং অতাকপা পুন্নমকপু হঞ্জিল্লক্লবা ফৌকৌরোল পুথোক্লম্মু হায়দুনা ইপা লাইনিংথৌ সোরারেনগী য়াথং পুদুনা লাকপনি অদুগা নঙবু মফমসিদা থেংননি হায়রকই। নঙ করিমতা কীগনু ইবুংঙো। অকোংজাম্বনা নুংঙাইরেদা ইবেম্মা মপু মহাক্কী মতিক ময়াইবু পুদুনা তাইবঙ মীরক্তা মীথোই মীহেঞ্জৌ হায়দুনা নোংদম্বীরবোইরে ঐহাক্তি। অদু ওইরবদি ইবেম্মা নহাক্লা চীংনুং মানুংদা, নাপী শীংবী মরক্তা, নরেং শীংলেং মখোঙদা, য়াংগোইদনা লৈবা য়াররোইদো। অকোংজাম্বা ঐগী ইরাংয়াইদা অৱা লমহৌরসি চাক্লুবীয়ু, ললকুবীয়ু, মফম অসিদা অসুক ৱানা লৈবা হৌনদে। ফৌওইবীনা খুল্লকই, - ইবুংঙো অকোংজাম্বা ঙাইহাক্তা ঙাইখো, ঐনা হেক্তা চৎপা য়াদেদো। ঐদি খোইয়ুম লাইনিদো, তাইবঙ মীগী চাকচা, লিচৎ, শাজৎ, লমচৎ খঙদনদি য়েক্ল-মুক্লা লৈরল্লবদি মীরমলেন্দা অকায়বা ওইহৌগদবরা ? ইবুংঙো নঙবু কনা কনাগা লৈবগে ? শেংনা অমুক্তা য়াৱা অদু পাওদম্মুকো। অদুনা মরম ওইদুনা তাইবঙ পানবগী লমচৎ শাজৎ খংদনদি ফৌওইবী ঐ হেক চৎপা য়াদেকো। অকোংজাম্বনা খুল্লকই, - ইবেম্মা ঐগী ওইবা শরুক্তি নোংদমদ্রি, থাউদু য়ুল্লেপ তমজদ্রি, পালেম ইমাগা ঐগাতমক ওইনা লৈমিন্নৈ। ফৌওইবীনা হায়রকই, - অদু ওইরবদি ইবুংঙো ঙসিদি ঐহাক চৎপা য়াদরে। নঙ হান্না য়ুমদা হল্লুখো, হয়েং কৌবা নোংজগী নোংঙাল্লকপদগী নুমিৎ অমা তাবা ফাওবদা নঙবু পোকপী পালেম ইমানা চৎপা শাজৎ, ঙাংবা ৱাঙাং খোনফম, য়াহৌরকপদা করিনা ওইনা মথৌ ওইবগে ? লমচৎ পুন্নমক য়েংথোকপিরো অদুগা নমোম ওইবী ঐঙোন্দা হয়েংগী মথংদা (হাংচিৎ) পাউ অদু তম্বীরুলাও। য়াৱা অদু তারবা কান্দা ননাই ওইবী ঐহাক চংবা য়াগনি য়ারোই হায়বদু মতম অদুদা খংনরসিকো ইবুংঙো।

অকোংজাম্বনা মশানৌ য়েংদুনা খুল্লকই, - ইবেম্মনা তাকপিরিবা য়াৱা অসিবু করিনো, নঙনা মফম অসিদা লৈহৌরদি ঐহাক থাজবা ঙমদে ঐহাক্লা হয়েংগী মথংদা মফম অসিদা খোংলেংলকপদদি ইবেম্মা লৈবীরমগদবা মান্দে। ঐগা নঙগা শোয়দনা লৈরমগনি শারি ৱাশকনসি, ঈখৈ ৱাশক্লসি। মতাং অসিদা ফৌওইবীনা হায়রকই, - নুংশিদা ইবুংঙো ঈখৈনা খঙলসনু নঙ উনদ্রিমখৈ ঐহাক মফম অসিদগী চৎলম্মোই ঙাইদুনা লৈরমগে। অকোংজাম্বনা নুংঙাইরেদা ইবেম্মা হৌজিক্তি ঐহাক ইরাং য়াইদা

ফৌ ময়ামসি অদুনি। মপারী অকোংজাম্বা অদুনা খুল্লকই, - ইমা কয়াম কুইরে মহাক্লা নুংশাংখিবা তান্নবা ফংখিদরা ? পালেম মমা থোইদিংজাম্বীনা খুল্লকই, - ইবুংঙো নুংশাংখিদ্রি তান্নবা ফংখিগনি। য়াৱা অসি তাবদগী অকোংজাম্বনা য়াংগোই শগোল অদু তোংদুনা তাল্লক্লম্মি। খরা চৎলগা মী অমা চৎপা উরদুনা অকোংজাম্বনা খল্লকই, অদা চৎলিবী অসি লাইরেম্বী অদু ওইবা তারে হায়দুনা অকোংজাম্বা অদুনা মখোল থোক্লা কৌরক্লম্মি। মাংদা চৎলিবী ইবেম্মা করি লমদা পাংগদবনো ৱাংলেন ঙাইহাক্তদি ঙাইবীরম্মু। চিনগোই পাওমেন্নখিসি পাইমা হৱাওহল্লগা তাইবঙদা ঐহাকপু ৱাজহৌরো হায়দুনা হুন্দোক্লম্লগা চৎলগেরা, চৎখিবা য়ারোই ৱাংলেন ঙরইহাক্তংদি ঙাইবীখো। ফৌওইবীনা নুংশিদা ইবুংঙো নংনদি ঐঙোন্দা ঙাইখো হায়দুনা খাল্লিবা। নঙবু পোকপী পলেম নমাবু নুংশিদবদগী শারিখ্রেদো অদুনা ঐহাক্না লেপ্তুনা য়েংবা য়াদ্রেদো। য়াৱা মপাও অসি তাবদা অকোংজাম্বনা খুল্লকই, - য়াম্না থোইমল্লিদা ইবেম্মা, ঐনা ঙাইহাক্তা লেপখো হায়বসু য়াখিদ্রেদো। য়াঙ্গোই শগোল অসিবু য়াংনা থৌগৎতুনা মমাংদা থৎলগা ৱা খরা ঙাংনহৌগে খল্লদুনা শগোল অদু খুদুপ থাদুনা থৌগৎলক্লগা লাইরেম্বীগী মমাংদা থৎতুনা থম্মি। ইবেম্মা নঙবু ঐনা অসুক য়াম্না খামজবসিবু ঙাইহাক্তা ফাওবা লেপ্পিদবসে য়াম্না থোইমল্লিদা। ফরে নঙনা য়াদ্রবনিনা লেংবীখ্রো, তাইবঙ পুংদা য়াম্না ৱানা লৈগদবগী শরুকপুদি য়াইবি থৱাই হান্না অমুক্তা লৌবীরমখো। য়াৱা অসি তাবদা ইবেম্মা ফৌওইবীনা খুল্লক্লম্মি, - ইবুংঙো শাউবীগনু চীনগোই মপাও হান্না তমজখিগে। তম্মুদো ইবেম্মা, - পালেম নমাগী মওং মতৌ অদু য়াম্না ফজমন্দবদগী ৱাংলেন ঙাইহাক্তং ফাওবা লেপ্পরোই হায়না, য়েংখ্ররোই হায়দুনা শারিখ্রে, মরম অদুনা তৌবনি ইবুংঙো নঙনা ননাই ঐহাকপু থোইমল্লি লাউরকপদু ঐ লোইনা তাই য়াদবদগী লেপ্তুবনি। নঙনা ঐবু থোইমল্লি হায়রকপা লল্লেন অসিগী কোলোই মীংলেন্দি “লল্লেন থোইয়া” হায়না মীংগৌরল্লগে। লাইনিংথৌগী লাইপাউ অসিনা হয়েং তাইবঙপানবনা ফৌকৌরোল ওইয়ু হায়রকপা য়াৱা অদো ইবুংঙো নঙোন্দা শিন্নজরল্লগে। কাইরৈ অমুবীনে, লিক্লাই ময়োন চোংবনে, তেকপী অমনে, লৈশংনা লৈ ওইবা, তাওজিং হৈরাং মনম নুংশিবা হকচাংগী মহুৎশিন্দুনা ইশাগা চাং মান্নহল্লি হৈজাং হাপ্পা, মতম অদুদ নঙগী ঐগী থৌরম খিবিকপু শোন্দুনা ফৌ ঐবু কৌবা নুমিৎ অদুদা য়াওবা মীওই খুদিংদক চাবা ওক্লবা তরা চাক

থোংগদবনি। কোরৌ নুমিৎ অদুদা ৱামাং ঙাংবা য়াদে, চিঙ্থী করাম্বা য়াদে। মদুগী নুমিৎ অদুদা ফক মথক্তা লোইমোম ফৌ য়ৈরিঙৈদা, মশক উবা চংলকপা থৱাই পানবশিংদো মমিং পনবা য়াদে, পুক্লিং চংনা ফৌকৌরকপা ইবানিগী মিঙ্খেসি শোঞ্জবা তাইবঙ মীগী অমাং-অতা লোইমোম ফৌগী শরুকসে মতম অদুদা শিংবীগে। হন্দক মপোক অসিদা ঐনা তাইবঙদা লাকপসি নঙগী ঐগী শরুক নোংদম পন্দোল লোমদরে। মথংগী লাংওন্দা অমুক কৎথোক্কুনা তাইবঙ মপোক অমদা পুন্সি পন্থুংমিন্নরসি। হন্দক্তি নঙ ঐহাকপু শাওরনু। নঙনা মথংগী লাংওন্দুদা কেগে মোইরাং লৈপাক্তা ইবুংঙো নংগী নমীংদি ঐবু খাম্মী হায়বা খঙনবা পাখং খাম্বা হায়না পোকঅম্মু। ঐবুসু নঙনা থোইমল্লি হায়বদো অদুদগী লৌরদুনা থোইমনবী নুপী অমা ওইনা পোকচগে। নঙগী নমা ফত্তবী থোইদিংজাম্বীসে মাবু ঐনা নুংশিদবা তাইবঙনা খংজরসনু। হয়েং তাইবঙনা লৌদা থোইদিং পুখবা অদুসু ফৌথোক হল্লসনু। মানা ঐবু য়াম্না নুংশিখিদে হায়দুনা মোইরাং লৈপাক্তা মমিং পাম্বা হায়না পোল্লসনু। ননাই ঐবু পামবদগী মখ্বাই মাংসনু অদুদা লমন লোইনগে। নঙ লৈহৌরো ইবুংঙো সোরারেনগী য়াথং অদু পুদুনা মালেম শিনবা থুংনা থৌশিল চৎলুখিগে।

অকোংজাম্বনা খাম্বা য়াররোই খন্দুনা ইবেম্মা ফৌওইবী নঙনসু মপু মহাক্কি থৌশিল অদু পুদুনা চৎপিখ্রো। ননাই ঐসু তাইবঙ পুং অসিদা খরা ৱানা লাংওন অমুক ঙাইহৌরগে। য়াৱা অসি তাবদা ফৌওইবীনা খুল্লকই,- ঐহাক্তি মালেম শিনবা থুংনা চৎলুখিগে, হায়রমদুনা ফৌওইবীদো মৈরম পাংনা চৎখরে। অকোংজাম্বনা য়াম্না নুংঙাইতনা হন্না য়েংখিবদা হাওনুপী অমা ওইনা খোং অমা লান্দুনা চৎখিরম্মি। ফৌওইবী নঙনা হাওগী শক্তম অমা ওইদুনা লাল্লিবা পাৎ অদুগী মমিংদি 'হাওরম পাৎ' হায়না তাইবঙপানবনা খঙনহৌরসনু। ফৌওইবী ঐনা অসুম অসুম লাকপসে লম্লেন ফনা লাল্লক্কে। ঐনা মালেমদা চনু নিংঙোল ওইদুনা তরা চাকয়োম পুরকই। লোক অসিগী মপান্দা কাংসু চাখিগে, ঐনা নিংঙোল ওল্লকপা খোং নঙনা ঙসিদগী তাইবঙ পানবনা 'নিঙোলখোং' হায়না কৌরল্লগে। ঐনা কাংসু চারিবা খোং নঙগী কোলোই মিংলেন্দি 'কাংসুরবী খোং' অসুম হায়না থোল্লগেকো। ঙসিদি মতমসু থেংজিল্লক্কে অদুনা লম্লেন খুনবীদা পানবা সম্থোং নিংথৌনা লৈবা লম, ঈশিং চাইবীনা লৈবা লম, লাইৱাংবা সোরারেন্না লৈবা লম, মোংয়াম্বনা পানবা লম, পুম্নমকশিং অসি ওইদুনা

ঙসি অহিং অসিমদি খুনবীদা ফাইরাগে। মতম্না অসুম হৌখিবনা সোরা ঙাল্লক্লে। ফৌওইবী ঐ চৎতুনা মপুগী থৌরম শিন্থা পুন্নমক লোইনা শিন্দোক্লুরগে। ঐনা অসুম লাকপা অসিদা তোরৈ অমা লৈরম্মী। মফম অসিদি পাকইদা, চাউইদা, অথেল-অরুসু খংদে করম্নবু লানগনি মফম অসিদি। ৱাংমা অসিদা য়ারৌ শজি অমা শজিক চারি, মঙোন্দা ওইনা হংলগে। --হো য়ারৌ নঙবু তুরেল অসি কদায়দনা থেল্লি ? য়াৱা অসি তাবদা য়ারৌ শজি অদুনা খুম্লকই,- অৱাং থংবনা লুবনি, মখা থংবনা থেনবনি। য়াৱা অসি তাবদা ফৌওইবী অদু ইপাক অদু লানগে হায়দুনা ঈশিংদা কুমথরক্লম্মি। মতাং অসিদা লাইনিংথৌ সোরারেন্না মাংলে মাংলে করম্নো তাইবঙ থৌরমগীদমক্তা থাখিবা ইচাবু ইরাক্লদুনা শিবা তারে। চৎলু চৎলু ইবেম্মা পেদোন্নু খাম্মু মসিনা নৌ ওইদুনা খোং অসি নঙনা লানথোকউকো, পেদোন্নুনা ইবুংঙো সোরারেন ননাই ঐ চৎলে হায়রমলগা কোরৌ থক্তগী লাংথরক্লম্মি, ৱাংলেন ঙাইহাক্তদি ঙাইবীখো ইবেম্মা নঙনা খোং অসি লানবা ঙম্বা তুরেল নত্তে, ননাই ঐ লাকচরেদো। ফৌওইবীনা কনানো ঐবু খাল্লিবসে হায়দুনা অতোংবা মফম অমদা কাখৎতুনা লেপ্তুনা লৈরিঙৈদা পেদোন্নুনা মহাক্কি মনাক্তা থুংলরে। ইবেম্মা মাংদা উরিবা খোং অসিদি খোঙনা লানবা ঙম্বা নত্তেদো, শজিনা নঙোন্দা মীনম্বনি। য়াৱা অসি তাবদা ফৌওইবীনা শাওরদুনা শজি মাবু য়েংদুনা হায়রকই,- হো শজি নঙনা ঐঙোন্দা ওইদবা ৱা ঙাংবগী নঙনা হয়েং তমদা কুমদুনা ফৌ হেক চাবদা নয়া ৩০ (কুন্থ্রা) অদু লোইনা হেক কেল্লো। পেদোন্নুনা ইবেম্মা য়েংলদুনা হঙ্গৎচরকই,- ইবেম্মা নঙ কোংগ্রেং অসিদা ওইনা তোংবীয়ু ননাই ঐ লাম্থোকচগে। পেদোন্নুনা ফৌওইবী অদু মতৌ অসুম তৌনা লাম্থোকপীরক্লে। লৈঙোইদগী কাখৎপা ঙমদরে। নাউশেক পাইরকই কাবা ঙম্মরোই, ইবেম্মা নংবু ঐহাক্কী থবাক্তা নেৎপীয়ু মতৌ অসুম তৌদুনা নাওশেক্কি মথবাক্তা নেৎতুনা কাখৎলে। নাওশেক নঙগী নথবাক অসে ফৌওইবী ঐহাক্লা নেৎপনি খংনবা অকনবা মৈশা অমা পকউকো। য়াৱা অসি ফংবদগী নাওশেক অদু ঙসিগী তাইবঙনা চাবদা থবাক্কি শরুক্তুনা হেন্না শারিবদুনি কাওগনু। ঙসিগী মীরোলনা খঙগদবদি খাবী অমাইশিংখোং য়েৎপাশিংনা নাওশেক হায়বা চেক্লা মখল অসি চাবা ফৎতে মরমদি মহাক ফৌওইবীগী কাইদোং শা ওইবনিনা। পেদোন্নু নঙগী নমীংদি

12

লম্লোন লমদা চৎপা ফৌওইবী ঐবু নঙনা খাম্মি হায়বগী নমিং খান্বী লমচৎ কৌগে। হয়েং ফৌওইবী ঐবু তাইবঙনা ফৌকৌবা মতমদা নঙনা লকউকো। নঙনা ফৌচি মতোন্দা কাখৎতুনা নমাই অৱাং ওন্দুনা লেপ্পা মতমদা তাইবঙ পানবগী মীওইবশিংনা ফৌওইবী ঐ লাক্লে খংজরসনু। মফম অসিদা নঙনা ঐবু খাম্বগী নতিক নয়াই পুন্নমক ঙসিদি হাপলল্লগে। নখোয় লোইনা লৈহৌরোকো ইমা খোংশাল্লগে। ফৌওইবী লাইরেম্বীনা মালেম অসিগী মফম খুদিং থুংনা লোইমোম মখল মথেল পুন্নমক সুনা পুথোক্লল্লগা লাইনিংথৌ সোরারেনগী মশাইকোন্দা অমুক হঞ্জিনহনখি। মতাং অসিবু ঙসিগী তাইবঙ মীরোলনা লৌবুক্কী ফৌ কৌরোল হায়না লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংনা ময়েক লানা লাতম নুংদা খুৎয়েক তমদুনা থম্বীরম্মি।

২. কোৎ লাই খুরুম্বগী লাইরোল।

হে লাইনিংথৌ ও চুচাক চাহাও পোকপী, চইন মুলং পোকপী, চুচাক, হৌৱাই থাংপাক পোকপী, পান্নাও শিংনাও পোকপী, য়োইবু নঙবু তাইরিয়ে য়োইবু খোইয়ুম লাইরেম্মা। হোল্লিঙৈগী হোন্দুনা ঙমদবী, চাওইগী চাংদম ঙমদবী, লৈনুং ফাইব কোলাং লাশিনবী। শুগী য়াংগোই নুংদা য়াতারিবী য়োইবু নুংবু তাইরীয়ে। ফৌকৌ খোনবু তাবী, য়াংদৈ খোনবু কৌরিয়ে। ফৌকৌ য়াংগোনবু কৌরিয়ে, য়োইবু খোইমোম লাইরেম্বা। খুবাং চাংজৌ মঙানা উপনা চৈরোং ওইখিবা খাগী চদোন হায়বগুম হায়োনবী। মৌবী পোপ্তেক ফুব্বু ফুয়োনবী নরোই খুৎলং তোইহৌনা শাবা ফক শোইকু লাইৱানা শাবা করিংফক। ফক্লেন চরাই মথক্তা খাগী চৈ পৈবগুম পৈয়োন্বী তরা উমাই কোন্না খাংচি শাবীরো। খাগী চৈ পৈবগুম পৈরোন্বী থোংনা শেকপি য়াদথাং ময়া চাতরেৎ হুমফুমথোই পানবা থাংনা য়ৈত্রোই থাংগা হাইয়োন্বী ওইত্রোইশংগা খোন্বীরো য়েত্রোই থাংগা খোন্বীরো য়োইবু নঙবু কৌরিয়ে ফৌকৌ খোনবু তাবীও য়াংদৈ খোনবু কৌরিয়ে য়োইবু খোইয়ুম লাইরেম্মা। ফৌকৌ য়াংদৈ খোনবু কৌরিয়ে চেংবা চেংঙৌ হাপ্পুনা তাওজিং হৈজিং হাপচরি, ক্বা মতোন থোকপা, লৈশং তোলোম্বা, লফোই লফাং চংথোকপা, শিংয়েংকোন ওইকোন শীংপাক শীংদুম। চেংবা চেংঙৌ, য়োৎ খুনেৎ, শেল খুনেৎ, নাহৈফু, চেংবা চেংঙৌ, য়েরুম্না কাংখিন তল্লে, লাংথ্রেনা লৈরোং হুলগৎলে, অহুম অমনা হনথরে। য়াংকোক্তা চেংবা হাপচিল্লে, কম্বী, খোইজু লৈখাম, ফম্বা লাইফি শারেন কৎচরি। মরোই-মপাং, থুম-মোরোক, য়াইঙং, শরেংনে, ঙাতেন্নে, হৈরাং য়োইমোম্বু তাওজিং হৈরাংনচিংবা কৎচরি য়োইবু খোইমোম লাইরেম্মা। নঙবু কৌজবনি মরম মখা অয়াম্ববু সুদে হায়বিগনু। চীংঙু অঙম্বী, খোইয়ুম অচৌবী নতিক নয়াই থাদুনা ঙমদবী চীংঙু নঙগী নয়াইদি লাইজা ইরেল অচৌবগুম্বনি। চীংঙু নয়েক ফংঙম্মোই খৎদবা মপায়েং, উদবা মমি লাক্কুনা

খজিক্তং কৎচরিবনি। অদুঙৈদবু খোইয়ুম লাইরেম্মনা মুবা মচন্দা লনকুবিবগুম্না কুবিরম্মু, অদুঙৈদা মুবা মচন থিক্লাই তাওবীনা মথিং লাইরেম্মবু য়ুকৌঙৈদা মথিং লাইরেম্মনা লনকুবীবদি চীংশাং থন্না লনকুবিয়ে, চংবী লাকোন থন্না লনকুবিয়ো। হুইকোল, য়েনগোন, ষণগোল থন্নববু লনকুবিয়ো, কৈখুচা লনগৈচা থন্না লনকুবিয়ো। মুবা মচন থিক্লাই তাওবীনা য়াদে মথিং লাইরেম্মা নঙনা লনকুবিবদি কৈদৌনগনি। ওক্লোন, শঙ্গোল থনবসু শেঞ্জবা ঙম্মোই, চীংশাং থন্না ইংখোল পাৎ য়াম্না পীবসু লাইয়াম্নু ঙাকপা ঙমজরোই, কোরি শেনয়াম লোইজবসু ঙমজরোই, কৈদৌনগবনো হায়রবদা মথিং লাইরেম্মনা হংঙি খোইয়োয় ইতারোই ইঙমপনা মুবা মচন করিনো ? নঙনা নিরিবহি হংঙি মুবা মচন থিক্লাই তাওবিনা হায় তুবী নউল হুরমও লাইরেন নয়াং শীৎলমও হায়য়ে। মুবা মচল অদুদি হায়গনো তাংজা নত্তে ইকু হুফদে, লিলাং নত্তে ইয়াং শিৎফদে। অদু হায়রবদা মুবা মচন্না হায় ঐনা কৌজবা অসিবু পীবা ঙমদবা লাইবু কৈদৌনগনি চৎলো হায়রবদা। মথিং লাইরেম্মনা খল্লি খোইয়োম ইতারোই ইঙমপান মুবা মচনও চীংঙু ইহিমাংনা ঙাই ওইনসি। কুমজা খুদিংগী ওইনা ঙাই ওইনসি ইঙমপান মুবা মচন থিক্লাই তাউবীও। ফক্লেন চীরাই থারো খোইয়োম ওইনা ওল্লবদি অঙৌবা কোইচা য়েক্কুম য়েকও। অঙাংবা ওল্লবদি অঙাংবা কোইচা য়েকও মুনা ওল্লবদি অমুবা কোইচা য়েকও। মুবা মচন্দা লনকুবিয়ু, মুবা মচন্না নিংথৌফি লাইফি লাইয়েংগী মচুবু লৌদুনা খোয়জিখাদা য়েক্কুনা থমখিয়ে।

মতৌ অসুম তৌদুনা মমাংঙৈগী ইপা ইপুশিংনা পুয়াগী ওইবা লাতমদা কোৎলাই খুরুম্বগী লাইরোন অসি ময়েক সেংনা ইদুনা থম্লম্মি। মথক্কি ব্রারোলশিং অসিনি মীয়াম্না খংনরিবা কোৎলাই খরুম্বগী লাইরোল হায়বদুনি।

৩. লুৱাং পুতাংবনা সঙাই ওনখিবা

ৎঁ নহান নোং হৌরক লোনগী ৱারিনি। মতম অমদা লুৱাং সলাই অসি লান্তাক লানশিন্দুনা লৈরমই। মতম অদুদা অতিয়া করু সিদবীনা লুৱাং অসি শন্দবা য়াদে খল্লদুনা খোইয়ুম ময়াম্বু মহাক্কী সনা শঙ্গাইদা কৌদুনা ৱারেপ ৱাচান্নরম্মী। মতম অদুদগী হৌদনা লুৱাং সলাই অসি ইপা ইবুংঙো কৌব্রুনা শনখি। নোংমা নোংমা অসুম অসুম হৌজিল্লকপনা লুৱাংপুন্সিবদু মপারী অমা ফংজখি। মহাক্কী মপারী অসিগী কোলোই মীংলেনসি খোইয়ুম ময়াম পুন্না ৱারেপ ৱাচান্নদুনা 'লুৱাংপুতাংবা' অসুম হায়না মীংগৌনখি। লুৱাংপুন্সিবগী মপারি লুৱাংপুতাংবা অসি য়াম্না মকন্থি ফত্তবা অমদি ৱাখল য়াম্না থেনবা নুপা অমা ওইরক্লম্মি। লুৱাংপুতাংবনা ৱাখল তৌনা তৌনা অসুম লৈরকপনা চহি চা কয়া হৌজিনখ্রে। চহি চা কয়া হৌজিনখ্রবা মতুংদা নোংমা কোরৌ নুমিৎ অমদা অহল ওইরক্লবা লুৱাংপুতাংবা অসিনা ৱাখল অমা খন্দুনা মালেমদা য়ুম শাবা হৌদোক্লল্লগে হায়দুনা মহাক্কী তালোই ইবেম্মা লাইরৌরেম্বীবু কৌথোক্লম্মি। মপুরোইবা লুৱাংপুতাংবগী য়াৱা অদু তাবদা মশানৌ ইবেম্মা লাইরৌরেম্বীনা খুল্লক্লম্মি, - ইবুংঙো করি য়াৱা তাকপিগদবনো ? মশানৌগী য়াৱা অসি তাবদা লুৱাংপুতাংবনা হায়রকই, - ইশানৌ ইবেম্মা ঙসিদি সনা কোরি কৈথেলদা চত্তুনা হামৈ য়াকাবা হায়না কৌবা থাঙ অদু খরা লৈরুচো হায়দুনা তাকপীরকখি। য়াৱা অসি তাবদা মশানৌ ইবেম্মা লাইরৌরেম্বীদো সনা কৈথেলদা চৎখিরম্মি। মহাক্লা সনা কৈথেলদা 'হামৈ য়াকাবা' হায়বা থাঙ অসিবু য়াওবরা হায়দুনা থাঙ য়োনবীশিংদা মথং মথং হংদুনা য়েংবদা কনা অমত্তা য়াওই হায়না পাওখুল্লক্লমদে। কনা অমত্তনা য়াওই হায়নসু পাওখুল্লক্রবনা কোরৌ নুমিৎসু অসুম অসুম থেংজিল্লকপনে মসিনা ওইবা য়াররোই খন্দুনা মশানৌ লাইরৌরেম্বীদু ঙাইহাক ৱাখল অদু ফুংবংনৈ। ঙাইহাক কৈথেল মচি অদুদা লেপ্পবগী মতুংদা থাঙ য়োনবী অমদা

হায়রক্লন্মি, - ইমা 'হামৈ য়াকাবা' থাঙ অদু ফংদ্রবনিনা 'হাংমৈ খুদোঙ' অসি ওইনা লৌজরগে। ফরে ফরে ইবেন্মা নঙনা থিরিবা থাঙ অদু ফংদ্রবনিনা মসিগী থাঙ অসি ওইনা পুরো। মশানৌ লাইরৌরেন্বী অদুনা হাংমৈ খুদোঙ ওইনা লৈদুনা মোংবা মশাইকোনলোমদা খোংদোইরক্লন্মি। লাইরৌরেন্বীনা অসুম অসুম খোংদোইরকপনা মোংবা মশাইকোন অদু য়ৌশিল্লক্লন্মি। মশানৌ মবুংঙো লুৱাংপুতাংবা অদু মাঙ্গোল খেলজোংলাংদা ফমদুনা ঙাইদুনা লৈরন্মি। মশানৌনা ইবুংঙো অদুদা য়াৱা হঙ্গৎচরকই, - ইবুংঙোনা তাকপিবা হামৈ য়াকাবা হায়বা থাঙ অদুদি সনা কোরি কৈথেলদা থাঙ য়োনবীশিংদা হংজবদা কনা অমা ফাওবনা য়াওই হায়বীদ্রে অদুনা অফংবা হাংমৈ খুদোং অসি ওইনা লৈদুনা পুজরক্লবনি ইশানৌ। মশানৌগী য়াৱা অসি তাবদা লুৱাং পুতাংবা অদু ৱাখল থেনবা ওইদুনা মহাক্কী তালোই ইবেন্মা লাইরৌরেন্বীবু য়াম্না থিনা চৈরক্লন্মি। নুমিৎ অীসমদি কোরৌ নরাল চংলক্লন্বনিনা অহিং অসিমা পোত্থারে। ইনুং সোরা ঙাল্লক্লবদা লৱাং পুতাংবনা মহাক্কি মশানৌবু সনা কৈথেলদা অমুক 'শঙাই পন্থোক' হায়না কৌবা থাঙ অদু লৈরুচো হায়দুনা য়াৱা পাওদমখি। মশানৌগী য়াৱা অসি তাবদা সনা কৈথেল চৎননবা লাইরৌরেন্বীদো শেন্বা শাবা লোইখ্রে। অসুম্না সনা কোরি কৈথেলদা অমুক হন্না লাইরৌরেন্বীদো খোংদোইরক্লে। মহাক্না সনা কৈথেলগী থাঙ য়োনবীশিং অদু অমত্তা কাংদনা 'শঙাই পন্থোক' হায়বা থাঙ অসিবু য়াওবরা হায়দুনা পাওহংলকখি। অদুবু কনা অমত্তা থাঙ অসিবু য়াওই হায়দুনা য়াৱা খুন্বীরক্তে। কনা অমত্তনা য়াৱা অদু খুল্লক্ত্রবদা মহাক্না ঙাইহাক ৱাখল তৌরবগী মতুংদা মশানৌ থাঙ অদু লৈরক্ত্রে হায়দুনা শাওগদবগী শরুকপুদি 'শঙাই থাঙ' অসি ওইনা লৈদুনা পুখ্রগে খন্দুনা মহাক্না থাঙ অসি ওইনা লৈদুনা মশাইকোল্লোমদা হল্লক্লন্মি। লাইরৌরেন্বী অদু সনা কৈথেলদগী মশাইকোল্লোমদা অসুম অসুম খোংশাল্লকপনা মহাক্কী মশাইকোল অসি য়ৌরক্লে। মশাবী ইবুংঙো লুৱাং পুতাংবনা ফমদুনা লৈরিবা অদুদা চংশিন্দুনা হঙ্গৎচৈ, - ইবুংঙো নঙনা হায়বা থাঙ অদুদি সনা কৈথেলদা ফন্নিবী থাঙয়োনবী কনা অমত্তনা য়াওই হায়না পাওখুল্লক্তে। মসিনদি ওইবা য়াররোই খন্দুনা 'শঙাই থাঙ' অসি ওইনা লৈদুনা পুজরক্লবনি। মশানৌগী য়াৱা অসি তাবদা অহল ওইরবা লুৱাংপুতাংবা অসি ৱাখল খরা থেল্লবনে, অশাওবনা খম থেংলে। লুৱাংপুতাংবা অদু য়াম্না শাওনা শাওনা ৱাখল অমগা লোইননা 'শঙাই

থাঙ’ অদু পায়দুনা পৈয়া শিগে হায়দুনা ৱাখল অমা তৌরক্লন্মি। অদুবু অশাওবনা কন্মনখিদুনা মরম ওইরগা করিগুন্না ৱাখল অমত্তা তৌহৌদনা মহাক্না পাইরিবা ‘শঙাই থাঙ’ অদুগী মনম্না পৈয়া শিরুরে। মহাক্না ফনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা পৈয়া অদু মনম্না শিরুবদগী খাইবা য়াদ্রে। লুৱাং পুতাংবা অসি মকন্থি ফত্তবা অমদি য়াম্না ৱাখল থেনবা নুপা ওইদুনা অশাওবনা কন্মনখিদুনা থাঙ ফংই ওন্না তৈননা লৈরকই হায়দুনা মহাক্কী নুপী লাইরৌরেন্বীবু পৈয়া শিবা য়াদবা থাঙ ওইনা লৈদুনা পুরকই হায়দুনা য়াম্না থিনা ফুবিদুনা মহাক্কী মপামদা তান্থোকখিরন্মি। নোংমা নোংমগী অসুম অসুম্না খৎনবা চৈনবা হেল্লকপদগী লাইরৌরেন্বী অদুনা মহাক্কী মপুরোইবগী মরাল অসিবু উহল্লগে খন্দুনা লুৱাং শাগৈগী মী পুন্নমক লোইনা কৌরদুনা হায়রকই,- তাবীয়ুদো লুৱাং শাগৈগী ইপা ইপল, ইচিল ইনাও পুন্নমকশিং ঐগীদি ইরাল লৈজদবনি, ঐগী ইপুরোইবা লুৱাংপুতাংবা অসিনা ৱাখলদি তৌদনা থাঙগী মনম্না পৈয়া শিবদা শিবদি য়াদ্রগা লাইরৌরেন্বী ঐহাকপু ফন্দুনা লৈবা য়ারোই হায়দুনা ইপামদা তানবীরিবনি। লাইরৌরেন্বীগী য়াৱা অসিবু তাবদা লুৱাং শাগৈগী মীয়াম পুন্নমক্লা লুৱাংপুতাংবনা য়াম্না লাল্লি হায়নখি। অশাওবনা মমাং থাদুনা থৌরম কয়াবু পাংলুবা লুৱাংপুতাংবনা হন্না য়েংথরুবদদি মহাক্না পাইরিবা ‘শঙাই থাঙ’ অদুদি ময়াগা মনমগা ওন্না তৈননা পাইদুনা লৈরম্বা অদু থেংনরে। লুৱাং পুতাংবা অদু লুৱাং শাগৈগী মীয়াম অদুগী মমাংদা ইকাই ফিরুপ খুমখিরন্মি। লুৱাংপুতাংবা অদুনা য়াম্না ইকাইমনখ্রদুনা মহাক্কী মখুত্তা পাইরিবা থাঙ অদুবু সোরারেন্দা উৎতুনা অসুম্না হায়রকই,- তাবীয়ুদো, লাইনিংথৌ সোরারেন! অসুক পংলবা লুৱাংপুতাংবা ঐনা তাইবঙ পানবসিদা মী ওইনা হিংদুনা লৈগদবগী শরুকপুদি ননাই ঐহাক্কী ইখুৎতা পাইরিবা থাঙসিনা ইশা ইথন্তা ওইনা থিন্দুনা শিজরগে! ননাই তোল্লবা ঐহাকপু লাইনিংথৌ নঙনা থৌজানবিদুনা শঙাই কৌবা শা অমা ওইনা ওনহনবীয়ুকো। য়াৱা অসি হায়দুনা ইকাইমনখিদুনা লুৱাং শাগৈচাশিংগী মমাংদা লুৱাংপুতাংবনা মহাক্কী মখুৎতা পাইরিবা ‘শঙাই থাঙ’ অদুনা মশা মতোমতা মরাইবক্তা য়াঞ্জখি। মহাক্তি লাইগী মচানিনা লেম্না মাংবা য়াদবদগী শঙাই কৌবা য়ারৌ শা অদু খুদক্তা ওন্দুনা লৈখি। মতম অসিদা মহাক্কী মরাইবক্তা য়াঞ্জদুনা থমখিবা থাঙ অসিনা শঙাই কৌবা য়ারৌ শা অদুগী মচি ওইনা ওনখিরন্মি। মতৌ অসুম্না য়াম্না ইকাই নুংশি য়ান্নদুনা লুৱাং শাগৈগী মমাংদা অহল ওইরবা

লুৱাংপুতাংবা অসি শঙাই কৌবা য়ারৌ শা অসি ওন্দুনা লৈখি। মহাক্কী মতৌ অদু উবদা মফম অদুদা তিল্লম্লিবা লুৱাং শাগৈচাশিং অদু পুমঙক ঙকখিরম্মী মপুরোইবনা ইকাইবদগী শাঙাই কৌবা য়ারৌ শা ওনখিবা মতম অদুদা মহাক মশানৌ ইবেম্মা লাইরৌরেম্বীদি খোইজিখাদা মীতমদুনা লৈরম্মি (মীরোন্দুনা লৈরম্মি)। মশা ৱাই শংদ্রবী ইবেম্মা লাইরৌরেম্বীনা মমিংতগী পীরাং শিন্থদুনা মহাক্কী মপুরোইবা য়ারৌ শঙাই ওনখ্রবা অসিবু য়েংলদুনা হায়জখি, - হে নখোঙ মরি পাল্লবা শঙাই কৌবা য়ারৌ শা ওনখ্রবা ইবুংঙো ঐহাক্কী খোইজি থাদা মীতমদুনা থম্বীরম্বা নহাক্কী নচা অসিনা হয়েং তাইবঙ পানদা ফাওদ্রিবা ফাওবদংদি তোল্লবী ননাই ঐহাক্কী ইঙ্খোল অসিদগী হেন্দোক্তনা চাক্তাদুনা অসুম লৈবীযুকো। নহাক্কা ইঙ্খোল অসিবু থাদোক্তুনা চৎখ্রবদি হয়েং নচা অসিনা তাইবঙ পানবা অসিদা ফাওরক্লবা কান্দা মপা লৈতবা মচানি হায়দুনা তাইবঙ পানবনা নোক্লরগনি। লাইরৌরেম্বীগী য়াৱা অসি তাবদা মীনা ওখিবা শঙাই কৌবা য়ারৌ শা অদুনদি লোয়না খঙলম্মি। মহাক্কা ৱাদি ঙাংবা য়াদবনিনা মঙক হাইদুনা মহাক্কী মশানৌ লাইরৌরেম্বীনা হায়বা ৱা খুদিংমক লোইনা চুম্বনি খন্দুনা মঙক হাইদুনা য়াই হায়বদু উৎপীরম্মি। মতৌ অসুম তৌদুনা মীনা ওনখিবা শঙাই কৌবা য়ারৌ শা অদুনা মশানৌ ইবেম্মা লাইরৌরেম্বীগী ইঙ্খোলনুংদা চাক্তদুনা লৈখি। থৌদোকশিং অসি উবদা লুৱাং শাগৈগী মীয়াম পুম্নমকশিং অদু য়াম্না নুংঙাইতনা মমিংতা পীরাং শিন্থদুনা মশা মশাগী মরাংয়াইদা হল্লকখিরম্মি।

অসুম অসুম হৌখিদুনা মতম কৌবী লাইরেম্বী মহাক্কা পুরক্তুনা লাইরৌরেম্বীগী খোইজিখাদা নাওপুরিবা মীতম অদুসু তাইবঙ পানবা অসিদা ফাওরক্কে। মতম অসিদা মহাক্কী মপা লুৱাং পুতাংবদি য়ারৌ শা শঙাই ওনখিদুনা লৈখ্রবনিনা নুংশিরবা মচাগী মমিং অদু থোনবিবা ঙমখিদরে। কনানা তাইবঙ ফাওরক্লিবা অঙাং অসিগী মমিং থোনগনি খল্লিঙৈ মতম অসিদা মহাক্কী মপু লুৱাং পুন্সিবনা চংশিল্লক্তুনা মশুগী কোলোই মীংলেন্দি 'শেন্বা মীঙন্বা' অসুম হায়না মীংথোনবিখি। মতৌ অসুম্না নুংশিরবা মচাগী মমিং অদু মপুনা থোনখ্রবনিনা অঙাং অসিনা চৎপা চোংবা ঙমদ্রিবা ফাওবদি শঙাই কৌবা য়ারৌ শা অদুদি মীনা ওনখিবনিনা মচাবু নুংশিবা ফাওরদুনা অসুম অসুম মচাগী মনাক্তা লৈখি। নোংমা নোংমগী অসুম অসুম হৌজিনখিদুনা শেন্বা মীঙন্বা অদু চাওরদুনা কোয়না চৎতুনা

শান্নবা, চেনবা চোংবা ঙম্লক্লে। অঙাং অসিগী মমাংদা শঙাই কৌবা য়ারৌ শা অসিনা নুমিৎ খুদিংগী ওইনা মখোয়গী ইঙ্খোলদা শাজিক চাদুনা লৈবদু উরকলম্মি। মহাক্না নুমিৎ খুদিংগী ওইনা চংলকপদু উবদা পলেম মমাদা চংলক্তুনা য়াৱা চীঙ্গৈইরক্লম্মি, - ইমা ! ঐখোয়গী ইঙ্খোল মনুংসিদা নুমিৎ খুদিংগী শাজি অমনা শজিক চাদুনা লৈরিবসি ঐনা হাৎপা তারে। মচাগী য়াৱা অসি তাবদা পলেম মমা অদু মমিৎতগী মপী তাদুনা খাংখি। মমাদুনা মহাক্কী মচা অদুদা হাৎতনবা হায়দুনা য়াম্না খাল্লমখি অদুবু মহাক্কী মচা অসিনদি শা অসিবু মপানি হায়বা খঙদবনিনা নুমিৎ খুদিংগী ওইনা শঙাই অসিবু হাৎতোক্লগে হায়দুনা মমাদা হায়জখিরম্মী। অসুম্না মমা মচা অসি নুমিৎ শিংবু খরা নিংঙাই শংদনরকখি। নোংমদি লাইরৌরেম্বীনা মথাই য়াম্না নুংঙাইতনা মখুৎতা হুপনৌ খুদাপ অমা পায়দুনা শঙাই ওনখ্রবা মাগী মপুরোইবদা মমিৎতা মপি তাদুনা

হায়জরকখি, - হে ইবুংঙো লাইবক থিরবী ননাওনা হায়জবা য়াবিদুনা ঐগী খুত্তা পায়রিবা হুপনৌ খুদাপ অসিমা চাবিরগা ননাই ঐহাক্কী ইঙ্খোল চাইগোইনুংসি থাদোকপিরো। লমজাওকোন্দা ওইনা চাক্তাবিখ্রো। ঐনা হায়জরিবা য়াৱা অসিবু য়াদ্রবদি নোংমদি শোইদনা নচা অসিনা খংদদুনা নোংমদি মপাদা খুৎ থাদুনা লঙজবা হায়বদু থোক্লক্কনি। মশানৌ ইবেম্মা লাইরৌরেম্বীগী মপাওদু তাবদা মীরোল খংলবা শঙাইদুনা মমিত্তগী মপি তাদুনা হুপনৌ খুদাপ্তু চাখি। মহাক্না হুপনৌ অদু চাবা লাইরদুনা মহাক্কী নুপী অমসুং মচা অঙাংদুবু হন্না হন্না য়েংলম্লগা লমজাওকোন্দা ওইনা চাক্তাবা চৎখিরম্মি। কোরৌ নুমিৎ অদুদগী হৌদুনা শঙাই কৌবা য়ারৌ শাদু লাইরৌরেম্বীগী ইঙ্খোলদা চাক্তরকখিদ্রে। লমজাওকোন্দা ওইনা চাক্তাদুনা লৈখ্রে। নোংমা নোংমা অসুম অসুম হৌজিনখিদুনা লুৱাং পুতাংবগী মপারি 'শেম্বা মীঙম্বা' অদুসু পাখং ৱাই ৱাই ফাজিল্লক্লে। নোংমা কোরৌ নুমিৎ অমদা মপু ইবুংঙো লুৱাং লাইনিংহল পুন্সিবনা মানা তৌবা

তুরেল লুৱাংলি হায়বদু য়েংবা চৎলমই। মতম অদুদা তুরেলদু ঈশিং য়াম্না চাউরম্মি। ঈশিং অসিনা মকোন থুন্নদুনা লৈফম লৈত্রবা উচি মতৈ মনাও অনিনা উকক খরা ফাজিল্লদুনা ঈশিংদা তাউদুনা চৎলমই। মখোয়গী মতৌদু উবদা পুন্সিবনা নুংঙাইরদুনা মরম খরা হংখি। য়াৱা অসি তাবদা উচি লাবা অদুনা অসুম্না খুন্নকখি, - লুৱাং পুন্সিবা তোল্লবা ননাই ঐহাক্না তোংদুনা লাল্লিবা অসি ৱাকয়ৈ হি হায়বা অদুনি। তাইবঙনা হয়েং ৱারবা কান্দা মসিনা অৱাবা কোকপিরগদৌরিবনি। মখোয়গী য়াৱা অদু লুৱাং পুন্সিবা অদু য়াম্না পেনখিরম্মি। মহাক্না ৱাকয়ৈ হি শাদুনা শিজিন্নগে হায়না খনবা হৌরক্লে। পুকচেল চাওরবা লুৱাং পুন্সিবনা ঈশিং চাওবদগী লৈফম লৈত্রবা উচি মতৈ মনাও অনিদুবু মহাক্কি ময়ুমদা পুশিন্দুনা থম্বীখিরম্মি। নুমিৎ অসিদগী হৌদুনা লমদা লৈবা উচিনা তাইবঙ পানবনা লৈবা য়ুমদা লৈবা হৌরকখি। নোংমা অসুম অসুম হৌজিনখিদুনা লুৱাং পুন্সিবা অসি ৱাখল অমা খল্লক্লম্মি। ঙসি কৌবা নোং অসিদা পুন্সিবনা লুৱাং ঐহাক্কী ইচা ইশু ময়াম অসি পুদুনা ৱাকয়ৈ হি শানবা অচৌবা উ অমা থিবা চৎলম্মি। মখোয় ময়াম পুন্না অসুম অসুম লাকপনা কৌব্রুগী উকোন্দা চংদুনা অচৌবা অৱাংবা তালা উনিংথৌ অমা খল্লমই। মফম অদুদা লুৱাং লাইনিংহল পুন্সিবনা মহাক্কী মচা-মশু ময়াম অমা থাজিন্দুনা য়াম্না চাউ শাংখ্রবা তালা পামেল অচৌবা উনিংথৌ অদুবু য়ানবা হৌহল্লম্মি। মতম অদুদা তালা পামেল অদুবু য়ানবসি অঙকপা অমা ওইরম্মি। লুৱাং লাইনিংহল পুন্সিবগী মচা মশুনা হায়রিবা উজাও অসিদা শীংজঙনা হেক থারুবদা শীংজঙ অদুনা উ অদুদা চংউ হায়বা অমত্তা য়ারমদে। শীংজঙ অদু ওইনা ফন ফন লাওনা হেক হেক চোংথোক্লক্লম্মি। মফম অসিদা হৌরিবা তালা পামেল অচৌবা উনিংথৌ অসিদি অচম্বা উ পাম্বী অমা ওইরমদ্রে, লাইওইরবা উ অমা ওইরম্লেদো। হন্দক্কি কৌব্রুগী উমংদা হৌরল্লিবা তালা উনিংথৌ অসি মীনা ওনখিবা উনি, অচম্বা উ অমা নত্তে। উ অসিদি খোংজোমনুবী মতা তরুক্কী খ্বাইগী অহল ওইরবী নোংলেন লেনবীবনা পোকখিবা 'খোইরেন নহা শাফবা' হায়বা অঙাংদুনা ওনখিবনি। খোংজোমনুবী তরুক্না নোংমদোন কারকপা মতমদা খ্বাইগী মচে নোংলেন লৈনবী অসিদি লমখাংদা অঙাং অসি পোকখিবনি। অঙাং অসিনা হেক পোকপগা মীরোল থোকই লৌশিং লৈ। অঙাং অসিনা মাগী মপা কনানো হায়দুনা পলেম মমাদা হংলকখি। মতম অদুদা মমানা পাউখুম অমত্তা পীবা ঙমখিদে মরমদি মতাং অদুদা

খোংজোমনুবী তরুক্লা নুংশিনবা হাওকু পাখং তরুক অদুগা পুন্না মখোয়গা লোইনরক্তে। পলেম মমানা পাউখুম পীদ্রবদা অঙাংসিনা সোরারেন্দা য়েংলগা য়াৰা অসুম্না হায়জখি - 'হে লাইনিংথৌ সোরারেন, তাইবঙনা মপা মশক খঙদবা অঙাংনি হায়না নোক্লবিহৌরগদবগী শরুক্তি ননাই ঐবু মীওইপোক্তা লৈহনবিরগনু, উনিংথৌ হায়বা উ অমা ওইনা পোকহনবিরো' য়াৰা অসি হেক হায়বদা সোরারেনগী থৌজালনা অঙাং অসিনা তালা উনিংথৌ অমা ওন্দুনা কৌব্রুগী উকোন্দা ওইনা হৌহনখিবনি। মতৌ অসুম তৌদুনা ওনখিবা তালা পামেল উনিংথৌ অসিনি হন্দক লুৰাং পুন্সিবনা ৰাকয়ৈ হি অমা শানবা য়ানগে হায়দুনা তৌরুরিবসি। উ অসি হেক য়ানবা য়ারক্ত্রবদা লুৰাংপুন্সিবনা উনিংথৌ অসি য়েংলদুনা হায়রক্লম্মি - 'তাবীয়ুদো তালা উনিংথৌ নহাকসু নিংথৌনিদো, ননাই ঐহাকসু নিংথৌনিদো, ঐনা নঙবু য়ানগে তৌবদি লন্নাইগী ওইবা থবক অমা শিজিন্নগে তৌবা নত্তে। তাইবঙনা হয়েং অৰাবা তারবদা তেংবাংনবা ৰাকয়ৈ হি অমা শাগে তৌবনিদো, তালা পামেল নংনা তাইবঙগী কান্নবা থবক তৌবিরমগে হায়দুনা নিংলবদি লুৰাং পুন্সিবা ঐনা য়ানবসিদা য়াবিয়ুদো' য়াৰা অসি তাবদা তালা পামেল উনিংথৌনা মথম্মোইদা হরাও হরাও য়াজরকখি। হয়েং তাইবঙ পানবনা অৰাবা তারবা কান্দা থবক ওইনা শীজিন্ননবনি হায়বা ৰা অদু হেক তাবদা শীংজঙ অদুনা উ অদুদা হেক থাবদা চৎখিদ্রবা উ অদু ইখঙ খঙহৌদনা পাইদুনা চৎখ্রে। উ অমা পাইখ্রে হায়দুনা লুৰাং লাইনিংহল পুন্সিবগী মচা মনাইশিং অদুনা উ অদুনা পাইখিবা মাইকৈ অদোমদা ওন্দুনা তান্নরক্লম্মি। মরৌ য়াম্না চাওবা উ অদুনা অসুম অসুম পাইরকপনা লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবগী সুমাংময়াইদা ওইনা তারক্লম্মি। উ অদুগী মওং মতৌ অদু উবদা লুৰাং শাগৈগী মচা-মশুশিং অমদি মীয়াম পুম্না ইঙক-ঙক্লরম্মি। মতম অদুদা অহল মতম ওইরবা লুৰাং লাইনিংহল পুন্সিবনা য়াৰা অমা চীঙ্গোইরক্লম্মি- 'হে লুৰাং শাগৈগী ইচা-ইশুশিং অমদি মীয়াম পুম্নমক তাবীয়ুদো, হন্দক উজাও তালা পামেল অসিনা ঐহাক্কী য়ুমদা পাইরক্লগা তাররিবসিদি তালা অসি অচম্বা তালা পামেল নত্তে অদুনা মরানাই ওইনা শিজিন্নবা পোৎশক্তি শাবা ফত্তেদো, হয়েং তাইবঙনা অৰা অনা তারবা কান্দা শিজিন্ননবা পোৎশক অমা ওইনা শেন্নসিকো' য়াৰা অসি তাবদা লুৰাং শাগৈগী মীয়াম পুম্নমক লোইনা য়াজখি। মতম অদুদা লুৰাং লাইনিংহল পুন্সিবনা মখা তানা চীঙ্গোইরক্লম্মি- 'হো ইচা-ইশুশা

অচৌবা তালা পামেল উনিংথৌ অসি কল্লগা তাইবঙনা অৱাবা তারবা কান্দা শিজিন্নবা ৱাকয়ৈ হি অচৌবা অমা ওইনা মীতল্লসিকো' - মসিদা লুৱাং শাগৈগী মচা-মশু খ্বাই খিবিক্লা অমত্তা ওইনা য়াজখি। মতৌ অসুম তৌদুনা পাইরকপা উনিংথৌ পান্বী অসিনা ৱাকয়ৈ হি অচৌবা অমা শাখিরম্মি।

মতমগী খোংলৈ মতুং ইন্দুনা লৱাং পুন্সিবনা য়াম্না চাওবা ৱাকয়ৈ হি অমা শেম্বা শাবা লোইশিল্লক্লম্মি। নোংমা কোরৌ নুমিৎ অফবা অমা য়েংলগা লুৱাং শাগৈগী ইচা-ইশুশিং অসি ৱাকয়ৈ হি হোনবা তম্বীরগে হায়দুনা লুৱাংপুন্সিবনা ৱাখল তৌবা হৌরক্লম্মি। অফবা কোরৌ নুমিৎ অমা য়েংদুনা অশাবা ৱাকয়ৈ হি অদু লুৱাং তরেল তান্না পুথরক্লম্মি। লুৱাংলি তুরেল য়ৌরবদা মফম অদুদা লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী মচা-মশু পুম্নমক সুনা তিন্দুনা লৈরম্মি। মফম অদদা লৈরল্লিবা মচা-মশুশিং অদুনা তুরেলদা থাদদুনা থল্লিবা হি অদুগী মথক্তা পুন্না সুনা তোংদুনা লৈরম্মি। মতম অদু য়ৌরবদা লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবনা কোয়না য়েংলকপদদি মহক্কী মচা শঙাই ওনখিবা লুৱাংপুতাংবদি মফম অদুদা য়াওবা উরমদে। মহাক্লা মচা য়াওবা উরক্তবদা মফম অদুদা লৈরম্বা মীওই খরা লাইরৌরেম্বীগী মশাইকোন তান্না মহাক্কী মচা অদু লৌরুনবা থারক্লম্মি। লুৱাংলি তুরেলগী মপান্দগী লাকপা মীওইশিং অদুনা লাইরৌরেম্বীগী মশাইকোন য়ৌরকপদদি লুৱাংপুতাংবা অদুদি লৈরমদ্রে। মশু ইবুংঙো অদুনা মফম অদুদা লৈরমদ্রিবগী মরম করিনো হায়দুনা মীওই খরা অদুনা লাইরৌরেম্বীদা হংলক্লম্মি। মতম অদুদা লাইরৌরেম্বীনা খুল্লক্লম্মি- লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী মপারি অদুদি মহাক্কী মশু ইবুংঙো অদুনা নোংমদি শোইদনা মপানি হায়বা কাওদুনা মচাগী খুত্তা শিবা তারে হায়দুনা লাইরৌরেম্বী ঐহাক্কী ইঙ্খোল অসি থাদোক্তুনা চৎখিবা মতম কুইরে, মরম অদুনা মহাক্কী মচানা ওনখিবা শঙাই অদুবু থেংনদ্রিবনি। মতম অদুদা লাইরৌরেম্বীগী ময়ুমদা চৎলুবা মীওইশিং অদু লুৱাংলি তুরেলগীদা মীয়াম পুন্না লৈবা মফম অদুদা য়ৌরক্লে। মীয়াম অদুনা লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী মফমদা হঙ্গৎচৈ - 'মদুদি নহাক্কী মচা নিপা শঙাই ওইনখিবদু লাইরৌরেম্বীগী মশাইকোন্দা লৈরমদ্রে। মহাক্লা লৈরমদ্রিবসি করিগীনা হায়না হংবদা লাইরৌরেম্বীনা খুল্লক্লম্মি, নোংমদি শোইদনা মহাক্কী পোকচবা মচানিপাগী মখুত্তা মপানা ওনখিবনি খংদদুনা শিবা তারে খন্দুনা লমজাওকোন্দা চৎহনখিবনি হায়দুনা খুল্লকই। য়াৱা অসি তাবদা

লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবদু লুৰাংলি তুরেলদা ৱাকয়ৈ হি হোনসি হায়বা য়ারমদ্রে। লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবনা মহাক্কী মচা শঙাই ওনখিবদু য়াওদে হায়দুনা লুৰাং শাগৈগী মীয়াম পুম্নমক পুদুনা মহাক্কী মচাগী খোঙ্গুল লিবা চৎখিরম্মি। মতম্না অসুম অসুম হৌখিদুনা লুৰাং শাগৈগী মচা-মশু, মীয়াম পুম্নমক্না শঙাই ওনখিবা মহাক্কী মচাগী খোঙ্গুল অদু লিবা ফংলকখিদ্রে। মখোয় ময়াম পুন্না থিবনা কান্নররোই খন্দুনা লুৰাং লাইনিংহল পুন্সিবনা লুৰাং শাগৈগী মচা মশুশিং অদু লোইনা কৌশিল্লগা হায়রক্লম্মি - ঐখোয় ময়াম পুন্না চৎতুনা ইচা খোঙ্গুল লিবা ফংলরোই মরম অদুনা মায়কৈ মরিসিদা মাগী মাগী ওইনা লম য়েম্হোক্লগা ইচানা ওনখিবা শঙাই অসি থিরসি হায়দুনা ৱারেপ্পখিরম্মি। হন্দক্কী লুৰাং শাগৈগী মীয়াম্না শঙাই থিবসিদা লুৰাং পুতাংবনা পোকচবা মচা শেন্বা মীওন্বা হায়বা অঙাংদুসু য়াওরম্মি। মহাক্তি অঙাংনিনা হরাউবা অমগা লোইননা মখুত্তা তিমেন তা মচা অমা পায়রক্তুনা মপু ইবুংঙো লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবগী মতুং ইন্দুনা য়াওরক্লম্মি। অঙাং অসিগী মমা লাইরৌরেম্বীনা ফানা য়াম্না কন্না থেমদুনসু য়াবা কৌবা অমত্তা লৈরমদে। মহাক্না হেন্না নিংঙাই কন্মনখিদুনা মপু লুৰাং লাইনিংহল পুন্সিবগী ওইনা মতুং ইন্দুনা চৎলম্মি। মপু পুন্সিবসু মশু অসিবু কদাইদা শোইখিগদগে হায়দুনা য়াম্না কন্না চেকশিন্না সেন্নজরম্মি মরমদি মহাক্না অঙাং ওইবনিনা মাগী মপানি হায়বা খংদবদগী মহাক্না পাইরিবা তিমেন তাদুনা শঙাইবু থিল্লুগদ্রা হায়দুনা মপু ওইবা মহাকসু য়াম্না মথ্বাই অদু ৱাজখিরম্মি। মপু অদুনা মশুনুপা অঙাং অদুদা নংনা পাইরিবা তিমেন তাদু থম্মু হায়বসু মহাক্কী মশুদুনা সুকয়ামক য়ারমদে। মতৌ অসূম তৌদুনা মায়কৈ অমরোমদা মশু-মপু পুন্না শঙাই অদু থিবা চৎলম্মি। অহল ওইরক্লবা মপুদুনা অঙাং মশু অদুগী মতুং ইন্দুনা চৎপা ঙম্লমদে। মরম অদুনা অঙাং অদুনা অহল ওইরবা মপুদুগী মমাং থাদুনা মখুত্তা তিমেন তা অদু পাইদুনা হেনগৎতুনা চৎখিরম্মি। মপু-মশু অসুম অসুম লাকপনা লম্লেন লমদম 'শঙাইপোরৌ' হায়বা লমদম অদু য়ৌশিল্লক্লে। মফম অদুদা লুৰাং নিংথৌ পুন্সিবগী মচা লুৰাংপুতাংবনা ওনখিবা শঙাই অদু মফম অদুদা নিংঙাইদনা শজিক চাদুনা লৈরম্মি। অশোমদনা শেন্বা মীওন্বনা অসুম অসুম মখুত্তা তিমেন তা পায়রদুনা চৎখিবনা লাপ্তক্লা য়েংবা মতমদা মফম অদুদা শজিক চাদুনা লৈরিবা শঙাই অদু উরম্মি। শঙাই অদুনা শজিক চাবা অদু উবদা শেন্বা মীওন্বা অঙাং অদুনা লাওরক্লম্মি 'হো ইপু, হো ইপু

ঐখোয়গী ইঙ্খোলদা শজিক হেক হেক চাদুনা লৈরম্বা শঙাইদু মফম অসিদা লৈরে। মতম অদুদা অহল ওইরবা মপু অদুদি খরা থাপ্না চৎলম্মি। মহাক্না মশু শেম্বা মীওম্বনা লাওরকপদু তাবদা লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবনা খুম্লক্লম্মি ‘হো ইপুগী ইবুংঙো ! শঙাই অদুদা খুৎলাই থারুনুকো, থারুনুকো। হায়না লাও লাওদুনা মপু অদু চেল্লক্লম্মি। মতম অদুদা অঙাওবা মশুনুপা অদুনা মপুনা হায়বা য়াৱা অমা ফাওবা তাবীদনা মহাক্না মখুৎতা পায়দুনা পুরকপা তিমেন তা অদু থাঙ্গৎলদুনা শঙাই তম্না চেনশিনখ্রে। মহাক্কী মচাবু উবদা মীরোল খঙবা শঙাই অদুনা চপ লেপ্পুনা য়েংদুনা লৈখি। মহাক্কী মচানদি মপানা ওনবনি হায়বদি খঙদদুনা খুৎলাই থাগদৌরে হায়বা খঙনা খঙনা মচাবু নুংশিবগী মৈনা কন্মনখিবনা শঙাই অদুনা মমিত্তা পিরাংগী ইরিক চেল্লদুনা তাইবঙ মীরোলদি থোক্রবা য়ারৌ শা অদুনা চেনবা তৌদনা চপ লাওনা লেপ্পুনা মচাবু য়েংদুনা লৈখি। শঙাই অদুগী মপুক্লিংদা অসুম্না হায়বগুম্না তৌই- ‘ও ! ওস্থোপনিদা, ইপাগী ইবুংঙো ! নঙনদি নপা ঐবু খঙদদুনা নহাক্কী নখুৎসু তিমেন তানা নপাদা থিনগে হায়না খল্লবোই। মতৌ অসুম তৌদুনা ঙাইহাক ৱাখল তৌদুনা লৈরিঙৈদা অঙাং ওইবা মপারি শেম্বা মীওম্বনা পরপ পরপ চেনশিল্লক্তুনা মহাক্কী মখুৎতা পায়রিবা তিমেন তাদুনা লেপ্পুনা লৈরিবা শঙাই অদুগী মবুক্তা থিনখিরম্মি। মতম অদুদা তিমেন তাগী চৈনা খাংবা ঙমদ্রবা শঙাই অদুনা ওন্না থোইদুনা মালেম লৈমায়দা তাদুনা লৈখি। মতম অদুদা মশুনুপা অদুনা শঙাই অসি চেনখিবা তারে খন্দুনা অমূক হন্না তিমেন তা অদুনা থিনগে হায়না তৌবা মতমদদি অহল ওইরবা মপুধৌ পুন্সিবনা চেনশিল্লক্তুনা মশুনুপাগী মখুত্তগী তিমেন তা অদু মুনখি। অহল ওইরবা লুৱাং লাইনিংহল পুন্সিবনা নুংশিরবা মহাক্কী মশুনুপাবু য়েংলদুনা য়াৱা খরা চিঙ্গোইরকখি- ‘হায় লমহেনবা অঙাং ! ঐনা খুৎলাই থাগনু হায়না হায়না নংনা শঙাইদা নখুৎসু তিমেন তানা থিল্লুরবা ?’ লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবনা তাগী মৈচাক্না ৱাম্বুদনা লৈমায়দা তাদুনা লৈরিবা মচা শঙাইবু মতম্বাক্তা কোনখৎলদুনা মমীত্তা মপি চদুম চদুম তারদুনা হায়রকই- ‘ও! ওস্থোপনিদা ইপাগী ইবুংঙো লুৱাং পুতাংবা ! নহাক্তী চিরোং পানবা শঙাই ওইরদুনা শাগী মপোক্তা লৈখিবদগী নচা অসিনা মপানি হায়বা মশক খঙদবদগী খুৎলাই থাখ্রমাল্লেদো ! ইবুংঙো, ইপানা ঙসি হায়রিবসিনি নহাক্কী নচা অঙাং অসিনদি করিসু খঙদবনি। নচানা নংঙোন্দা খুৎলাই থাখ্রে খন্দুনা নঙনা নহাক্কী নচা অঙাং অসিবু

ৱারৌরমগনুকো ! পিক্লিবা নচা মঙোন্দা মরাল অমত্তা থল্লমগনুকো !' অপোকপা মপাগী ৱাহৈশিং অসি তাবদা তিমেন তানা থিনবগী মৈচাক্লা য়াম্না ৱানা লেন্দুনা লৈরিবা শঙাই অদুনা পিক্লিবা মচা অদুবু নুংশিবগী মৈনা কনখিবনা মচাদা মরাল অমত্তা পীগে হায়না মরোল থোকত্রবা শঙাই অদুনা নিংখিরম্মি। অপোকপা মপাগী ৱাহৈশিং অদু তাবদা মৈচাক্লা ৱানা খাংলবা শঙাই অদুনা ফুক লাওনা হৌগৎতুনা পিক্লিবা মচাগী মনাক তম্না চেনশিনখিরম্মি অমদি মমিত্তগী মপি চদুম চদুম তাদুনা মহাক্লা পোকচবা মচাদুগী মশাদা মরৈনা অহুল্লক লেকপিরমখি। মতম অদুদা মীরোল থোক্ত্রবা শঙাই অদুনা নুংশিরবা মচাবু য়েংদুনা অসুম্না হায়রকপগুম্না তৌখি- 'ইপাগী ইবুংঙো ! ইপানা নঙবুদি ৱারৌদে ! ইপানা শাগী মপোক্তা ওইনা লৈরবদগী তৌখিবনি। ইচানাদি ইরাল করিসু লৈতে' অসি খুন্দুনা শঙাইদুনা মচাবু নুংশিনা লেক্লল্লগা অমদি তিমেন তাগী

মৈচাক্লদি কন্মনখিবনা খাঙবা য়ারক্তদুনা লৈমায়দা নিংঙাইদনা হায়থদুনা তাখিরম্মি। মতম অসিদা শঙাই অদু মহাক্কী মথ্বাই মঙামক অমত্তা য়াওরমদ্রে। মতম অদুদা মচা লুৱাং পুতাংবনা ওনখিবা শঙাই অদুগী মথ্বাই মঙামক্লা খানা চাওবা ৱাংব্রেলগী ফানখোং য়ৌখ্রবদা অশিবা মচাগী মশা অদু শগাই অমা শাদুনা লল্লেন লমদম লুৱাংশংবম তান্না লুৱাং সলাইগী মচা মশুশিং অদুনা পুদুনা লাকখি। মফম অদুদা লুৱাংপুতাংবনা ওনখিবা শঙাই অদু ফাখিবা মফম্নি হায়দুনা হৌজিক ফাওবা 'শঙাই ফারে' হায়না কৌবদগী অসুম অসুম থৈথরক্কুনা ঙসিগী মীরোলনা 'শঙাইপ্রৌ' হায়না লোমথরক্কুনা খঙনরিবসিনি। মতৌ অসুম তৌদুনা অশিবা শঙাই অদু

লুৱাং শাগৈগী মচা মশুশিংনা লুৱাংশংবম তান্না পুদুনা লাকখি। অদুবু শঙাইগী মথ্বাই মঙা অদু 'খানা চাওবা ৱাংব্রেন'গী ফানখোঙ য়ৌখ্রে। লুৱাং লাইনিংহল পুন্সিবনা মহাক্কী মচা লুৱাং পুতাংবনা ওনবা শঙাই অদু পুন্সি লোইদনা শিখিবনি হায়না খন্দুনা ৱাকয়ৈ হি অদু তোংদুনা খানা চাওবা ৱাংব্রেনগী মফমদগী মচাগী মথ্বাই মঙা অদু নিবা চৎখিরম্মি। মহাক্না ৱাংব্রেনগী মফম য়ৌরদুনা হায়জরুবদা ৱাংব্রেন্না চানবিদুনা অমুক হন্না পুতাংবগী মথ্বাই মঙা অদু পীবীরলম্মি অমসুং লুৱাং পুন্সিবনা মচাগী মথ্বাই মঙা অদু ফিগাও শানা য়াদুনা পুরক্লগা ৱাকয়ৈ হি অদু তোংদুনা লপ্লেন লুৱাংশংবম তান্না হল্লক্লম্মি। অসুম অসুম ৱাকয়ৈ হি অদু তোংদুনা লাকপনা লপ্লেন লৱাংশংবম য়ৌরক্লবদা লুৱাং পুন্সিবনা মচা শঙাইগী মথ্বাই মঙা অদু তাদুনা লৈরিবা শঙাই অদুগী মখোইদা মপা লুৱাং লাইনিংহল পুন্সিবনা হাপচিনবীখি। মতম অদুদা লৈমাইথক্তা নিংঙাইদনা তাদুনা লৈবা অশিবা শঙাই অদুনা ফুক লাওনা হৌগৎলক্লম্মি। মতম অসিদা লুৱাং লাইনিংহল পুন্সিবনা মচাগী মথ্বাই মঙাবু ৱাংব্রেনগী মফমদগী মচাগী মথ্বাই মঙা অদু লৌদুনা হাপচিনখিবা অসিবু ঙসি ফাওবদা তাইবঙ মীওইবশিংনা 'থৱাইমী কোনবা' হায়না খংনরিবা অসিনি।

মতৌ অসুম তৌদুনা লুৱাং লাইনিংহল পুন্সিবনা ৱাকয়ৈ হিগী মপান্দগী মচাগী মথ্বাই মঙাবু ৱাংব্রেন থোংঙারেন্দগী লৌরুবা ঙল্লকখিবনি। ৱাফম অসিবুনা ঊচি লাবা অদুনা হায়খিবা ৱাফমদি- 'হয়েং তাইবঙনা ৱারক্লবা কান্দা কান্নবা থবক অমা ওইরক্কনি হায়বদুনি' লুৱাং লাইনিংহল পুন্সিবনা নহান্নোং লুৱাংলি তুরেলদা ৱাকয়ৈ হি অসি পুথদুনা লুৱাং শাগৈগী মচা মশু মীয়াম পুন্নমক হি হোনবা তম্বীগনি তৌরগা মহাক্কী মচা য়াওদদুনা তোক্লবদু হৌজিক্তি মহাক্কী মচানা ওনবা শঙাইগী মথ্বাই অদু হাপ্পুনা হিঙ্গৎলবনিনা পুন্না কৌথদুনা ৱাকয়ৈ হি হোনবা তম্বিখি। মতম অসিদা শঙাই অসিসু হি অদুগী মনুংদা তোংহনখি। মতম অদুদগী হৌদুনা লুৱাং লাইনিংহল পুন্সিবনা হি অমা শাদুনা ইহান হান্না তাইবঙ মীওইবদা হি হোনবা তম্বিখি। লুৱাং পুন্সিবনা পুথোকপা ৱাকয়ৈ হি অদুগী মকোক্তা মচা শঙাইগী মশক লৌদুনা শঙাইগী মকোক অমা শারগা পানশিনহনখি। হায়রিবা ৱাকয়ৈ হি অসিদগী লৌদুনা ঙসি ফাওবদা 'হিয়াং হিরেল' গী মকোক্তা শঙাইগী মকোক শাদুনা হাপ্পরিবা অসিনি। মতৌ অসুম তৌদুনা মপা ইবুংঙো লুৱাং লাইনিংহল পুন্সিবগা মচা নুপা লুৱাংপুতাংবনা ওনখিবা

শঙাই অদুগা পুন্না ৱাকয়ৈ হি অসি তোংমিন্নরম্লগা শঙাই অদু লমজাও কোন্দা চাক্তাদুনা লৈখি। মহাক্না লমজাও কোন্দা চাক্তাদুনা লৈখিবা মফম্বু ঙসিগী তাইবঙ মীরোলনা 'কৈবুল লমচাও' হায়না খংনরিবা ৱাফম অসি লৈবনা মরম ওইদুনা শঙাইনা কংলৈ সনা লৈবাকসিদা নত্তনা লৈবা ঙমদ্রিবনি। মসিনি মমাংঙৈগী লাইনিংহলশিংনা পুয়াগী লাতমদা লিদুনা থম্বীরম্বা লুৱাং লাইনিংহল পুন্সিবগী মচা ইবুংঙো লুৱাং পুতাংবনা শঙাই ওনখিবগী ৱারী লিখুল হায়বদুনি ॥০॥

৪. সোরারেনগী মচা খোইরিফাবা

ই মতম অমদা লাইনিংথৌ সোরারেনগী তালোই অহলগী কোলোয় মীংলেন্দি মীনুলৈমা হায়না কৌই। মীনুলৈমা অসি নোংমা নোংমা হৌজিনখিবনা খোয়জিখাদা মীতমখি। মতমগী খোংলৈ মতুং ইন্না মীনুলৈমা অসি পারী অমা পোল্লকন্মি। মহাক্কী মপারী অসিগী কোলোইদি 'খোয়রিফাবা' হায়না কৌই। মতম অমদা মলেম অসিদা অচৌবা ঈশিং ইচাও অমা থোকখিরন্মি। হায়রিবা ঈশিং ইচাও অদুদা মীনুলৈমাগী মবুং অমা তাওথদুনা ইরাক্লদুনা শিখিরন্মি। মহাক্কী মবুং অদুনা ঈশিং ইচাও অদুদা য়াম্না ৱানা ইরক্লদুনা তাওথরগা শিখিবা অদু উবদা কোরৌ থক্তা লৈরিবী মচল ইবেন্মা মীনুলৈমাদু মথ্বাই য়াম্না নুংঙাইরমখিদে। কোরৌথক্তা মচল নুপী মীনুলৈমানা মথ্বাই অদু য়াম্না নুংঙাইতদুনা মহাক্কী মবুংগী মতুং ইল্লগা শিজরগে হায়দুনা লৈচিল ফুমাই হাংদোক্কুনা মহাকসু ঈশিং ইচাও অদুদা চোংথদুনা শিখিরন্মি। মমা ইবেন্মা মীনুলৈমানা ঈশিংদা চোংথদুনা শিখিবা মতম অদুদা মহাক্লা পোকচবা মচা ইবুংঙো খোয়রিফাবা অসিদি পিশক পিল্লকন্মি। মমা কাইনরবা মচা অসিনা মহাক্কী মমাবু য়াম্না কুইনা থানদুনা লৈবা ঙমদবনা মতম লৈবা খিবিক্তা কপ্পুনতা লৈরন্মি। মতম অসিদা সোরারেন্না মহাক্কী লাইয়াম পুন্নমক্লা নোংমা নোংমা ওইনা থেমহনবদা মচা ইবুংঙো খোয়রিফাবা ফাবা লৈতনা কপ্পুনা লৈরমখি। মতম অসিদা সোরারেন অসি থংবা ঙল্লক্ত্রদুনা লাইশ্রম চনু, লৌরেম্বম চনু অমসুং কোন্থৌজম চনু অহুম্না অমুক থিদুনা খাংখি। মতম অদুদা মহাক্কী মপারী খোয়রিফাবানা হেন্না লুনা চান্না তৌজবদি কোন্থৌজম চনু তম্ফা হায়না কৌবী মমা তোম্বী অসিগদি য়াম্না লুনা চান্না তৌজরন্মি অমসুং নিংলন্মি। মহাক্লা হেক পোকচবী মমাগুম্না লুনা থল্লন্মি। মতৌ অসুম মমাতোন তম্ফানসু খোয়রিফাববু মহাক্মক্লা পোকচবা মচাগুম্বনি খল্লন্মি অমসুং লুনা চান্না তৌরন্মি। মতমগী খোংলৈ মতুং ইন্না খোরিফাবনা নিংঙাই হেক

তৌরমপা মতমদা মহাক্কী মমাতোম্বী তম্ফা নত্তনা অতৈ কনা অমত্তনা থেন্বা য়ারমদে। কোম্হৌজম নিংঙোল তম্ফাগা হেক লৈমিন্নখিবা নুমিৎ অদুদগী হৌদুনা খোয়রিফাবনা মাগী অপোকপী মমা লৈত্রে হায়বসি হেক হেক কাউজখি অমসুং হরাও হরাওনা শান্নদুনা লৈবা হৌখি।

মতাং অসিদা য়াম্না নুংঙাইবা থাইনগী ওইবা হৌরক্লোনগী ৱারী অমসু লৈ মদুদি কোম্হৌজম চনু তম্ফাগী ওইবা ৱারী অম লৈ। তম্ফা অসি মহাক্কী অপোকপী মমা হুইমুলৈমনা মীরোললিঙৈ হায়বদি তাইবঙ নাওবু পুরিঙৈদা নোংমা সোরারেন্না মমাগী খোল্লেন মঙলান্দা লাক্লগা অসুম্না হায়রক্লম্মি- 'হায় হুইমুলৈমা হায়বী ইবেম্মা ! নংনা হন্দক তাইবঙদা ফাওরক্কদবা হায়বদি পীবুক্লুংনা লৈরিবা নৱা অদু নুপা নত্তে নুপী ওইনা লাক্কনি। নৱা অদুনা হয়েং তাইবঙ পানবদা ফাওরক্লবা মতমদা লেল্লে ঙানা চাক উমগনুকো, থারোই-ঙা পিজগনুকো। সোরারেন ঐহাক্কী তালোই শিংদা চনহনগদৌরিবনি।' অসুম্না হুইমুলৈমগী খোল্লেন মঙলান্দা সোরারেন্ন য়াৱা পাওশারম্মি। য়াৱা অসি য়াম্না মথ্বাই নুংঙাইতনা হুইমুলৈমনা মহাক্কী মপুরোইবা নাচি চাউবদা য়াম্না ঙক্লা তমদুনা খংহল্লক্লম্মি মতম অদুদা মপুরোই নাচি চাউবনা মঙগী ৱাবু হায়দুনা থওইনা খল্লম্মদে অদুবু মতম্নদি কনাবুসু ঙাইবিয়ু হায়বা য়াদবগুম্না হুইমুলৈমা হায়বীসি থাবুম তৱা হায়দুনা তাইবঙপানবসিদা নৱা অমা ফংজখি। হায়রিবা নৱা অসিদি নুপা ওইরমদে নুপী ওইনা মালেমদা খোংদরক্লম্মি। অঙাং অসিবু হেক উবা মতমদা নোংমা সোরারেন্না হুইমুলৈমগী খোল্লেন মঙলান্দা হায়রম্বা য়াৱা অদু খংনিং-নিংশিংলক্লম্মি। সোরারেনগী য়াৱা অদু নিংশিংলক্তুনা নৌনা ফংজবা অঙাং নৱা অদু হৌনবী মতুং ইন্দুনা লেল্লে ঙানা চাক উমখিদে অমসুং থরোই-ঙা অমত্তা পীজখিদে।

মতমগী মতুং ইন্না নাচি চাউবগী মমোল্লোই অসি লৈশাবী মচা অমা ওইনা ফারক্লে। নোংমদি মহাক্কী মমান্নবীশিংগা লোইননা য়েনলাং কেংঙোইনচিংবা হেক হেক লবুক লমহাংদা চৎলম্মি অদুবু ঙসি কোরৌ নোংদি মহাক্কী মমান্নবীশিং অদু অমত্তা চৎশি হায়বা য়ারমদে। মহাক মতোমতা ওইনা চৎপা তারম্মি। মহাক্লা লবুক লমহাং অসিদা কুমথদুনা য়েনলাং কেংঙোইনচিংবা হেক্কে হায়দুনা তৌজরিঙৈদা লাইনিংথৌ সোরারেন্না কোরৌথক্তগী লাওথরক্লম্মি- 'হায় তম্ফা হায়বী ইবেম্মা নহাক ঙসিদগী লম্লক্তা চৎথোক্কনু। ইবেম্মা নহাকসে সোরারেন ঐহাক্কী তালোই

ওইরগে। ঙসি হায়বা কোরৌদগী নুমিৎ শিংবুম মঙানি হেক সুবা কোরৌদা ইবেম্মা তম্ফা নহাক্কী নয়ুমদা ঐহাক লেংলক্কনি অদুনা নহাক্কী সুমাংদা ফিজং তরেৎ খন্দুনা নংনা ঐহাকপু ওক্লম্মুকো।' য়াব্রা অসি সোরারেন্না ঙাংলকপগী খোঞ্জেল অদু তাবদা ইবেম্মা তম্ফানা য়াম্না ঙক্লা কোরৌ নোংদোলথক্তা য়েংদুনা লৈরম্মি। মতম অদুদা কোরৌথক্তা ঙাংলিবা মীওই অদুদি মহাক্লা উরমদে। কনা অমত্তা উরক্ত্রবদা ইবেম্মা তম্ফা অদু মহাক্কী ময়ুমদা চেল্লক্তুনা য়াম্না ঙক্লা থৌদোক অদু মপা মমা অনিগী মফমদা তমজখি। মপা মমা অনিদুনা মহৌশগী হুইমুলৈবগ খোল্লেন মঙলান্দা হায়রম্বা য়াব্রা পুন্নমকশিং অদু খংনিং নিংশিংলক্তুনা সোইদমক লাইনিংথৌ সোরারেন্না মখোয়গী মোংবা মরাংয়াইদা শোইদনা খোংদোইরকপা য়াই হায়দুনা নিংজখি। নাচি চাউবগী শাগে-নাতৈগী মীওইশিংনা লাইনিংথৌ সোরারেন্না মখোয়গী মনাক্তা লেংলক্কনি হায়দুনা সোরারেনবু ওক্লবা হায়দুনা শেন্বা শাবা হৌখ্রে। নোংমা নোংমা অসুম হৌজিনখিদুনা কৌরৌ শিংবুম মঙানিদু সুজিল্লক্লে। নাচি চাউবগী শুমাংদা ফিজং তরেৎ খন্দুনা থমখ্রে। মতম মাগী খোংলৈ মতুংইন্না লাইনিংথৌ সোরারেন অদু নাচি চাউবগী শুমাংদা কোরৌদগী কুমথরক্তুনা ফিজং খল্লিবা অদুগী মখাদা লেপ্লরে। মতম অদু ফাওবদা মহাক্কী শাগৈগী মীয়াম হুপ্তুনা তিল্লিবা অদুনদি কনা অমত্তা উবা ফংজখিদে। পন্থৌ মপা নাচি চাউবনা মহাক্কী মথ্বাই অদু নুংঙাইতনা মমিৎতা মপি তাদুনা সোরারেনগী মফমদা অসুম্না হঙ্গৎচৈ- 'লাইনিংথৌ সোরারেন নহাক্লা চনবীরবদি ঐহাক্কী শাগৈ নাতৈনা হুপ্তুনা তিল্লিবশিং অসিদা শক্তম অদুবু অমুক্তং উহনবিয়ু হায়জখি। মতম অদুদা সোরারেন্না চানবিবদগী নাচি চাউবগী শাগৈ নাতৈনা পুল্লপ তিন্দুনা লৈরিবশিং অদুবু কনা অমা ফাওবা চিংখদনা মখোয় মখোয়গী মমিত্তা সোরারেনগী শক্তম অদুবু উহনবিখি। নাচি চাউবগী শাগৈ অসি হাওরোক শাগৈ হায়নসু খংনৈ। মতম অসিদা সোরারেন্না হাওরোক শাগৈ অসি সিদবা নাদবা অমসুং চাওখৎপা হায়বা থৌজাল অদু পীবিখি। য়াব্রাশিং পুন্নমক্তু চিঙ্গোইরম ইবেম্মা তম্ফাবু সোরারেন্ন কোরৌথক্তা সনাগী (ৱাকয়ৈ হি) কৈরাক অদু তোংদুনা পুখৎখিরম্মি। মতম অদুদা লাইনিংথৌ সোরারেন্না মালেমদা খোংগুল্লকপদা পুরকপা অশিঙবা তাওবা হুই অদু মহাক্কী মপা নাচি চাউবদা নহাক্কী ওইবা থবকশিংদা শিজিন্নজৌ হায়দুনা পিবিখিরম্মি। মতৌ অসুম তৌদুনা অঙাং ওইরিবী তম্ফা অদু কোরৌথক্তা খোয়রিফাববু নাওকোন্দুনা লৈখি।

অসোমদনা সোরারেনগী মচা খোয়রিফাবা অদুনা মহাক্কী মমা অপোকপী মিনুলৈমা ওইরবোই নিংদুনা কোন্থৌজম চনু তম্ফাগা য়াম্না হরাও হরাওনা শান্নদুনা কোরৌথক্তা লৈমিন্নখি। মীরল্লেন্দা সোরারেন্না পিবিরম্বা নাচি চাউবগী তাওবা হুই অসিদি অচম্বা তাওবা হুই অমা নত্তে মীরোল য়াম্না খংবা, য়াম্না শিঙবা তাওবা হুই অমা ওইরম্মি। তাওবা হুই অসিনা নুমিৎ খুদিংগী ওইনা ময়ানা চিক্তুনা নাচি চাউবনা লবুক্তা লৌ সুরিঙৈদা পোৎ-চৈ অদু পুথোক পুশিন তৌহনখি। কোরৌ নোংমদি পাখঙবনা তাওবা হুই অসিগী মগুণ-মতৌশিং অদু খংলক্কদুনা মহাক্লা লাক্কদবা মায়কৈ অদুদা তাংজ লিন অমা ওন্দুনা ঙাইদুনা লৈখি। মতমবুসু কনানা ঙাইবিয়ু হায়বা য়াদবনিনা কোরৌ খুদিংগী চৎপগুম্না অশিঙবা তাওবা হুই অদুদা নাচি চাউবগী ময়াম্বনা মনাও নিপা নাচি চাউবনা চানবা অচা অথকশিং অদু চরৈ ফিনা য়োমদুনা তাওবা হুই অদুদা পোৎয়াম অদু ময়াদা চিক্তুনা নাচি চাউবগী থবক শুফম অদোমদা খোংশানবা হৌরকখি। মহাক্লা অসুম অসুম খোংশাল্লকপনা লম্মখাংদা হান্না ঙাইদুনা লৈরিবা পাখঙবনা ওনখিবা তাংজ লিন অদুনা চিক্তুনা মীরোল খংবা অশিঙবা তাওবা হুই অদু শিখি। অসোমদনা নাচি চাউবনা মহাক্কী পোৎথাবদা চান্নবা পোৎয়ামশিং অদু হৌজিক ফাওবা থিল্লক্তে হায়দুনা ঙাইদুনা লৈখি। মহাক্লা ঙাইবা ঙমদদুনা কৌরৌসু ৱাংখৎলক্লে হায়দুনা মহাক্কী মোংবা ইরাংয়াইদা হল্লক্লিন্মি। মহাক্লা মোংবা ইরাংয়াই তম্না হল্লকপদা মীরোল খংবা তাওবা হুই অদুনা পোৎয়োমশিং অদুগা লোইননা লম্বিদা শিদুনা লৈবদু থেংনখি। মফমদু মক্তদা নাচি চাউবনা য়াম্না মথ্বাই নুংঙাইতদুনা লেপ্পুনা লৈরম্মি। ঙাইহাক ৱাখল তৌরবগী তুংদা অশিবা তাওবা হুই অদু পুদুনা মোংবা ইরাংয়াইদা হল্লক্লম্মি। সোরারেন্না পিরম্বা মিরোল খংলবা তাওবা হুই অদুনা শিবদা হাওরোক শাগৈগী ইপা-ইপল পুম্নমক্লা তেংথদুনা কপ্পলম্মি। মসিদি অচম্বা তাওবা হুই অমা নত্তে হায়দুনা হাওরোক শাগৈগী ইপা-ইপল পুম্নমকশিং অদুনা তাওবা হুই অদুবু পোৎলোয়নবা থৌরাং পুম্নমক লোইনা শেম্বা শাবা হৌখ্রে। মতৌ অসুম তৌদুনা অশিংবা তাওবা হুই অদুনা শিখিবদা য়াম্না নুংঙাইতনা পোৎলোইখি। পোৎলোইবগী খন্বি মৈখুনা কেরৌ নোংমদোল থক্তা কারকপদু উরবদা তম্ফা লাইরেম্বীনা মহাক্কী মথ্বাই অদু য়াম্না নুংঙাইতনা লাইনিংথৌ সোরারেন্দা য়েংলদুনা হঙ্গৎচরকই, - 'করি মতৌ কৌবগে লাইনিংথৌ ! লাইনিংথৌনা ইপাম

হাওরোক শাগৈবু অশি-অনা নংহলবিরোই হায়বিরগা হৌজিক্তি হাওরোক শাগৈ অসি মীশি-মীনা নংলে, পোৎলোইবগী খন্বি মৈখুনা কোরৌ নোংমদোল অসি থল্লেদো!' , মহাক্কী মনাই ওইবগী য়াৱা অসি তাবদা লাইনিংথৌ সোরারল্লো অসুম্না খুন্নকখি,- করিমত্তা তৌদে ইবেম্মা তম্ফা ! নঙগী হাওরোক শাগৈদা ইপা-ইপল কনা অমত্তা অশি-অনা নংদে ! ঐনা নহানোং ইবেম্মব্ব লৌবা লাকপদা কোরৌদগী ঐগা

লোইনরকপা মীরোল খংবা তাওবা হুই অদু শিদুনা পোৎলোইবগী খন্বি মৈখু অদুনি কারক্লিবসি!' তম্ফাগী মপুরোইবা লাইনিংথৌ সোরারেন্না হায়বা য়াৱা অদু তম্ফা কৌবী লাইরেম্বীনা থাজরমদে। তম্ফানা থাজদ্রবনা লাইনিংথৌদা হঙ্গৎচরকই, ' লাইনিংথৌ চানবীদুনা কোরৌ নোংদো থক্কী থোঙমায় অসি অমুক্তা হাংদোকপিয়ু, ননাই ঐহাক অমুক্তা ইমিৎ পেন্না য়েংজগে', য়াৱা অসি তাবদা লাইনিংথৌ সোরারেন্না চানবিদুনা নোংদোল থক্কী থোঙমায় অদু হাংদোকপিখিরম্মি। সোরারেন্না থোঙমায় অদু হাংদোকপিরবদা তম্ফা কৌবী লাইরেম্বী অদুনা কোরৌদগী কুমথরক্লবা লৈচিল মথক্তা ফল্লদুনা পোৎলোইবা য়াওরিবা হাওরোক শাগৈগী মপা-মপুশিং অদুবু কৌরদুনা হায়রক্লম্মি,- 'হো, হাওরোক শাগৈগী পালেম পম্বৌ, ইপা-ইপল পুম্নমক ! হাওরোক শাগৈদা ইপা-ইপল, ইবুং-ইপ্পা কনা অশি-অনা য়াওবগে, তম্ফা ঐঙোন্দা অমুক্তা চিঙ্গৌইবীরকউ!' তম্ফাগী য়াৱা অদু তাবদা পোৎলোইবা য়াওরিবা মীয়াম অমদি মমা-মপানা

খুল্লক্লম্মি, - 'হাওরোক শাগৈগী কনা অমত্তা অশি-অনা য়াওদে ! নহালনোং সোরারেন্না পীনবিরম্বা মীরোল খংলবা তাওবা হুই অদু শিদুনা পোৎলোয়বনি !', অসুম হায়না পোৎলোয়বা য়াওরিবা পুম্নমক্কা খুল্লকখি। মচাগী চেংলৌ শক্তম অদু উজরদা মহাকপু পোকপী পালেম মমানা হায়রকই, - 'হো ! ইমাগী লাংলেন তম্ফা ইবেম্মা, নঙবু অমুক্তা মালেমদা খোংগুল্লকউ, ইমা-ইচা উন্নবদা মতম কুইরক্লে !' পালেম মমানা য়াম্না কন্না মালেমদগী লাওরকখি। পালেম মমানা মথ্বাই য়াম্না নুংঙাইতনা মমিৎতা মপি তানা হায়জরকপদুদা য়াম্না নুংঙাইত্রদুনা তম্ফা লাইরেম্বীদু মালেমদা খোংগুল্লকখি। হাওরোক শাগৈ ইপা ইপলশিংনা তম্ফদা চাক চরা অমতং চাখিশি হায়দুনা য়াম্না কন্না থেমখি অদুবু তম্ফানা য়াবা কৌবা লৈখিদে। মমৈথংদদি তম্ফাসু ময়াম্না কন্না হায়জমনবদুদা হরাও হরাও য়ারদুনা পালেম মমাগা লোইননা সোরারেন উদনবা হায়দুনা ফিজং তরেৎ খন্দুনা চাক চাগে তৌখি অদুবু লাইনিংথৌ সোরারেন হায়বসিদি পুম্নমকপু মতম লৈবা খিবিক্তা উবা ঙম্বা লাইনিংথৌনিদো। মহাক্কী মশানৌ তম্ফা লাইরেম্বীনা মালেম লৈখাদা পালেম মমাগা লোইননা তাইবঙগী চিঞ্জাক চাদুনা লৈবদু লাইনিংথৌনা ইঙান ঙান্না উখ্রে। লাইনিংথৌনা হায়বা পুম্ন মপু কাওথোকপা ঙম্বী তম্ফা লাইরেম্বীনা অহানবা চখোম অমা হেক হুক্কৎলকপদা কোরৌ নোংমদোলদগী লাইনিংথৌ সোরারেন্না তম্ফাগী চাক্লুক মথক্তা মতিন শিৎচিনবীখি। মসিগী মতৌ অদু উবদা তম্ফা লাইরেম্বীনা পাখৎতুনা চেনখিরম্মি। মসিগী থৌদোক অসিদি অতৈ করিসু নত্তে লাইরম্লেন্দা তিনখ্রবী তম্ফানা মীরমলেন্দা কুমথদুনা তাইবঙ চিঞ্জাক চারুবগীদমক্তা মবুংঙো লাইনিংথৌ সোররেন্না শাওরদুনা কোরৌথক্তগী মতিন অদু শিৎথারকখিবনি। লাইনিংথৌ সোরারেন্না তম্ফাবু লাইরমলেন্দা তিনহল্লরোই হায়না খনবদগী তম্ফা লাইরেম্বীনা কিবদগী হৌদুনা চেনখিবনি। তম্ফানা খঞ্জবগুম্না সোরারেন্না লাইরমলেনগী থোঙলোন পুম্নমক লোইনা লোনশিনখিরম্মি। তম্ফা কৌবী লাইরেম্বী অদুনা লৈচিল মথক্তা মমিৎতগী মপি শিন্থদুনা ওন্না থোইনা কপ্পুনা লৈখিরম্মী। অশোমদনা মীরম্লেন্দা তম্ফাগী মমা-মপা অনিদুনা মচা অদুবু করম তৌরমগদগে অমদি হাওরোক শাগৈগী মীয়াম্না চাকলেন অমগীদমক কৌবিরুবী তম্ফা লাইরেম্বীবু লাইরমলেন্দা করম তৌরমগদগে খন্দুনা য়াম্না নুংঙাইরমদে।

লাইরমলেন্দা তম্ফানা চংবা য়াদ্রবদা লৈচিল মথক্তা লৈবগুম্না মীরমলেন্দসু হাওরোক শাগৈগী মমা -মপানা মচানুপীগী য়াম্না ৱাজবগুম্না লাইরমলেন্দা অঙাং ওইরিবা খোয়রিফাবনা মপা লাইনিংথৌ সোরারেন্দা ইমা তম্ফা পিয়ু হায়না কপ্পুনা লৈখ্রে। অদুবু তম্ফা লাইরেন্বীদি তাইবঙ চিঙ্গাক চারুবনা মরম ওইদুনা সোরারেন্না অমুক হন্না লাইরমলেন্দা লৌশিনগদবা মান্দ্রে। নুমিৎ খুদিংগী খোয়রিফাবা থেন্বা য়াদনা কপ্পুনতা লৈখ্রে, চাগনি থক্কনি হায়বা ফাওবা কাউখ্রে। নোংমদোল থক্তা খোইয়ুম লাইয়াম্না খোয়রিফাবগী নিংঙাইবু থেম্নবা কন্না লাক্লখি মতম অদু ফাওবা খোয়রিফাবনা করিমত্তা নাচুংখিদে। মালেমদা লৈবা খোইয়ুম লাইয়ামশিংসু সোরারেনগী মচা খোয়রিফাবগী নিংঙাইবু থেক্লবা হায়দুনা লাইরৈবাক্তা মনা মনা হৈজবা পোৎলম কয়া পুদুনা লাক্লিন্মি। অহানবদা থাংজিং ইবুংঙোনা সনানা শাবা থেঙ্গু অমা পুদুনা খোয়রিফাবা অঙাংদা পিদুনা থেমই মতম অদুবু খোয়রিফাবনা হেন্নদুম হেন্না ইমা পীয়ু হায়দুনা কপখৎলকখি। অঙাং অসিগী নিংঙাই অসি থেম্নবা হায়দুনা খানা চাওবা ৱাংব্রেন্না সনানা শাবা শরেং অমা অমুক পীদুনা থেমই মসিদসু খোয়রিফাবগী নিংঙাই ফবা ঙমদে। অৱাং কৌব্রু অসুপ্পনা সনানা শাবা ঙানু অমা পুরক্কুনা থেমই মতম মদুদসু খোয়রিফাবগী নিংঙাইসি ফবা ঙমদে। মসিদসু নত্তনা খোইয়ুম লাইয়াম অতৈসু মানা মানা হৈজবা পোৎলম কয়া শাদুনা পুরক্কুলগা খোয়রিফবগী নিংঙাই থেমনবা হোৎনৈ। মতম অদু ফাওবদা খোয়রিফাবা অঙাং অসিনা হেন্নদুম হেন্না ইমা পীয়ু হায়দুনা কপখৎলকখি। কায়নথংদা থেমবা য়ারক্ক্রবদা নোংপোক মালং হুমাইবা (নোংপোক নিংথৌ)-না লৈশং হায়বা লৈ অদু লুৱাং চনু অমনা সোরারেনবু কন্না নিংমনবদগী চাদ-থক্কনা শিখিবা অদুগুন্বী নুপী অদুগী মশম্না ওইনা ওনখিবনি। মতম অদুদা চনু নিংঙোল অদুগী লাইনিং পরৈ চেৎপা অদু উবদা সোরারেন কৌবা লাইনিংথৌনা পেল্লদুনা মাগী মশম অদুনা মানা শিদুনা তাদুনা লৈরিবা নুঙপাক অদুদা ওইনা লৈ অদু ওন্দুনা হৌহনখি। মসি হৌরক্লোনগী ওইবা ৱারী কয়াবু লিদুনা নোংপোক মালং হুমাইবনা খোয়রিফাবা অঙাং অসিনা লৈ অসি পীদুনা থেমখি।

কায়নথংদা নোংপোক মালং হুমাইবা (নোংপোক নিংথৌ)-না শিঙেল লৈরাং লৈশং হায়বা লৈরাংদুগী হৌরক্লোনগী ওইবা ৱারী অমা

মালেমদা মমা তম্ফাগী মনাক্তা কুম্লকপা মতমদা পন্থৌ মপানা পবিরকপা কাংজৈ কাংঙু অদু মখুত্তা চেৎনা পাইহন্দুনা খোংগুম্লকহল্লম্মি।

খোয়রিফাবনা মপন্থৌ মপানা পুরকপা কাংজৈ কাংঙু অদু মখুত্তা চৎনা পাইরদুনা মমা হাওরোক শাগৈগী তম্ফাবু কোয়না চৎতুনা থিবা হৌরক্লম্মি। খোয়রিফাবনা কোয়না চৎতুনা থিদুনসু মমা তম্ফাগী লৈফমদি খংবা ঙম্লমখিদে। খোয়রিফাবনা মালেমদা অহানবা খোংগুম্লকপদা মালেমগী লাই 'খানা চাউবা ৱাংব্রেন'-গী উমং ফাওদুনা মমায় অদু অৱাং ওন্দুনা লাক্লম্মি। মতৌ অসুম তৌদুনা খোয়রিফাবা অঙাং অসিনা পন্থৌ মপানা পীরকপা কাংঙু অদু মখুৎতা চেৎনা পাইদুনা অসুম অসুম লাকপা মতমদা খানা চাউবা ৱাংব্রেনগী মশাইকোন্দা লৈরম্বা সরোই ঙারোই ময়াম অদুনা খোয়রিফাববু ফাননবা হায়দুনা য়াম্না কন্না তান্নরক্লম্মি। মতম অদুদা পন্থৌ মপানা তাকপিরকপা য়াথং অদুগী মতুং ইন্না মহাক্কী মখুৎ অদুনা

লাইগী ওইবা মতিক ময়াই চেল্লবা কাংঙু অদুবু চেৎনা পাইদুনা হাই হাইদুনা লাকপদা লাই সরোই ঙারোই অমত্তনা খোয়রিফাববু শোকপা পনবা ঙম্লমদে। মতৌ অসুম তৌদুনা খোয়রিফাবা হায়বা অঙাং অদুনা মমা তম্ফাবু কৌরা কৌরদুনা চেন চেন্দুনা লাক্লম্মি। মহাক্লা অসুম অসুম লাকপনা থাংজিংগী উমং লাইকোন অদু অমুক য়ৌরক্লে। মফম অদুদা লৈরম্বা সরোই ঙারোইশিংনা খোয়রিফাববু ফাননবা হায়দুনা অমুকসু তান্নরকই।

খোয়রিফাবা হায়বা অঙাং অসিদি লাইনিংথৌ সোরারেনগী মচানিনা কনা অমত্তনা ফাবা ঙম্লমদে। মরম হায়ববু নহাল মহাক্লা মালেমদা খোংগুম্লকপদা পন্থৌ মপানা শিন্নরকপা কাংঙু অদু পাইদুনা লাকপনানি। অতৈ কনা অমত্তনা ফাবা ঙম্লকত্রবদা য়াঙ্গৈাই নিংথৌ হায়না কৌবা খোইয়ুম

অদুনা খোয়রিফাববু মহাক্কী মখ্বাংদা কোন্দুনা ফাবা ঙমখি। অসুম তৌদুনা ফারবা খোয়রিফাবনা ফ্রুং ফ্রুং চোংলদুনা পন্থৌ মপা লাইনিংথৌ সোরারেনবু কৌরদুনা য়াম্না কন্না কপ্লক্লন্মি। তাইবঙ মালেম তম্পাক্তা খোয়রিফাবনা কপ-লাওদুনা লৈবদু কোরৌ থক্তা পন্থৌ মপা লাইনিংথৌ সোরারেন্না য়েংলকপা মতমদদি ইঙান ঙান্না উবা ঙল্লন্মি। কোরৌ নোংমদোল মথক্তগী পন্থৌ মপানা য়েংলদুনা লাউথরক্লন্মি, - 'হো ইপাগী ইবুংঙো খোয়রিফাবা ! নংবু য়াম্না মুন্না তাও-ও ! নংগ নখুৎতা পায়রিবা ইপানা পীবা কাংজৈ কাংঙু অদু থাদোক্কনো ! কাংঙু অদুনা নংবু ফারিবা লাই অদুদা কল্লো' পন্থৌ মপাগী য়াব্রা অদু তবদা খোয়রিফাবা হায়বা অঙাং অদুনা মহাকপু মখ্বাংদা কোন্দুনা ফারিবা য়াঙ্গোই নিংথৌগী য়েংথংবা মখোংদা কাংঙুদুনা কনখিরন্মি। খোয়রিফাবগী মখুৎনা পাইরকপা কাংঙু অদুনা য়াঙ্গোই নিংথৌগী মখোংদা কনবদা ফারিবা লাই অদুগী মখোঙ নাম্মা তেক্তুনা লৈহৌরে। মঙোন্দগী নাম্থোক্তুনা মখুৎতা কাংঙু অদু পাইদুনা অৱাং পাংনা মমা তম্ফাবু কৌর কৌরদুনা অসুম অসুম চেনখৎলক্লন্মি। অঙাং অমনা মমাবু কৌদুনা লাকপগী খোঞ্জেল অসি হাওরোক শাগৈদা লৈহৌবী মবেল হুইমুলৈমনা তাজখি। মহাক্কী য়াব্রা অদু তাবদা মবেল অদুনা মপান্দা চেম্থোরক্তুনা মশুবু ঙাইদুনা হাওরোক শাগৈদা হায়বদি মবেলগী য়ুমদা পুশিল্লক্লন্মি। মশুনা মালেমদা ইমা ইমা হায়দুনা লাও-খোংদুনা লাক্লবদা হাওরোক শাগৈদি মচা তম্ফাবু লাইরৈপাক্তা লৈত্রে হায়বসি খঙনরমদে। মশু ইবুংঙো খোয়রিফাবনা হাওরোক শাগৈগী মপু মবেন্দা মমা তম্ফাবু পীবীনবা হায়দুনা য়াম্না কন্না তকশিনখিরন্মি। মতম অদু ফাওবদা মমাবু মশক উরক্রবদা খোয়রিফাবা অদু মমাবু কৌর কৌরদুনা অমুক চেনখিরন্মি অমসুং মপু-মবেলনা ফাওবা খান্বা য়াখিরমদে। মতৌ অসুম তৌদুনা খোয়রিফাবনা মালেম লৈখাদা মমাবু কৌর কৌরদুনা অমসুং কপ কপ্তুনা চেনবসি লৈচিল মথক্তা লৈরিবা মমা তম্ফনা তাখিরন্মি। লৈচিল থক্তা কোরৌ য়ৌবা ঙমদনা লৈরিবী হাওরোক শাগৈগী তম্ফানা মচাবু থাপ্তক্লা হেক উবা মতমদা লৈচিল মথক্তগী অসুম্না মমানা মচা খোয়রিফাববু য়েংলদুনা লাউরক্লন্মি, - 'ইমাগী ইবুংঙো খোয়রিফাবা ইমাদি লৈচিল থক অসিদা লৈরে ! য়াব্রা অসুম হায়দুনা পলেম মমা তম্ফানা মচাগী মনাক তান্না চেনশিল্লক্লন্মি। মতম অদুনা পলেম মমানা খোয়রিফাববু মথানুংদা

চেৎনা কোনশিঞ্জখি। খোয়রিফাবনা মমাবু অমুক হন্না ফংজদা য়াম্না হরাওদুনা কপ্পা পুম্নমক লোইনা তোক্তুনা মোমোন নোক্তুনা লৈজখি। মসিগী মতুংদগীদি মমা মচা অনিদু মালেম লৈখাদা লৈরিবা হাওরোক শাগৈগী মপু মবেলগী মনাক্তা চংজদুনা মমা মচা পুন্না লৈমিন্নখি। মতৌ অসুম্না পুন্না লৈমিন্নখিবা অসিবুনি মমা মচা অনিগী নুংশিবগী মরি হায়বদুনি। মতম অসিদা খোয়রিফাবনা মমা অসি পোক্তবীনি হায়বা খংলমদে অদুগা মমা তম্ফানসু মচা খোয়রিফাবসি পোক্তবা মচানি হায়বগী ৱাখল অমত্তা খনবা লৈখিদে। খোয়রিফাবনা মমা তম্ফাগা মালেম লৈখাদা অমুক হন্না লাইরৈবাক্তুম্না পুন্না লৈমিন্নখি। কোম্ভৌজমদা হাওরোক শাগৈনা সোরারেনগী মচা ইবুংঙো খোয়রিফাবগা মমা তম্ফাগবু পুন্না লাইগী শাগৈনি হায়দুনা লৈমিন্নখিদে। মখোয় মমা মচা অনিগীনি হায়দুনা তোঙান তোঙান্না লাইশঙ অমমম শাবীরদুনা হাওরোক শাগৈদা থমবিখি। খোয়রিফাবনদি মমা তম্ফাগা লাপ্পা লৈজরোই হায়দুনা মমা মচা অদু পুন্না নকন্দুদা শাবিখিস মতৌ অসুম তৌদুনা সোরারেনগী মচা ইবুংঙো খোয়রিফাবা অসিনা মালেম লৈখাদা লৈতাদুনা লৈখি। মতৌ অসুম তৌদুনা ঙসি ফাওভদা লাইনিংথৌ খোয়রিফাবগী লাইগী শঙলেনগী খুভম অসি নম্বোল কৌবা লমদমদুদা য়াদুনা থল্লিবা অসিনি। মসিনি থায়নগী পাথিবশিংনা পুয়াগী লাতমদা ময়েক সেংনা অমসুং ময়েক লানা খোরি লাংদুনা থম্বীরমখি।

৭।

৫. পাখংবগী শায়োল ১০৮

ঁ লাইনিংথৌ পাখংবনা মালেম লৈখারোল অসিদা নিংথৌ ওইদুনা শাইয়োল কয়া পুখোক্তুনা শান্নরম্মি।পাখংবনা মালেম অসিদা তোঙান তোঙানবা শাইয়োল কয়া পুথোক্তুনা কুম্মৈ শান্নবসি পুন্না শাইয়োল চামনিপাল শুরম্মি। লাইনিংথৌ পাখংবা ১০৮ শুবদা ইকোন কোন্না শান্নখিবা শাইয়োল অদুদি লোক্তাক পাৎতা পাউবিরাই হায়বা শাইয়োল অদুনা অরোইবা শান্নখিবনি। মতম অদুদা লোক্তাক পাৎগী পাউবিরাই হায়বা শাইয়োল অদুদি য়েংবদা য়াম্না কিবা ফাওবা শাইয়োল মখল অমনি। তাইবঙনা য়েংবা মতমদা মহাক্কি মকোক অদু কৈগী মকোক পাল্লম্মি অমসুং মচি অনি অমসু হৌদুনা পাল্লক্লম্মি। মহাক্কী মচি অনিদুগী মনুংদা য়েৎ থংবা অদুনা সনা অহিংবা মচুনি অমসুং ওই থংবা অদুনা লুপা অহিংবা মচুনি অদুগা মহাক্কী মশা অদুনা য়াম্না চাওরবা তুবি লাইরেল অমগা চপ মান্নৈ। পাখংবনা মোইরাংদা পাউবীরাই ওইদুনা শাইয়োল শান্নবা মতমদা মোইরাং লৈপাক অসিদা 'থাংতেক শুনাইবনা' নিংথৌ ওইনা ফম্বাল তোংদুনা লৈরিঙৈগী মতমনি। পাখংবনা লোক্তাক পাৎতা পাউবীরাই ওইনা শাইয়োল অদু তৌদ্রিঙৈগী মতমদদি মোইরাংগী লোক্তাক পাৎ অসিদা মী কয়া-কয়ানা করিমত্তা চিংনবা লৈতনা কুমথদুনা ঙা ফাবা, মনা-মশিং থিদুনা অৱা অনা কয়া কোক্লম্মি অদুবু পাখংবগী শাইয়োল ওইনা ১০৮ শুবা পাউবীরাই অসিবু হেক শাইয়োলখিবা মতমদগীদি মোইরাংগী মীওই অমত্তনা লোক্তাক পাৎ অসিদা কুমথদুনা ঙা ফাবা, মনা-মশিংনাচিংবা হেকপা চৎপা ফাওবা ঙল্লমদে। মরমদি লোক্তাক পাৎ অসি হেক কুমথরক্তুনা ঙা ফাদুনা, মনা-মশিং থিদুনা অৱাবা কোক্লম্বী মী পুম্নমক পাউবীরাইনা ফা-ফাদুনা চাবদা মীওই কয়াগী পুন্সি লোমখিরম্মি। মসিদগী লোক্তাক পাৎতা কনা অমত্তা কুমথবা ঙম্নখিদে। অঙকপগী মশক ওইরবা লাই তুবী লাইরেল অমা লোক্তাক পাৎতা চাক্তাদুনা লৈরে হায়দুনা মীয়াম

পুন্নমক্লা ৱা ৱা ঙাংনরক্লন্মি। মতম অদুদা মোইরাংদা পানবা নিংথৌ থাংতেক শুনাইবনা মহাক্কী নাকোংদা মীয়াম্না ঙাংনরিবশিং অদু লোইনা তারম্মি অমসুং মীওই ময়াগী পুন্সি লোমখ্রে হায়বদু খংলম্মি। অসুক য়াম্না ৱাবা পাউ অসি তাবদা মোইরাং নিংথৌ অদু মথ্বাই য়াম্না নুংঙাইরমখিদে মতৌ করম্না লাই তুবী লাইরেল অসিবু হাৎশিগে হায়দুনা মোইরাং নিংথৌনা মহাক্কী অঙম-অথৌ, ফম্নাইবশিং পুন্নমক কৌখৎতুনা খন্নবা হৌরকখি। অঙম-অথৌ কয়ানা খন্নরকপা ঙমদ্রদুনা মমৈথংদদি মোইরাংগী য়ুমথোং খুদিংগী মীওইশিং শুনা পুন্দুনা অমদি লৈপাক মীয়াম পুন্দুনা লাই তুবী লাইরেল অসিবু হাৎলসি হায়দুনা ৱারেপ ৱাচান্নরম্মি। মীয়ামগী ওইবা ৱারেপ ৱাচান্নবগী য়াৱা মতুং ইন্না মোইরাং লৈকাইদা লৈবা য়ুমথোং খুদিংগী নুপা অমমম্না মাগী মাগী মখুৎতা পায়বা য়াবা খুৎসু খুৎলাই অমমম পায়দুনা লোক্তাক পাৎতা চাক্তাদুনা লৈরিবা পাউবীরাইবু হাৎননবা লোক্তাক খোংবালদা চীংগুম্না পৈদুনা লৈনখ্রে। লোক্তাক খোংবাল মথক্তা চোন্না পৈদুনা লৈরিবা মীয়ামদু পাউবীরাইনা উরম্মি। মহাক্লা মীয়াম অদু তম্না কাখৎলক্তুনা মীয়াম অদু নৈখাইবা হৌরক্লম্মি। মোইরাংগী মীয়াম অদুনা পাউবীরাইবু হাৎতোক্লগে হায়দুনা খুৎশু খুৎলাই কয়ানা মঙোন্দা থাখি। মতম অদুদা মহাক্কী মশা অদুদা খুৎলাই অমত্তা চংলমখিদে। মতৌ অসুম তৌদুনা মোইরাংগী লোক্তাক মপান্দা তিন্দুনা লৈরিবা মীয়াম্বু লোইনা নৈখায়দুনা অমমমদা ওইনা লাই তুবী লাইরেলনা হাৎতোকখি। মফম অদুদা য়াওবা মীওই অমা অনি দংদি পাউবীরাইনা হাৎতোক্লমদে মরমদি মখোয়না কোনুংদা চৎতুনা মোইরাং নিংথৌ থাংতেক শুনাইবগী মফমদা পাউ পীরুনবা হায়দুনা খাক্তুনা থম্লম্মি। পাউবীরাইনা হাৎতোক্তবা মীওইশিং অদু য়াম্না থুনা চেন্দুনা কোনুংদা ফম্বাল তোংলিবা থাংতেক শুনাইবদা পাউ অদু অমত্তা চিংখদনা মরিক চুম্না অৱাবগী পাউ অদুবু পাউদমখি। মোইরাংগী অঙম-অথৌ কয়াবু লাই তুবী লাইরেল পাউবীরাইনা লোইনা তুম্না হাৎখে তাবদা মোইরাং নিংথৌ থাংতেক শুনাইবদু মহাক্কী মকোক্তু নোংমৈ শিংজংনা তাবগুম্না য়াম্না ৱাখিরম্মি। ঈশিং মনুংদা ঙা ফাবা মীবু ফাদুনা চারম্বা পাউবীরাইনা কংফাল্লোমদা কাখৎতুনা মী চারে হায়বগী পাউ অসি তাবদা মোইরাংগী মীয়াম পুন্নমক লোক্তাক খোংবাল্লোমদা ফাওবা চৎথোকনখিদ্রে। কোরৌ নুমিৎ মহাক্লা হেক তাবগা মাগী মাগী য়ুমদা চংদুনা থোং লোন্দুনা লৈখিরম্মি।

43

থাংতেক শুনাইবনা নিংথৌ ওইনা পানবা মতম অসিদা মোইরাংদা ওকসুরাকপা হায়না কৌবা মবুক মপাও য়াম্না ফবা অমসুং তপ্লা অহল অমা লৈরম্মি। অহল ওইরবা মবুক য়াম্না তপ্লা অসিনা নুমিৎ খুদিংগী মোইরাংগী থাঙ্গা চীংদা কাখৎতুনা মোইরাং লৈকাইগী মীয়াম্না তত্তনা হৌদোক্লম্মি। ওকসুরাকপনা থাঙ্গা চীংদা কখৎতুনা হেক লাওরকপা মতমদা মোইরাং লৈপাক্কী মীয়াম্না নোংঙাল্লে খংনদুনা হৌগৎলবা কান্দা মাগী মাগী ওইনা নোংমা নোংমগী শিন্থা অদু শুনরম্মি। ওকসুরাকপনা হৌদোক্লবা কান্দা মোইরাং লৈপাক্কী মীপুম খুদিংমক লোইনা হৌগৎতুনা মাগী মাগী শিন্থা অদু পদুনা শুনরম্মী। ওকসুরাকপা অদু থাঙ্গা চীংদগী কুমথরক্তুনা মহাক্কী ময়ুমদা হল্লকপা মতমদা মোইরাংগী অথৌবা লৈত্রেং ঈশিং চাইবা হায়বা নুপা অদুদি মহাক্কী কোম্থোংদা তাদুনা লৈরম্মী। মতম অদুদা অঙন্বা অসিগী লৌশিং মাঙলদুনা মাগী তালোই ইবেম্মা চমাংখাবীনা লাইকন্নদুনা লৈরম্বদু থেংনরম্মী। ঙসি অহিংদা লাই শরোই ৬৪ না মহাক্কী নুপা অদুবু তান্নরক্তুনা ফুদৎপীরম্বনি হায়দুনা মহাক্কী তালোই ইবেম্মনা পাউদম্লকখি। মতৌ অসুম তৌদুনা অঙন্বা অসিবু লাই শরোই ৬৪ না তান্নরক্তুনা ফুদৎলকপদা মহাক্কী তালোই ইবেম্মা চমাংখাবীবু কৌরক্লম্মি। মহাক্কী মপুরোইবা অদুনা কৌরকপগী মখোল অদু তাবদা চমাংখাবীনা মাগী মখুত্তা মৈরা অমা পাইদুনা মপান্দা চেন্থোক্লক্লম্মি। চমাংখাবীগী মপুরোইবা লৈত্রেং ঈশিংচাইবা অঙন্বা অদুদি লৌশিং অদু মাঙদুনা মাগী কোম্থোংদা তাদুনা লৈরম্বনি। মতৌ অসুম তৌদুনা মহাক্কী নুপী চমাংখাবীনা কোম্থোং অদুদা লাইকন্নদুনা লৈবনি মরমদি মহাক্লা নুপী ওইবনা মহাক্কী মপুরোইবা অদুবু থাংজিন্দুনা ময়ুমদা পুশিনবা ঙল্লমদে। মতম অদুদা পুকচেল চাওরবা ওকসুরাকপনা থেংনদুনা অঙন্বা লৈত্রেং ঈশিংচাইবীগী মশা অদু মহাক্কী ময়ুম তান্না থাংজিনবিরম্মি অমসুং থৌদোক অদুবু ওকসুরাকপনা মোইরাং নিংথৌ থাংতেক সুনাইবগী মশাইকোন্দা লাক্তুনা পাউকৎলমখি। য়াব্রা মপাউ অদু তাবদা থাংতেক সুনাইবা অসি পন্থবা তৌদনা য়াম্না থুনা লৈত্রেং ঈশিংচাইবীগী ময়ুমদা চেনখিরম্মি। নিংথৌগী য়াথং মতুং ইন্না মনাই অমা থাংজিং চীংদোলদা খুন্দরিবা কবুই শলম হায়বা খুল অদুদা লৈবা মাইবা কবুই তোম্বা হায়বদু থুনামক পুরক্লবা খংহনখি। মতম অসিদা মোইরাং খুলদা কবুই তোম্বা হায়বসি য়াম্না খংবা মাইবা অমা ওইরম্মি। থাংজিং

চীংদা খুন্দরিবা কবুই শলম হায়বা খুল অসিদা পোইরৈতোন্না খুন্দোক্লকপা মতমদগী হৌদনা পুরকপা খুৎ তরেৎকী মনুং চনবদা মহাক্সু অমনি। মতৌ অসুম তৌদুনা নিংথৌনা মনাই মশেল থাদুনা কবুই সলামদা লৈবা খুল অদুগী মাইবা কবুই তোম্বনা মহাক্কী অচানবা মনাই লৈত্রেং ঈশিং চাইবীগী অনাবদুয়েলখি। হায়রিবা মাইবা অসিসু অচানবা মনাই লৈত্রেং ঈশিং চাইবীগী য়াম্না চান্নরবা মরুপ অমা ওইরমখি। মাইবা অসিনা ফনা য়াম্না খুৎ থাদুনা য়েংবা হোৎনবসু অনাবসি ফবা কৌবা লৈখিদ্রে। অনাবা অসিনা ফগনি হায়বগী ৱাখল অসি উরকত্রবদা মহাক্কী মরুপ মাইবা কবুই তোম্ববু য়েংলদুনা লৈত্রেং ঈশিং চাইবীনা হায়রকই, - 'ইতাও ইবুংঙো ! ঐহাক্তি মালেম অসিব থাদোক্তনা নংঙোন্দগী খরা হান্না চৎলম্বা তারে ! অদুবু ঐহাক্না মালেম অসি থাদোক্তুনা চৎখ্রবা মতমদুদা ঐগী ইচা 'চৌহৈ লৈরোং পাম্ব' হায়বা অঙাং অসিগা নচল ইবেম্মা চমাংখাবী অনি অসিগা মরক মরক্তা খর খরা য়েংশিনবীয়কো !, মতৌ অুম্না মহাক মরুপ কবুই তোম্বদা পুক্সেন পাউমেন্নরম্লগা লৈত্রেং ঈশিং চাইবী অদু তাইবঙ পানবা অসিবু থাদোক্লম্লগা মপু মহাক্কী লৈকোলদা তিনখিরম্মি। মোইরাংগী অঙম্বা লৈত্রেং ঈশিং চাইবীনা লৈখিদবগী মপাও অসি তাবদা মোইরাংদা লৈবা মীয়াম পুম্নমক্না মথ্বাই য়াম্না নুংঙাইনরমদে। অসুম্না তৌদুনা মোইরাংদা পাউবীরাইনা মী ফাদুনা চাবদা নত্তনা লাই শরোইশিংনসু মরক মরক্তা মী হাৎতুনা চাবসু য়াওশিল্লক্লম্মি। পাউবীরাই হায়বা লাঙ্গী তুবী লাইরেল অসিনসু মোইরাং লৈপাক অসিদা মী ফা-ফাদুনা চাবসু লেপ্পা লৈতে অমসুং মী হাৎপসু লৈপ্পা লৈতে। ৱাফম অসিনি মোইরাং নিংথৌ থাংতেক সুনাইবগী মতমদা থোকপা য়াম্না অৱাবা থৌদোক অমা হায়বদুনি।

অসুম্না পাউবীরাই কৌবা লাই পাখংবগী শাইয়োল অসিনা মোইরাংদা মী অসুম অসুম হাৎতুনা চাশিল্লকপসিদা মোইরাং নিংথৌ থাংতেক সুনাইবদু হায়ফম তৌফম খংজিল্লক্লমদে। মী অমা ফাওবা লোক্তাক খোংবালদা চৎপসু ঙমশিল্লকত্রে। লাই লাইরেল অসিবসু হাৎপা ঙমখিদরে। মতৌ অসুম তৌদুনা মোইরাং মীয়াম পুম্নমক্না খুল অসি হোংলসি হায়দুনা ৱা ৱা লাওনা খন্নরক্লে। য়াৱা অসি তাবদা মোইরাং নিংথৌ থাংতেক সুনাইবনা মীয়ামদা খংহল্লকই, - 'ইবুধৌ থাংজিংগী ওইবা লাইপাউ অমতং কেগে খোয়রি মাইবী কৌখৎতুনা তাখিসি !' - অসুম্না পাওমেনজরকই।

কেগেগী খোয়রি মাইবীনা ইবুধৌ থাংজিংগী লাইপাউ ওইনা অসুম্না হায়রকই, - 'পাউবীরাই হায়বা লাই লাইরেল অসি নবুধী পাখংবা ঐহাক্কী ১০৮ সুবা অরোইবা শাইয়োলনি। মবুক্না অমতনা হাৎপা ঙল্লোইয়ে! পাখংবগী অরোইবা শাইয়োল অসিদি মীয়ামগী ওইনা অৱাবনি ! অদুনা নখোয়বু মতম খরা ইংনা লৈখিগে হায়রবদি লাই অসিদা নুমিৎ খুদিংগী চাক শঙবাই অমগা মী অমগা পীজৌ ও ! অসুম তৌরবদি মতম খরা লৈরগা নখোয় য়াম্না নুংঙাইনা পানবা ঙমগনি !' অসুম্না মাইবী লাইপাউ অসি ফাওরক্লবদা মোইরাং মীয়াম পুম্নমক অমত্তা ওইনা খন্নরক্লম্মি। মমৈদদি খুল অসি হোংবগী মহুত্তা মতম খরা অসুম তৌদুনা লৈবনা খরা ফগদবা মাল্লি হায়দুনা খন্দুনা নিংথৌসু লাইপাউ অদু য়াজখিরম্মি। অমসুং মসিগী মতুংদা থবক ওইনা তৌরগে হায়দুনা মোইরাং নিংথৌ অমদি মচা-

মনাইশিংনা অমত্তা ওইনা নিংলম্মি। পাউবীরাইগী ওইবা মজিঞ্জাক পিবিনবা হায়দুনা মোইরাং খঞ্জিনগী লোক্তাক মপানলোমদা খারা অমা শাদুনা থম্বীরম্মি। লাই লাইরেল পাউবীরাইগী ওইনা পীনবা মীদি নুমিৎ খুদিংগী য়ুমথোং খুদিংগী মীওই অমমম নাইনা পালি পুনদুনা চৎননবা নিংথৌ থাংতেক সুনাইবনা য়াথং তাওথরম্মি। মতম অদুদি লৈপাক নিংথৌ পানবা মতমনিনা নিংথৌগী য়াথং অসি য়াম্না লুনা কীনা চৎনরম্মি। হে তোংদুনা তৌবা মচা মনাইশিংদি অৱাবা তারম্মি। য়াথং অসি খিবিকপু কিবনিনা মোইরাং খুন্দোন্দগী হৌরক্লদুনা লাইগী ওইবা চাকথা পীবা হৌখ্রে। নুমিৎ খুদিংগী চাক শঙবাই অমগা মী অমগা লাই লাইরেল পাউবীরাইদা

চাকথা ওইনা পীবিখি। পাউবীরাই কৌবা লাই অদুসু নুমিৎ হেক য়ুংবগা মাগী চাকথাক অদু লৌনবা খরা তান্না হেক্তা লাক্লম্মি। মতৌ অসুম তৌদুনা নুমিৎ খরা অসিমদি পাউবীরাইনা মী অমমমগা চাক শঙবাই অমমগা চাখি। নোংমদি লাই লাইরেল পাউবীরাইগী চাক্কী ওইবা চাকথা অসি লৈত্রেং ঈশিং চাইবীগী তালোই ইবেম্মা লুখ্রবী চমাংখাবী হায়বদুনা মহাক্কী চাকথাক অদু তারম্লেদো। মতম অদুদা অহল ওইরবী মমাগী মহুৎতা ওইনা মহাক্কী মপারী 'চৌহৈ লৈরোং পাম্বা'-না চৎকে হায়দনা মহাক্কী মমাদা হঙ্গৎচৈ অদুবু অহল ওইরবী পলেম মমা অদুনা মতম লৈবা খিবিক্তা য়ারমদে অদুবু পলেম মমানা অয়াবা অদু ইপি প্রিবসু হন্দক্কী খোংভম অসিদি মপারী ইবুংঙো চৌহৈ লৈরাং পাম্বনা ওইনা লাই লাইরেল পাউবীরাইগী চাকথা অসিদি পলেম মমানা য়াদা য়াদনা মহাক্কী মপারীনা চৎপা তারম্মী। মতৌ অসুম্না ঙসি কৌবা নুমিৎ অসিগী অহিং অদুমদি মমা-মচা অনিদু ৱাখন্না য়াম্না খন্মনখিদুনা নিংথিনা ফাওবা তুম্বা অমত্তা য়ারমদে। মখোয় মমা-মচাগী অৱাবদু উরদুনা তালোই ইবেম্মা চমাংখাবীগী খোম্লেন মংলান্দা মহাক্কী লৈখিদ্রবা মপুরোইবা লৈত্রেং ঈশিং চাইবীনা লাক্কুনা মখোয়গী অৱাবা পুম্নমকশিং অদু কোক্লনবা হায়দুনা 'কবুই তোম্বা'-দা তম্লুচো হায়দুনা তাকপিরম্মি অমসুং চমাংখাবী অদু খোম্লেন মিকপ থোক্লম্মি। মতম অদুসু কোরৌ নোংসু ঙন্দ্রি। পলেম মমা অদুনা কোরৌ নোংবু ঙানবা ঙাইদুনা লৈখি। মতম কৌবী লাইরেম্বীনা পুরক্কুনা কোরৌ মাসু ঙাম্লক্লে। মমা মচা অদু পুন্না ৱাতান্নদুনা পম্থো মপাগা লুনা তিন্নজরম্বা কবুই তোম্বগী মনাক্তা য়াম্না থুনা চৎলম্মি। পুম্নমক্কী ৱারোল অদু মপা শক্লবা কবুই তোম্বদা লোইনা তম্লম্মি অদুবু কবুই তোম্বদি নুমিং অসি কবুইশিংগী লাই হরাওবা নুমিৎনি মখোয়গী হরাও নুমিৎ অসিদা লাইনিংথৌ সোরারেন্দা কৎচনবা হায়দুনা করিগুম্বা মথ্বাই পানবা পোৎ অমা কান্না থিরম্মি। অদুবু নুমিৎ অসিদা করিগুম্বা মথ্বাই পানবা পোৎ অমত্তা থিবা ফংখিদ্রে। ঙসি হায়বা কোরৌ নুমিৎ অসিদা ইবুধৌ থাংজিং লাইনা মহাক্কী উমং অসিদা লৈবা মথ্বাই পানবা শা-ঙা পুম্নমক লোইনা লোৎশিন্দুনা থমখ্রমলে। কনাগুম্বা থৱাই পানবা জিবা অমা ফাওবা থেংনহনলমদে। মমৈথংদা থাংজিং চীংদা খুন্দদুনা লৈরিবা কবুই কাংবু অদু পুন্না ৱারেপনখ্রে। ঙসি নোংমদা থৱাই পানবা জিবশিং অমত্তা ফংদ্রবদি তাইবঙ মী ওইরবসু অফংবা মী অমা

হেক্তা ফারসি হায়না খন্নখ্রে। মতম অসিদা ‘চৌহৈ লৈরাং পান্বা’ হায়না কৌরিবা অঙাং নুপামচা অসিনা পন্থৌ মপাগা য়াম্না লুনা তিন্নজবা অমসুং মহাক্কী মপা মক্লি হায়দুনা খঞ্জবা ‘কবুই তোম্বা-বু কৌরা কৌরদুনা পরপ পরপ চেন্দুনা লাক্লম্মি। মতম অদুদা জিবা পানবশিং ফংলগদি হায়দুনা ঙাইদুনা লৈরিবা কবুই কাংবু অদুনা অঙাং অদু ফারম্মি। ফারবা অঙাং ‘চৌহৈ লৈরাং পান্বা’ অদু কবুইশিং অদুনা মখোয়গী হরাওফমদা ওইনা পুশিল্লক্লম্মি। মতম অসিদা কবুই হাওয়াম অদুনা পুরক্লিবা অঙাং অদুবু মঙকশম অদু কক্লনবা থৌরাং পুন্নমক লোইনা তৌবা লোইখিরম্মি। চৌহৈ লৈরাং পান্বা অঙাং অদুনা কবুইশিংদা ফনা কন্না হঙ্গৎচৈ অদু মখোয় কনা অমত্তনা য়াবা কৌবা লৈরমদে। অঙাং অসিগী অৱাবা মতৌ অদু উবদা ইবুধৌ থাংজিংনা ইঙান ঙান্না উরক্লম্মি। ইবুধৌ থাংজিংনা মহাক্কী লাংলোন পুন্নমক শান্নগদৌরিবা অঙাং অসি অরেম্বদা মাংবা তারে হায়দুনা মহাক্কী মনাইনুবী অয়াংলৈমবু য়াম্না থুনা অঙাং অদুগী মনাক্তা থারক্লম্মি। তসেংনমক হায়রবদি চৌহৈ লৈরাং পান্বা হায়রিবা অঙাং নিপা অসিদি ইবুধৌ মোইরাং থাংজিংনা মোইরাংদা খন্বা থোইবীগী ওইবা শাইয়োল তরেৎ (৭) মকপু পুথোক্তুনা শান্নখিবা লাংওন অদুগী মনুংদা ইহান হান্না পুথোকখিবা খন্বাগী শাইয়োল অদুনি হায়বা য়াই। মরম অদুনা অয়াংলৈবা

কৌবী লাইগী মতিক্লা কন্মনখিদুনা কবুই তোম্বগী তালোই নুপী চমুলৈমগী থম্মোয়নুংদা ওইনা চোংশিনখিরম্মি। লাইগী লাংলোন শান্নবগুম্না লাইরেম্বী অসিনা চমুলৈবগ থম্মোইনুংদা হেক তোংখিবগা খংহৌদনা খুল্লাকপী অসিগী মপুক্লিংদা ৱাখল অমা খংহোং হোংলক্লম্মি। চমুলৈমা অদুসু অফিং অফাই ওইনা ফুক লাওনা হৌগৎলগা হাওয়াম্না হরাওফম . ওইরিবা মফম অদুরোমদা ওইনা চেনখিরম্মি অদুগা পুন্দুনা থল্লিবা অঙাং নিপা ‘চৌহে লৈরাং পাম্বা’-বু মখুৎতা পুন্দুনা থল্লম্বশিং অদু লোইনা থোকখিরম্মি। মফম অদুদা লৈরম্বা কবুইশিং অদুদা খুল্লাকপী অসিনা মচিন দা লাই তোংলবী মাইবী অমগুম্না অঙাং অসিগী মরমদা অমত্তা ফাওবা চিংথদনা ৱারিশিং অদু লিথরকখিরম্মি। অঙাং অসি ৱারি লিখুলশিং অদু লোইনা তারবগী মতুংদা কবুই তোম্বনা মহাক্কী মরুপনা পোক্লম্বা মচানি হায়দুনা মাবু মশক খংলক্লে অমসুং মহাক্কা হেক পোকচবা মচাগুম্না মমিত্তগী মপি তাদুনা অঙাং ‘চৌহে লৈরাং পাম্বা’-বু কোনসিনবিখি। মোইরাং লৈপাকসিদা থোক্লিবা থৌদোক পুম্নমকশিংদু অমত্তা ফাওবা চিংথদনা মপারী চৌহে লৈরাং পাম্বনা মপা শক্লবা কবুই তোম্বদা লোইনা লিবিখি। মচাগী অৱাবা ৱারি অদু তাবদা থিন্থবা তৌদনা য়াম্না থুনা মোইরাংদা চৎতুনা মচাগী মথ্বাই অদুবু কন্নবা থৌরাং পুম্নমক লোইনা তৌখ্রে। মহাক্কী ওইবা অরুবা পুয়া মখে লোইনা মচানুপা কবুই শলম হায়বা অদুদা লোইনা শিন্নরমখি। অদুগা কবুই তোম্বনা মহাক্কী মখুত্তা শুবিকা হায়না কৌবা পুয়া অদুতমক হায়রদুনা চৌহে লৈরাং পাম্ববু পুরদুনা মহাক্কী মোইরাং লৈপাক তম্না লাক্লে।

মতমগী খোংলৈ মতুং ইন্না কবুই তোম্বা অমসুং চৌহে লৈরাং পাম্বা অনি অসি পুন্না লাকপনা কেগে মোইরাং লৈপাক য়ৌরক্লে। মোইরাং লৈপাক্তা চৌহে লৈরাং পাম্বা অমসং চমাংখাম্বীগী মশাইকোন্দা কবুই তোম্বা মাইবদু য়ৌরক্লে। মখোয় অনিনা লম্বি লমশাং অদু লাকপদা য়াম্না ৱামনখিদুনা ঙাইহাক পোথরবগী মতুংদা কবুই তোম্বনা মহাক্লা পুরকপা পুয়া শুবিকা অদুবু ফাক্তোক্তুনা পাউবীরাইগী মরমদা থিবা হৌরক্লে। কবুই তোম্বনা পুরকপা পুয়া শুবিকা অসিদা লাই পাউবিরাইগী মরমদা অসুম্না ইদুনা য়াওরম্মি মদুদি ‘পাউবিরাই হায়বা লাই অসিদি লাই পাখংবগী শাইয়োল ১০৮ শুবনি অমসুং ইরোই লোইবা পাখংবগী শাইয়োল

ওইরম্মি। পাউবিরাই কৌবা লাই মাবু হাৎকে হায়রবদি লুৱাং তৌ হায়বদুনা লোঙজিন তরেৎ পানবা লোঙ অমা শারগা মদুনা থিন্দুনা হাৎপদা পাউবিরাই অদু শিগনি হায়না ময়েক সেংনা য়াওরম্মি। মরম পুম্নমক অদু খংলবদা কবুই তোম্বনা লুৱাং তৌনা লোঙজিন তরেৎ পানবা লোঙ অমা শারদুনা মহাক্কী মচা নুংশিরবা চৌহৈ লৈরাং পাম্ববু পুদুনা লোক্তাক পাৎতা লাই লাইরেল পাউবিরাইবু হাৎনবা হায়দুনা কবুই তোম্বা অমসুং চৌহৈ লৈরাং পাম্বনা অৱাবা পুম্নমক লোইনা কোকনখিরম্মি। মোইরাং নিংথৌ থাংতেক সুনাইবনা মহাক্কী মনাই অচানবা 'লৈত্রেং ঈশিং চাইবি'-না পোক্লম্বা মপারি 'চৌহৈ লৈরাং পাম্বা' হায়বা অঙাং অদুবু কোনুংদা কৌখৎতুনা য়াম্না নুংঙাইনা থম্বিখি। মতৌ অসুম তৌদুনা মোইরাংগী লোক্তাক্তা মতম খরা ওৎ-নৈদুনা লৈরম্বা পাউবিরাই হায়বা লাই তুবি লাইরেল পাখৎবা অদুবু কবুই তোম্বগী মতেংনা লোক্তাক্তগী তাম্থোকপা ঙমখিরম্মি। পুকচেল চাওবা, ৱাখল লৈবা অহল অসিনদি লাই লাইরেল পাখংবগী ১০৮ শুবা পাউবিরাইবু মানা তাম্থোকখিবনি হায়বসি মোইরাং নিংথৌ থাংতেক সুনাইবগী মফমদদি খংহনখিদে। চৌহৈ লৈরাং পাম্বনা লাই শিদবগী থৌজান্দগী তাম্থোকখিবনি হায়দুনা নিংথৌদা খংহনখি। মতৌ অসুম তৌদুনা পাখংবগী অরোইবা লাংওন অসি মোইরাংগী লোক্তাক্তা পাউবিরাই ওইনা শাইয়োলদুনা লোইশিনখি হায়দুনা পুয়াগী ওইবা লাতমদা মায়েক লানা ইদুনা ইপা ইপুংনা থম্বীরম্মি। মতাং অসিনি মোইরাংগী লাই পাউবিরাই হায়বা ৱারী অদুনি।

খংজিনবদা কান্নবা ঃ-চৌহৈ লৈরাং পাম্বনা খন্বাগী ইহান হানবা শাইয়োলনি। মমৈথংদা মহাক খন্বা ওইনা পোক্লগনি অমদি মোইরাংদা মাগী লাংওন তরেৎ শিন্থা অমুক পাংলগনি। মাগী মপা লৈত্রেং ঈশিং চাইবা হায়বদুদি 'পোংদোংবা' হায়না খঙনবা ষণ লাবা অমা ওইনা শাইয়োলদুনা থাঙ্গা কারাংগী চীংথক্তা চাক্তাদুনা লৈখ্রবনি। হায়ৱিবা ষণ অসিনা খম্বা থোইবীগী মতমদা খম্বানা ফারগদবা কাও অঙাওবা ওইনা শাইয়োল্লগনি। কবুই তোম্বগী মচা কবুই শলাং হায়বদুনা খম্বগী মতমদা কবুই শলাং মাইবা হায়দুনা খুল্লাকপা ওইনা শাইয়োল্লগনি। কেগেদা থাংজিংগী অহানবা শাইয়োল অসি চৌহৈ লৈরাং পাম্বদগী হৌখ্রে। মাগী নুপীনা মোইরাংদা খ্বাই লাইরৌবা হায়না পোকখ্রে। মহাকসু থোইবীগী অহানবা লাংওন্নি।

৬. অঙাং চউম্বগী ৱারোল

হুঁ নহান্নোং তাইবঙ পানবসি অতিয়া কুরু সিদবনা শেম্বা শাবা লোইখ্রে। মতাং অসিদা অতিয়া কুরু শিদবনা পাইমা ৱাখল তৌদুনা য়েংলকপদা অসুম্না খল্লক্লম্মি হয়েং তাইবঙ পানবসিদা নমু তাবঙ ওইবশিংদি চানা থক্লবগী মরমদা নিংঙাই শংদনদুনা খোইয়ুম লাইয়াম ঐখোয় পুম্নমকশিং অসিবু ফত্তে হায়খিনি খন্দুনা থোংলগা চাবা য়াবা মখয ১০৮ অমসুং হিংনা চাবা য়াবা মখল ১০৮ পু শুনা শেম্বা শাবা লোইনা লোইখিরম্মি। পুম্নমকশিং অসিবু লোইরদুনা তাইবঙ মীবু শেল্লম্মি। তাইবঙ মী শেম্বা লোইরদুনা মথং মথং চাদা নাওদসু তমহল্লম্মি। মসিগী মনুংদা থৌরম অমা ওইনা হায়বদি অঙাং চউম্বা অসিসু অমনি। মসিগী মরম ওইবা নুংগী ৱারোলদি অসম্না পীরি। তাইবঙগী য়ুমথোং খুদিংদা অতিয়া কুরু শিদবনা নমু তাইবঙবু কোম্নবা হায়দুনা লাংওন তৌদুনা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহিগী মফমদা থেন্দুনা থম্বা অথেনপোৎশিং অদুবু কাইথোক্তুনা খন্বী মৈদা থোংবা লোইরবা মথেল লুকোই ময়ামশিং অদু য়ুম অদুগী মঙ্গোল ময়াইদা নত্রগা উরেপ অথোইবা (য়ুমগী যত্র)-গী মখোংদা ওইরবসু ৱাই ফজনা তৈথোক্লগা তাইবঙ পানবগী মপু মহাক্কী ফম্বাল অমা থাবিদুনা হৈরুপ, লফোই, উহৈ, মনা-মশিং, লাকোই অমমম থাবা, ফৌ লাখোই অমা, ইরাৎফু অমা শেম্বীবা, ইরাৎফু অদুগী মখোংদা লাকোই অমদা উহৈ, মরু-পনা , লাকোই অদা শেল অমা হাপ্তুনা ইরাৎফু অদু খিনগনি। খিল্লিবা ইরাৎফু অদুগী মমাংদসু ক্বা লাকোই অমা, উহৈ-ৱাহৈ লাকোই অমা অকৎশেল মঙা (৫) য়াওনা চেং লৈ, তাইরেল পুংফাই, লাংথ্রে, মৈরা মেক্লুক থাবা, নুংজেং ইকোন, তুরেল অচৌবনচিংবা, মৈ-ঈশিং-নুংশিং-লৈপাক-অতিংআ, মাইকৈ ঙাকপা লাই অৱাং কৌব্রু, মারজিং, ৱাংব্রেল, থাংজিং ময়াম পুম্নমকপু ইরাৎ থৌরম্না কৌরদুনা তাইবঙ পানবগী শেম্বীবা মপুগী মমাংদা লোইনা সুনা তিনহনগনি। চীংঙু মতিক

চাওরবা খোইয়ুম লাইয়াম্না পুন্না থুংলবদা তাইবঙ মপুগী মমাংদা পুখম, তেঙ্কোৎ, খুজাই মশিং সূনা পুথোক্তুনা থমগনি। ঐখোয়না পুথোকপা মতমদা পুখমদা চাক থোংবগী চাকমাই অদু থিবিগনি, তেঙ্কোৎতনা য়েঙ্গ্নাং হাপকনি অমসুং খুজাই অদুদনা ঈশিং হাপ্তুনা থম্বীগনি। করিগুম্বা চউমগদবা অঙাং অদুনা নুপা ওইরবদি ফৈজোম অমা শেৎচিনবিগনি, কোকয়েৎ অমা য়েৎশিনবিদুনা উগী মনম নুংশিবনা (চা চন্দলনা) অঙাং অদুগী মরাইবক্তা নম্বিগনি অদুগা অঙাং অদুনা নুপী ওইবা তারবদি ফনেক অমা শেৎচিনবীদুনা উ মনম নুংশিবনা (চা চন্দল)-না অঙাং অদুগী মরাইবক্তা নম্বীগনি। অঙাং অদুগী মপানা নৎত্রগা থৌরম অদুবু মমুৎ তানা খংলবা পিবা অমনা লাইরোল অমত্তা শোইদনা শোনবিগনি। মদুগী মতুংদা অঙাংদুগী মমা নৎত্রগা মবোক্লা ওইরবসু কপ্তনবা পম্বিদুনা অঙাংদুদা চাক চখোম তরুক (৬) লক অঙাংদুগী ময়াদা মমা নৎত্রগা মবোক্লা ইনবিগনি। মশিবু অঙাং চউম্বা হায়না কৌই।

থৌরম অসিদা শিজিন্নগদবা লাইরোলদি মখাদা পীরি ঃ-

হুঁ অতিংআ শিদবা নহাক্লা থাদা চংখ্রে, থাগী থৌৱাইনমীচাক্তা পীবীরে, থৌৱানমিচাক্তগী খোংজোম নুবীদা অমুক চেন্থহল্লে, খোংজোমনুবীনা ওকপুরোইদা ওইনা অমুক চেন্থহল্লে, ওকপুরোইদা অমুক তাওহুইরেংদা অমুক লেংথহল্লে। তাওহুইরোইনা মমাসিন্না তাক্লবিদা তাকথহল্লে, মমাসিনা তাক্লবীনা লাৎয়েন মনা মেন্দ য়েন্থহল্লে, মহাক্লা অমু শজিক্তা শন্থহল্লে, শজিক্লা অমুক থাবদা পাথহল্লে, থাবনা চিঙ্খৈদা লৈথহনখ্রেদো, চিঙ্খৈনা লৈনা হন্থরক্লে, চিঙ্খৈনা অমুক লিক্লা ওইরদুনা লাইশংগী মনুংদা লৈবা অরেপ্পা হায়না কৌবা লাই অদুগী পাওবু পুরদুনা লাক্লে, খেমজিংগী মখাদা অমুক ৱাইথুংলরে, মহাক্কী কোলোই মীংলেন্দি 'তরং শঙম তরিং সং' হায়না কৌএ, মতম অদুদগী মমিং অমা ওইররে খম্বী চীংশোম্বা হায়না কৌরে। হে খম্বী চীংশোম্বা নংনা অঙাং নৱা অঙ্গো অনিমক্কী খোইজিনুংদা হঙোই তাংশাং ওইনা নখা ফাক্লা য়াবীও। মতম অদুদা য়োইমোংবা কৌবা মহাক্লসু তাওথিংমাংদা অমুক মাংহনবিও হয়ি হনবা, হয়া হনবগা লৈপু হনবগা কোরৌ নোংগা মালেম লৈগা পুনা লৈতুনগে হায়রদুনা হে ইমা ইবেম্মা নাকথলৈবা পাওদোইবী ফুরেপ লৈমা লুচি চাওবী। চাপ্লৌ লুকপু মতাইজগে হায়দুনা লাংঙকপা ইচিক খুমসু মতাইজগে মকোপ্লা খুঞ্জরোমক্ পাম্না য়াজরো নচা মোইরাম্বী পোম্বীগে

তেতু হৈবোং মশা অমত্তবু থাদরকউ, নাথীরক্তা তারে, নয়ুংলক্তা তারে থৰাই ঐনবু করাম্নবু য়ারসিবনো, চারসিবনো, হে ইমা ইবেম্মা, হোইরৌ হয়া-য়া-হয়া-হা অঙৌবা কোরৌ চীংশোম্বগী কাইরৈ মচেংচাক য়েন অঙৌবনা কে-ক্রে-কে হায়না চীংখোং য়াকাইরক্লে মমোম লৈমা কবোকনুংদা শংলৌ পানখোক য়েলামচানবু য়েলাং চাম্না ফুৎনা পুক্লুং ৰান্থোই তম্বীরগা নপন অঙৌবা চনুনা মম-মম, কুক-কুক হায়না ১০ খুৎপুম চখোম পীহল্লে, লাইজ চিনখুৎ হাইহল্লে। লাইমিংদি হুঁ হা হা হুঁ হা, নিং নিং নিং, হে নৰা অঙ্গো, নংবু হায়গে তাও-ও, নহান্নোং মহিরেন অরুববু নপান্না শীন্নঙৈগী ৰানি, নপান্না শান্নজীংগী নন্নোন্দা পুরেদো কৌব্রুনা অমুক কোনবীরে। কৌব্রু হায়না কৌবদি কোক্লে, চিঙ্খে কৌবদি শন্নজিংনে, সনামহিনা থোংশংঙে, সনামহিনা পুবদি নাওথিংখোংবু পুইএ, নাওথিংখোং কৌবদি খোইরিবা মকৌই। লৈমরেল কৌবদি হিংবু মকৌই, মতম অদুদা কোলোই নমিংথোনবুদি 'অঙাং' হায়না কৌএ। মহাক্না লোইদাম থা ৩ নাওপুরগা পন্থৌ মপাদা অমুক শিন্নবীরে। পন্থৌ মপানা থা অনি নাওপুদুনা অমুক পালেম মমাদা শিন্নরক্লে। শন্নজিংগী খা থংবদা অমুক পহনবিরে। নাওয়োম অদুনা অমুক য়োমশিনখ্রে, নাওয়োম মাবু কৌবদি অপোকপনে, হুঁ হায়না কৌবদি মপু মহাক্লে, হিং হায়না কৌবদি লৈমরেন্নি, লিহিং-লিহিং ওইনা কৌবদি লুপাদি লিক্লানে, য়েৎকী ওইবা সনাদি নুমিৎনে, লোইদাম থাবুম ১০ নি হায়বদি নুমিৎ শীংবুম ৩৬৪ নি ঈখাই ঈলেম্নগা নহাক্কী কোলোই মীংলেন্দি 'অঙাং' হায়নাকৌএ। মতৌ অসুম তৌদনা অঙাং নংবু তাইবঙ পানবা ফাওরক্লে, মালংপানবু ফাওরক্লে, কোরৌ নুমিৎ ৫ নিবু কান্বী মৈনিং কুলক্লে। তারুক্লি শুবা নুমিৎতা ঈমাগী মপানবু থারক্লে। লোইদাম থাবুং ৫-৭নিদা নুপী ওইবীগী অদুগা লোইদম থাবুং ৬-৮ নিদা নুপা ওবিগী থাশিং অসি শুরগা ঙশাইগী শেংলৌ লুক্কোই মথেল শেম্না তরা চাহল্লে হায়বদি চিন্দম্বীরে। হে নৰা অঙাংও চাক চাখোম লুরোই অমনদি থৰাই মীকৌ থাকৌ ফানবা চাক্লে নিং-নিং কৌএ। চখোম লুরোই ৫ শুবদি পালেম নমা ইখাং তাক্লে হিং০হিং কৌএ। চাখোম লুরোই ৫ শুবদি তাইবঙ মপুগী পাওতাক য়াইফ ৬ মক্কি মীংচৎ চাক্লে, হুঁ শিদবা মকৌই। লোইদাম থাবুম ৩ শুরগা অঙাং অদু অঙ্গো হায়না মকৌই। খাখোং, লাইখোং, মরোংখোং ৩ মক্কী মথক্তা থিবোংবিনা লৈএ। থিবোংগী মনুংদা তাওরোইনাইনা লৈএ হে হয়ুম শিদবা, নংসু লেংবিগনু কোলোই

নংগী নমিং থোনবু হুঁ হায়না কৌএ। নিং-নিং হে ইমা য়াওরৈমা। অঙাংগী লৈয়েং মতোন্দা ফমদেংবীদুনা নহাক্না অঙাং অসিগী লৈয়েং অসি খৎপীরকউ নিং-নিং-হুং-হিং কৌবী হে ইমা ইবেম্মা। অঙাং অসিগী থবাক ঙানফমদা ফম্লিবা নহাক্না নৱা অঙ্গোগী থৱাই ৫ মকপু শৌগৎপীরকউ, থৱাই ৫ মকপু কুবিও হে পালেম ইমা ইবেম্মা। লাকয়েন থৱাই ৫ মকসু লাক্লে, মিগা থানা ৬ মকসু কুম্লক্লে। থাজিন লাকা মালেম চাংবী পাত্তা ফম্লিবী ইমা লৈস্রেন শিদবী। কোলোই মহাক্কী মীংলৈনবু হিং-হিং-হুঁ-নিং কৌবী থৱাই মনৌ ঙাংপোক থেন্দা নাপন শিদবগী সন্না মথোং খাদা ৱাইথুংবীরো। নপন শিদবা মহাক্না লাও লাও হায়দুনা কৌহনবীবনা নপারী অঙ্গো অসিগী কোলোই মীংথোনবু হুঁ চিরিক্লেন চিরিক হুঁ-হুঁ কৌনা তাইবঙ শেম্বা মপুনা খমজিংকোন্দা শিন্নবিয়ু। নপারী অঙ্গো অসিমকপু মরম লম্লেন মদাইমক থেঙ্গু লাবা মচিংচিনবু অমুরক হন্না লৈরম্লে, তাওথিংকোন্দা নৱা অঙ্গোবু ফুরেপ লৈমা লুচাওবীদা অমুক শিন্নবিয়ু। পালেম মমানা অমুক লাও লাও পারিও, নংবু হায়দুনা চারৈ ময়িনফিনা কোনহনবিয়ু। হে অঙাং নংবু নপা ঐহাক্না হায়গে তাইবঙ মালং পানববু হুলাম ফরোইয়ে নংনা চেৎফরোই লম্লেন মদাইমকপু থৱাই নয়ুম্লেনবু থিরেন নকাইফম্মু লেংগনু খুজিলোক্তা হন্থরো। পলেম নমা লৈস্রেন শিদবীবু খুজিলোক্তা চংদুনা ৱাইথুংলরো। পলেম নমা ইবেম্মা লাকথালৈমা পাউদোইবীগী মপাওনে খংও। সে সে পারি নৱা অঙ্গো নহাক্কী নথৱাই মীরেনবু তাইবঙ মালং পান দা চামিন্নখিসে। থৱাই লিফারোই মিরেন লিথুরোই। হা খোইদোং ষণ শেনবা নহাক্কী লাংবা নষণ মাংবদি লৈমা লোক্তা চংখ্রে। লোক্লে লোক্তা চাক্তারে কোংগোই লাং মাবু লাংথুরগে। হা খোইদোং ষণ শেনবা লাংবা থৌরি তৎফরোইএ। হা নৱা অঙ্গো নংবু পলেম নমান মি মি কুক কুক কুক হায়না থৱাইমিবু ফরগে। খোইদৌদা লৈরিবী ফুরেপ লৈমা লুচাওবী নংসু নপারি নৱা অঙ্গোবু পাওমেনবীয়ু হা-হুঁ, হা-হুঁ শিদবদা পুল্লরে। হুঁ হিং নপ হুঁ হুঁ লাইনিংথৌ সনামহিনা থৌজালবিরে।

মতৌ অসুম তৌদুনা মমাংঙৈদগী হৌনা মৈনা ৱাই তাংনা শমথরক্তুনা ঙসিগী ওইবা মীতৈ-মৈতৈ লাইনিং চৎপা অমদি তাইবঙ পানবসিদা লৈরিবা তাইবঙচাশিংনা চৎনদুনা লাকপা অঙাং চউম্বগী ৱারোল হায়বদুনি। মসিগী ওইবা ৱারোল অসিদি কোরৌ নুমিৎনা হেক ঙান্দুনা লৈরিবমখৈ অসুম্না চৎনদুনা লৈরগদবনি হায়জনিংই।

৭. অঙাং লংহিং থাংবগী থৌরম্লোন

তাইবঙ পানবদা মীওইপোক্তা পোক্লবদি মপু মহাক্লা মাগী মাগী ওইবা চহি মতাংদা থৌরম থৌদা কয়া শিজিন্নদুনা মপু মহাক্কী মতিক ময়াইবু শিন্নবিখি। অদুবু অঙাং অমনা পলেম মমাগী পিবুক্লুংদগী মালেমদা খোংদরকপা মতমদুগী লৌরগা মী অমা ওইবা য়ারে মপু মহাক্কী মতিক ময়াইবু শিন্নবিরগে হায়না খনবা চহি মতাংসি চাওরাক্লা অনি থোক্লা খাইদোকই,

১. নুপী ওইবীগীনা চহি ২২ দগীনা চহি ২৬ চংলকপা মতম অসিমা।

২. নুপাগীনা চহি ১৮ দগীনা চহি ২০ চংলকপা মতাং অসিদা লংহিং থাংবগী থৌরম অসি লৌনরম্মি।

হায়রিবা থৌরম অসি মখোয় মখোয়বু পোক্লিবা পন্থৌ মপানা পাংথোক্করম্মি। অদুবু পন্থৌ মপা অদুনা খংদ্রবদি অখংবা পিবা অমা হায়নদুনা লৌহল্লি। হায়রিবা থৌরম অসি কদাইদা পাংগনি হায়রবদি য়ুম অদুগী শোন্নপুং ময়াই হায়বদি উরেন অথোইবগী মখোংদা (শুমাংদা-তুল্লসিবোংদা) ওইনা পাংথোক্লে। মতমদি কোরৌ নুমিৎনা ঙাঙান্নানা কোরৌদগী কারকপা মতমদা অয়াম্বা লোইনা পাংথোক্লে অমসুং অতৈ মতমদদি পাংথোক্লদে, পাংথোকপসু য়াদে হায়না ইপা ইপুশিংনা ময়েক লানা খুৎকি ওইবা খুৎইনা ময়েক লানা ইদুনা থম্বিরম্মি। হায়রিবা থৌরম্লোন অসিবু পাংথোকপা মতমদা মখাগী ময়ামশিং (পোংলমশিং) অসি শুনা য়াওগদবনি,

১. উরেন অথোইবগী মখোংদু ব্লাই ফজনা তৈথোক্লনি।

২. তাইবঙ পানবা মপু মহাক্কী ফম্বাল অমা ফজনা থাগনি।

৩. ফম্বালদুগী মমাংদা য়ামদা পাফল অমা য়েক্কনি।

৪. পাফল মথক্তা লাকোই অমদা ফৌ খরা হাপ্তুনা থমগনি।

৫. লাকোইদুগী মথক্তা ফৌ খরা হাপ্লগা অদুগী মথক্তা ইরাৎফু অমা থমগনি।

৬. তেঞ্জৈ ৪ য়ুংগনি।

৭. তেঞ্জৈ ৪ অদু লং অহিংবনা কৌবুদগী হৌরগা তরেৎলক কোইরগা কৌব্রুদা লোইশিনগনি।

৮. উহৈ, লাকোই মঙা (ক্বা তাঙ্গা)।

৯. হৈরুক লফোই মঙা।

১০. শেলয়েক (চান্দি চৎপী) হাপ্লবা লকোই মঙা।

১১. চেং- লৈ হাপ্লবা লাকোই খরা চাওবা অমা।

১২. ইরাৎফু মমাংদা অহাংবা লাকোই খরা চাওবা অমা থাদুনা মসিগী মথক্তা উহৈ, ক্বা মরু মনা মপুম অমমম, লফোই অমা, শেলয়েক অমা হাপপ্তুনা থাবিগনি।

১৩. লৈপাক্লা শাবা কম্বী খরা চাওবা অমদা লা থাদুনা চেং কিলো অমা, লফোই লফাং চং থোকপা ফজবা অমা, উহৈ মরু মনা অমমম, য়ুবী মপুম য়াওবা অমা।

১৪. খুদৈ অঙৌবা।

১৫. লংহিং থাংনবা নোংথ্রৈ পরেং অহুম অদু লা অমদা হাপ্তুনা থম্বীগনি (লংহিং লংজা অদু তরেৎ ওইগনি)।

১৬. মৈরা মেংক্রুপশিং লোইনা য়াওগনি।

হায়রিবা পোৎলমশিং অসি লোইনা শেম্বা শাবা লোইরবকান্দা মহাকপু পোকপা পন্থৌ মপা নৎত্রগা লাইগী লাইরোল অদু নিংথিনা খংবা পী-পা অদুনা লাইরোলশিংদু থিদুনা অঙাংদুগী থৌরম থৌদাশিং পাংথোক্কনি। অহানবদা ইবুধৌ পাখংবগী ইকোলগী হায়বদি নুংজেং ঈশিংবু থৱাই মাবু হাপ্তুনা কৌগনি অদুগা ইবুধৌগী য়াথংনা পুন্নমকশিং হায়বদি

পোৎলমশিং লোইনা লংহিং থাংগদবা পী-পা অনিদু পুন্না শেংগনি। মসিগী লাইরোলদি মখাদা পীরি, -

হুঁ কোংবা তুরেল, ইরিল তুরেল, তুরেল অচৌবা নম্বুল তুরেল, চীংগোই তুরেল, তাকয়েন, লমফেল, ইকোক, লোক্তাক, ইঙৌরোক, নুংজেং কোন পুম্নমক

লাইরোন্না কৌজদুনা ইরাৎফুদা ঈরু-ঈশিং হৈগনি অদুগা মখাদা থারিবা উহৈ মরু মনা অমদি লফোই অমখক্তং য়াওবা অদুদা চেং লৈ-না হাপ্লিগনি। ইরাৎফু লাৎপগী লাইরোলদি, -

মৈ ঈশিং নুংশিৎ লৈপাক অতিংঙা কৌবা লাই মঙাবু কৌজরগা

ইরাৎফুদুনা ঈশিং হৈগনি অদুগা চেং লৈ-না মখাদা হাপকনি। মায়কৈ ঙাকপা লাইয়ামশিং অব্রাং কৌব্রু, চীঙ্খৈ মারজিং, খানা চাউবা ৱাংব্রেন, নোংচুপ পস্থোং ইপুধৌ থাংজিংবু লাইরোলনা কৌজদুনা ইরাৎফুদা ইরু ঈশিং অদু হৈগনি অদুগা মখাদা থারিবা অদুদা চেং লৈ হাপকনি। লাইয়ামশিং পুম্নমক অসিগী মমাংদা লাইরোল অদু শোন্দুনা অঙাং পা-পী অদু তাইরেন পুংফাই, লাংথ্রেনা ইরু ঈশিং অদু লুপ্তুনা শেংবীগনি। চা চন্দল উনুংশি অদু তক্লগা অঙাংগী লাইবক্লাচিংবা মফম তরানিথোইদা থম্বিগনি। হায়রিবা থৌরমশিং অসি পুম্নমক্তু লোইরগা লাইগী লাইরোল খংবা নৎত্রগা মখোয়বু পোকপা পন্থৌ মপা অদুনা লাইগী ওইবা মীঙ্খৈশিংদু তাকপিগনি। মখোয়শিংদুদি মখাদা পিরি, -

১. লংহিংবু লংশেং ওইহনগনি, লং মচা মাপন্না লংহিং শেমগনি, মচা মাপনমক অদুবু নংগী পুক্লিং মখল মাপলমক্লি হায়না নিংজগনি।

২. লংহিং মচা মাপন্না তিল্লগা লংহিং মচা অমা ওইগনি, মচা তরেৎশুনা লংশেং অদু শেমগনি, মচা অমমম্না মথংশিৎনা মঙাং-লুৱাং-খুমন-অঙোম-মোইরাং-খা ঙানবা অমসুং শরাং লৈশাংথেম-গী ইবুধৌ তরেৎমক্লি হায়না নিংজগনি।

৩. লংহিং মখল তরেৎতু পুন্না কিসি অহুম থোক্লা কিগনি। কিরিবা কিসি অহুম্মকপু খুমন, মঙাং, লুৱাং অহুম্মক্কি মশক্লি হায়না নিংজগনি।

৪. লংহিং মচা তরেৎতু পুন্না কিসি কিগনি, কিসি ময়োন অদুবুদি

ইপুধৌ তরেৎমকপু শক্লবা লংহিং লংশেং মচা তরেৎমকপু পায়রদুনা ইবুধৌ তরেৎমক্কি মথাদবু কোঞ্জদুনা নহান্নোং তরেৎমক্লা চৎচরম্বা পতাপ মতুং ইন্দুনা লাইগী থৌগল তৌজগে, ইপা ইপু মশক খংজগে। ঙসিদগী হৌদুনা মৈতৈ মশিং চঞ্জরগে হায়দুনা ননাইনা ৱাশক ৱারেপচরিএ।

১০. লংহিং লংশেং অদুবু মহাক্কী মশাদা থাংলগনি (শিজিনবিরগা), লৈ য়াওবা লাকোই অদু পায়খৎলগা অসুম্না হায়গনি মদুদি, - 'হুঁ শিদবা অপোকপা পোক্লেন পোকপা, শাৎলেন শাৎপা, লাইনিংথৌ সোরারেন্নচিংবা লাইয়াম পুম্নমক, লাইনিংথৌ সনামহি, কোনশেন তুথোকপা, পাখংবা শাগৈ সলাই পোকখিবা ইপা ইপু পুম্নমক, পুম্নমক্কি থৌগলবু তৌজগে হায়দুনা মপু শিদবগী লৈকোলনুংদগী হেক্লকপা নুংশি লৈরাং খুজোক্লা লৈরাংজরি ননাইনা ৱাশকচবগা লোইনদুনা থুংহনবিয়ু তুবিউ কুবিউ হায়জরি'। ৱাহৈ অসি হায়দুনা মপুগী ফম্বাল থারিবা অদুদা লাকোইদা য়াওরিবা লৈশিংদু কৎশিনগনি।

১১. লংহিং লংশেং থাংলিবা অঙাং অদুনা ঈশিং কংগন অমা পাইখৎতুনা,- 'ঙসি কোরৌ নুমিত্তা ননাই .... কৌবনা-কৌবীনা ইপুধৌ পাখংবগী নুংজেং ঈশিং পাইদুনা ৱাশক্লদুনা ইচেল ওইনা ফল্লেন লক্তা হৈজরে। মৈতৈ লেংদা চন্দূনা ৱাশক মতোল লোমজরে। ঙসি হায়বা কোরৌ অসিদগী হৌদুনা অহল য়াথং ইঞ্জরে। লংহিং লংশেং অদু খুৎ নাম্মানা পাইরগা থাউমৈ, ঈশিং-ইরাৎফু, লৈপাক, হৈ-লৈ লৈরিবশিং অদু শোক্তুনা লোইরগা নুমিৎ-থা ঙাল্লি হায়না খন্দুনা সোরারেন্নচিংবা লাইয়াম পুম্নমকসু ইপা ইপু পুম্নমক্পু নিংশিংদুনা লাইয়ামশিংগী মফমদা খুরু মদুনা থৌনিজহনগনি। মতম অসিদা থৌনিগদবা মরোলদি অসুম্না হায়গনি মদুদি,- 'ইপুরোইদি ইবুংঙো ননাই ওইবনা ননাই ওইন্না লৈজগে, লাইনিংথৌদি ইবুংঙো, পুক্নিং চেৎনা নিংজগে। ইবুংঙোদি উমংদা লৈরাংতবু ওইদুনা হৌজরগে, লৈকোন্দা কুমজা মতম নায়দুনা। নুংশি লৈনম ওইহনবিউ

Name : Thokchom Radhamuhon (Moiranglalhaba) Meetei

Father's Name : Late Thokchom Lukhoi Meetei

Mother's Name : Late Yumnam Ningol Thokchom Ongbi Sanahanbi Leima

Present Address : Luwangsangbam Mamang Leikai

Brother & Sister : Three brothers and one Sister (the applicant included the second son of the parents)

Educational Qualification : B.Sc (Graduate)

Experience : Serving as the General Secretary of Manipur Gandhism Society. After that, with the instruction of Guru/Guide Chingangbam Omar Machang, Uripok Huidrom Leikai, started the service of worshipping Ibudhou Pakhangba at Kangia Laiphamlen Uttra Shanglen. Now serving as Maiba (priest) of the Laiharaoba of Manipur, got the guidance and teachings from Guru/Guide like Meishnam Apabi, Maichou Purel Uttra Shanglen Sanakonung & Naoroibam Lokhon of Heingang Mayai Leikai.

Achievement :
1. Awarded as the best LaiharaobaAmaiba, 2012 by UKAL
2. Awarded Dr. Ambedkar National Award, 2013
3. Awarded Mahajyoti Phunel National Award, 2014
4. Awarded Kalakshetra Guru National Award, 2014
5. Chongtham Pena Manik Memorial Award, Khurai, 2014

Publication :
1. Laigee Thouramlon
2. Harouba Nungee Liklam (both books)
3. Puyagee Wari Shingbul